মনিপুর প্রজা সম্মেলনী
অমসুং
অনিশুবা নুপীলান



ইথোকচবা:-

লাইখুরাম ইবোবী সিংহ
বাংথৈ কৈকেথেল অশাংবা, ইম্ফাল।


Printed at Shanti Press,
Congress Bhawan,
B.T. Road, Imphal.

1st Edition 3000 Copies.

1987

Rs.50/—(Fifty) only.

Edited and published: - By



Laikhuram Ibobi Singh
Founder General Secretay,
Manipur Pradesh Congress
Committee (I),
Ex-Governing Council Member,
National Co-Opeative Union of
India, New Delhi, Secretary,
Manipur Political Sufferers
Association, Imphal

TH,CHAOBA SINGH
MINISTER
Food & Civil Supplies,
Co-op., Labour &
Employment
Manipur



MESSAGE

Imphal, the 25th March,1987

I am very happy to learn that a Political history entitled "Manipur Praja Sanmeloni and Anishuba Nupilan" highlighting most of the remarkable and significant evidences occured in the struggle for achievement of Freedom of Manipur starting from 1904 upto 1947, will be published under initiation of Shri L. Ibobi Singh, Founder General Secretary of MPCC (I)

I wish the publication a grand succcess.

(Th. Chaoba Singh

MINISTER OF STATE
Education, Social Welfare
Arts & Culture
MANIPUR



MESSAGE

May, 19, 1987.

I am very glad to know that a political history of Manipur under the caption of Manipur Praja Sanmelani and Anishuba Nupilan" covering most of the remarkable and significant events occured in Manipur during the struggle for Independence from the British Rule in India (1934-1947) is being published. The book contains valuable information on the Socio-economic condition of the people of Manipur and on the wisdom & courage of our women. The author has taken much pain in collecting information from various sources and in consulting the old records. The freedom movement launched by our women falk in Menipur is a landmark in the political history of Manipur, perhaps, in the history of the World. The glorious example set-forth by them will be a source of inspiration and guiding spirit to our younger generation in future.

P.T.O.

It will be shining like a star in the political sky of India and will be glowing luminously through the lime light of history.

On perusal of the book, it reveals that the Manipuri people have the sense of unity, integrity, cohesion, human understanding and the spirit of sacrifice. Their desire for freedom has already been ingrained in their mind. They are prepared to sacrifice even their lives for the cause of their mother country. Their courage adchivalry deserves praise-worthy. May the choicest blessing of the Almighty God be showered upon those persons who are both dead and gone and their souls rest in peace in Heaven.

I wish the publication all success.

Ng. Luikang.
State Minister for Education
Social welfare Art & Culture
Manipur

MINISTER OF STATE
FOR INDUSTRY & SERI
CULTURE MINING
& GEOLOGY
MANIPUR



MESSAGE
Imphal, 23.2.1987

I would express my profound happiness to learn that an interesting Political History book, under the name and style of 'Manipur Praja Sanmeloni and Anishuba Nupilan' is being released very shortly by the writer, Shri L. Ibobi Singh, a noted social worker of Manipur. This book being the first of its kind depicting the struggles, sacrifices, sufferings etc. of the People of Manipur during the Freedom Movement from 1904 to 1947 (British period) will definitely inspire among its readers and the youths in particular noble idial of National Integration, apart from the lessons of patriotism, and sacrifice for the motherland.

I wish the book a grand success and offer a lot of thanks to the writer, Shri L. Ibobi Singh of Wangkhei Keithel Ashangbi, Imphal.

Sd/-
P. Achou Singh

DEPUTY SPEAKER
LEGISLATIVE
ASSEMBLY
MANIPUR



MESSAGE

Imphal, the 1st July,1987

I am very happy to learn that a political history of Manipur named 'Manipur Praja Sanmeloni and Anishuba Nupilan' covering most of the remarkable and significant incidents occurred during the struggle for achievment of freedom of Manipur is being published shortly.

I hope such a book of political history will become more and more precious one, in the future generations of our state and country.

I send my best wishes to all and wish the publication a grand success.

H.Sarajaima Singh.
Deputy Speaker,
Manipur Legislative Assembly.

INTRODUCTION

This small book presents itself a resume of the reports on the political excercises lashed out by the spirited and heroic leaders of Mother Manipur, during the period between 1904 and 1947 It may be recalled that in 1904 the whole of India was under British rule. After the 'Khongjom War' of 1891 Manipur was placed again under the rule of the Maharajah by the then prepotent and debelling British Government in India. It was during this period that the people of India under the leadership of the Indian National Congress were engaged in the life-and death struggle against British domination. It was also during this period that India, on the other hand, measured the depth of her independence and decided on her political destiny. So, this period forms an important chapter in the history of India and Manipur, and to this chapter this small book, though humble in its attempt is expected to contribute its valuable share of history.

The author gives some short accounts of the political unrest in Manipur side by side with the contemporary freedom movement in other parts of India, The events (1) Kuki Rebellion, (2) the First Agritation of women, (3) Kabui Agitation, 4) emergence of Nikhil Manipur Praja, Organisation of Nikhil Manipuri Matasabha. The Second Agitation of Women, organisation of Manipur Praja Sanmeloni, the advance of INA troops into Manipur and participation in it by the leaders of Manipur may be recalled while going through this book. These events and organisations were the hot-beds of discontent in Manipur. During those days of discontent there were a number of problems and burning issues and these organisations were taking up some of them as their political agenda. The author has laid down in this book some of those issues which speak in clear outlines of the on-going conditions of Society and State of administration in the Manipur of the past.

Dated, Oinam
20 July 1987.

Shri M. Amutombi Singh
Ex President Manipur P.C.C.(I)

ৱারোল খরদং

লাইখুরাম ইবোবী সিংহনা ইবা "মনিপুর প্রজা সম্মেলনী অমসুং অনিসুবা নুপীলান" কৌবা লাইরিক অসিগী ছাপা তৌরবা কপি, হৌবদগী লোইবা কাওবা কুপনা পাজরে। ইং শোক ১৯২৯ দা থোকখিবা অনিশুবা নুপীলান অমসুং ১৯৪০ দা মনিপুর প্রজা সম্মেলনীনা পায়খৎখিবা চাউরবা নন-কো-ওপ-রেসন অমসুং সিভিল দিস- ওবিদিয়েন্স মুভমেন্ট অদুগী অকুপ্পা মরোম য়াওরী। নুপীলানদা সংঙ্গিন্না শোকখিবা নুপীশিংগী মিং, লৈফম, জেল তাখিবশিংগী মিং, মখোয়গী কেশ নম্বর শেক্সন অমসুং মতম কয়া শাংনা জেলদা লৈখিবগে হায়বসু য়াওরি। লুচিংখিবা কয়াগী মিং অমসুং মখোয়না তৌখিবা থবকশিং শেংনা তাক্লি। মনিপুর প্রজা সম্মেলনী করম্না শেম-খিবগে, কনা কনানা লুচিংখিবগে হায়বসু উংলি। মনিপুর প্রজা সম্মেলনীনা হৌখিবা নন-কো-ওপরেসন অমসুং সিভিল দিশ-ওবিদিয়েন্স মুভমেন্ট অদুদা জেল তাখিবা, জরিমানা তৌখিবা মখোয়গী কেশ নম্বর, সেক্সন, মতম কয়া শাংনা জেলদা লৈখি-বগে হায়বনচিংবা মরোলশিং অদু লাইরিক অসিদগী উবা ফংলি। লাইরিক অসিদা ইংশোক ১৯০৪ দা থোকখিবা অহানবা নুপী লান্দগী হৌরগা ব্রিটীশকী মতমদা থোকখিবা ক্রিদমগী অন্দো-লন লায়াই পুম্নমক উবা ফংঙি নেতাজী সুভাসচন্দ্র বোসনা I.N.A. গী সুপ্রিম কমান্দর ওইদুনা প্রোভিজনেল গভর্নমেন্ট ওফ আজাদ হিন্দ শেম্নগা জাপানগা লোয়ননা ব্রিটীশ ইন্দিয়াগী মথক্তা ভারত স্বাধীনাতাগী তৌখিবা লানগী ৱারী য়াওরী। অদুম তৌনা ইরকপা অদুনা ইংশোক ১৯৪৭ কী আগষ্ট তাং ১৫ দা ভারতনা স্বরাজ ফংবগা লোয়ননা মনিপুরনা মনিঙ তম্বা ফংখিবা, অদুফাওবগী, ৱারী য়াওরি। অইবগী ৱাখলদা ভারতকী রাজনৈতিক্কী অন্দোলন চংথরকপগা মান্নমা মনিপুরদসু

পায়খংলকপনী। ভারতা মহাত্মা গান্ধিজীগী লুচিংবগী মথাদা অহিংশাগী সত্যাগ্রহ অন্দোলন তৌরকবা মতমদা মনিপুরদসু অহিংসাগী সত্যাগ্রহ অন্দোলন ইশোক ১৯৩২ দগী হৌখি। লাইরিক অসিদা মরুওইনা মহাত্মা গান্ধীনা খা আফ্রিকাদগী ভারতা ইশোক ১৯১৭ তা লাকবা মতুংদা মহাত্মা গান্ধী অসী ভারত স্বাধীনতাগী লানজিং পুরেন ওইরগদবা মীনী হায়বসী ভারতমচাশিংনা কয়া মতমদগী মতৌ করগা খঙখিবগে অমসুং মহু খঙননবা হোংনবদা মিসেস এনিবেশান্তনা লৌখিবা থৌদাং অহু উবা ফংভি। মহুগা লোয়ননা আচার্য্য বিনোবা-ভাবেনা গান্ধীজীগী মফমদা কংথোকখিবহুগী রারী য়াওরী স্বাধীনতাগী মতাংদা ব্রিটেনগী (লেবরগী) প্রাইম মিনিস্টর এটলিনা লৌখিবা থৌদাং অমসুং মনিপুরগী মহারাজ বোধচন্দ্র সিংহনা লৌখিবা ফিবেপ শেংনা উংলি ভারতনা স্বরাজ ফংবগা লোয়ননা মনিপুরনা মনিঙ তম্বা ফংলবদা তাং ১৫-৮-৪৭ ইংগী অমুক্তা মহারাজগা লোয়ননা স্টেট সরকারনা স্টেট ফ্লেগ হাইগতুনা নুঙাইনা পালন তৌবা অমসুং মনিপুর স্টেট কংগ্রেসনা নেসনেল ফ্লেগ হায়গংতুনা পালন তৌখি হায়নসু উবা ফংলে। ঐহাক ঙশা য়াওনা তৌবকপা অন্দোলনগী রারী য়াওরুকপদা কাউফরবা কয়া নিংশিংলকই। মশামক্তা অন্দোলন কয়াদা য়াওরকপা মীশক অমনা কুপনা খিজিল্লগা লাইবিক অমা ওইনা পুথোবকপসিদা য়াম্না নুংঙাইবা পোকই। লাইরিক অসিনা, লৌনা খিজিল্লক্রিবা নতাবোলশিংগী মকমদা য়াম্না কান্নরগনি হায়না খল্লি।

শ্রীকুবাইলাংগম বেদগর্ভ শর্ম্মা
ফ্রিদম ফাইটর
শগোলবন্দ মৈনে লৈরক
চেয়ারমেন, মনিপুর পলিটিকেল সফরর্স এসোসিয়েসন

ইম্ফাল
তাং ২৫-৭-৮৭ ইং

কছরি

ঐহাক্না মতম কুইনা হোংনজরকুবা অমস্থং কুইনা নীংজর-ক্লবা মতুংদা কুমশী ইংশোক ১৯৮৭ অসিদদি “মনিপুব প্রজা সম্মেলনী অমস্থং অনিশুবা নুপীলান” কৌবা লাইরিক অসী প্রজা-শিংগী মফমদা প্রিন্টেদ ওইনা বছবা ঙমজরে। ঐহাক্না লাইরিক অসী পুথোক্লনবগী রাখল অমা লৈজরকজপসী. ঐবু পোকপা পম্থৌ. লাইখুরাম খগেন্দ্রজিং সিংহনা তাং ২৭-৯ ৭৮ ইংদা লৈখিদ্রবা তু দা পন্থে না থম্মীরম্বা লাইরিব, ফাইল. চে বয়া মথং মথং য়ে শিংজরকপা মতমদা ই শোক ১৯৮০ গী জানুযাবী থাদা মচেং তাহে রবা মনিপুর প্রজা সংঘনা তাং ১২-১২-৪৬ ইংদা নুপীলান নীংশীং পালন তৌখিবগী চে থর থেংনজবদগী লাইরিক অসী ময়ামদা লনথোকপা ঙম্নবা হোংনগে হায়না থনজখি। হায়রিবা চেজেং থর অহনা লংলোগী লংজিন ওইরগা মথ, মথং থিজিনবা হোজরবখি অনিশুবা নুপীলানগা মনিপুর প্রজা সম্মেলনা কৌবা রাজনৈতিক দল অসিগা তংংবা-থানবা য়াদ্রবা মরী অম লৈবতুদগী লাইবিক অসিগী মমিং “মনিপুর প্রজা সম্মেলনী অমস্থং অনিশুবা নুপীলান” হায়না থোনজরবনী। ইতিহাসকী মচাক থিজিনবা অমস্থং লাইরিক ফোঙবা হায়বসি শেল অমস্থং মতম য়াম্না চঙবা মরম্না, তোঙান-তোঙানবা লাই-রিক কয়ামুক ফোঙবগী থুদোং চাদবা অরাবহ থরমাংখ কোক্ল-নবগীদমক লাইরিক অসিদা ইংশোক ১৯০৪ দা থোকখিবা অহানবা নুপীলানগী রাবীদগী হৌরগা ইংশোক ১৯৪৭ কী আগস্ট তাং ১৫ কাওবা ভারতনা স্বরাজ ফংবগা লোয়ননা মনিপুরনা মনিঙ তম্বা যংজহনা নুংঙাইরবা নুমিং অদুফাওবগী ইজরী।

অহানবা নুপীলানগী রারী অসী ঐগী ঈশাবু শোকপী ঈবেলসিজ মশামক নুপীলান অহুবা শরুক য়াকপী রাজকুমারী খরোম্নানা হায়রম্নদগী লওরগা ইজবনি। নম্বোল এজিটেসনগী মতাংদা খা জিরিদা লৈবা নিংথৌজম জীবন সিংহনা হায়রম্বা মতুং ইন্না ইজবনা, থৌবাল এজিটেসনগী রারী অসিনা শমোম তোম্বী সিংহনা হায়রবা মতুং ইন্না ইজবনী। মতম অসিরাইদা ককচীং মায়কৈরোমদসু থৌবাল, নম্বোল এজিটেসনগা মান্নবা এজিটেসনগী রারী কোম্না থেংনজারে, মহুদি লাইরিক অসিদদি য়াওখিদ্রে। কুকি রিবেলিয়নগী রারী অসি মিঃ পাউখোম্হাং হাওকিপকা উনজবদগী খঙজবনী। চীংঙাখম সনাজাওবগী রারী অসিনা কাঙমোংদা লৈবা চিংঙাখম চাউবা সিংহদগী ফংজবনী। কবুই এজিটেসনগী মতাংদদি ঐ ঈশামক মিঃ জাদোনাংবু ফাসি তেবা উজখৌই। ইংশোক ১৯৩২ গী ঈশিং খাজনাগী অন্দোলনগী মতাংদা রাজকুমার ভুবোনস্নানা তাকপীবদগী খিজিনজহুনা ইজবনী। ইংশোক ১৯৩৫ গী অক্টোবর রিভোলুসনগী মতাংদদি রিভোলুসন অহুগী রিং লিদর ওইরিবা লাইখুরাম খগেন্দ্রজিৎ সিংহগী মচা ওইবনিনা ঐ ঈশামকসু মরী লৈনমবগা, শরুক য়াঙংবগা ওইগীসু মথক্তা য়াম্না রিযার ওইনা রেকোর্ডসু ফংজরে। নুপীলানগী মতাংদা অরিবম চাওবীতোন দেবী, রজনী দেবী অমসুং রাজকুমারী স্নাতোম্বী দেবীগসু রারী শাজখি। মনিপুর প্রজা সম্মেলনীগী মতাংদদি ঐ ঈশামকসু মতম অহুদা রার্কর অম ওইনা কনা য়াওজরে। ইরাবত সিংহ অমসুং খগেন্দ্রজিৎ সিংহগা লোইনজরকই। রার্করশিং অসি মমুংতানা খঙনবগী মতাংদা মনিপুর পলিটিকেল সফরর্স এসোসিয়েসনগী চেয়ারমেন ওইবীরম্না লৈখিদ্রবা ডাক্তর বসন্তকুমার মনিনা অচৌবা শরুক য়াবীরম্মী। অনিশুবা নুপীলানদা সংগিন্না শোকখিবিশিং জেলদা লৈকখিশিং অমসুং মনিপুর প্রজা সম্মেলনীগী অন্দোলনদা অরাবা তাকখবা পুম্নমক

পুন্না উননবগী থৌরাং অম তৌহনা ইংশোক ১৯৫৮ গী জুন ১৪ দা ভাগবতাশ্রমদা বসন্তকুমারগী য়ুমদা উনখি। ডাক্তর বসন্ত কুমারমনিনা ময়াম অহৃগীদমক চাকলেন অমসু লাওহনা চামিন্নখি। মহুমক ঐঙোন্দদি হান্নরিংঙাই নৈতনা বান্নরবা থবক অমা ওইখি। শগোলমাং পুখাউ মায়বগী সফররশিং থিজিনবগী মতাংদা ওইনাম ভগেশ্বর সিংহনা চাউরবা থৌদাং লৌবিখি। হাম্নরিবা থবকশিং অসি তৌবগা লোয়ননা কোর্টতসু রেকোর্দ থিদোকপগী থবক চংথরকপনা হৌজিক ফাওবা মপুং ফাবা ওমজদ্রিবনি। ঐহাকনা মনিপুরগী চিফ মিনিষ্টরদা তাং ৫-২-৮৭ ইংদা লাইরিক অসিদা ফোঙননবা রেকোর্দ থীজীনবদা কোর্ট অমদি ওফিসশিংদা চঙজরুবদা খুদোং চাননবগীদমক পার্মীসন নিজবদা চিফ মিনিষ্টরনা সেক্রেটরিয়েটতা থাবীরক্ুনা সেক্রেটরিয়েট জিঃ এঃ ডিংগী অন্দর সেক্রেটরি, আরঃ কেঃ ইরাবত সিংহনা No 3/14/69-R-& L/PT-1, Imphal the 1st June, 1987গী চে অসিনা পার্মীসন পীবীরকখি। মসিগীদমক্তা চিফ মিনিষ্টরবু থাগৎচরি। পার্মীসন অসিনা ঐঙোন্দ অচৌবা বাংবা ফংহনবিখি। মনিপুর ষ্টেট আর্কাইভতগীসু রেকোর্দ খর ফংজখি।

আই, এন, এগী শরুক খরসু পমজরি। মতাং অসিদা এম, কোইরেং সিংহ, এক্স-চিফ মিনিস্টর, পি তোমাল সিংহ, এক্স-I.N.A, শাক্তংবম ইবোহল সিংহ, EX I.N.A. অংসুং অহমদ চৌধুরী, EX I.N.A. Captain গী পাঙ্তোক লৈখি। লাইশ্রম যুগেশ্বর সিংহ, এক্স-এম, পি ফুরাইলাৎপম বেদগভ শর্মা, অরিবম কুঞ্জবিহারী শর্মা, কৈশাম কুঞ্জবিহারী সিংহ, সনসম মদনমুহোন সিংহ, লোইতাম য়াইমা সিংহ, মনিপুর প্রদেশ কংগ্রেশ কমিটিগী পার্লেমেন্ট সেক্রেটরি এন ইবোতোম্বী সিংহ. M.K P.B Singh, Tiankham. S.Gopiabari Singh, সগোলসেম ইন্দ্রমনি সিংহ L, Manaobi T.Itolcnibi

চনম ব্রজেশ্বর সিংহ, থুডুম নিংথেমজাও সিংহ এম.বিরমঙোল সিংহ ময়াম অসিগী মমল য়াম্লবা পাউতাক ফংজখি অসুমতেনা মমল য়াম্লবা পাউতাক অমসুং কো-ওপরেসন পীবিরকখিবা অমসুং ঐনা রেকোর্দ থীবীয় হায়জক্লবদা য়াবিদ্ধনা মখোয়গী সার্ভিসনা মমল য়াম্লবা রেকোর্দ যংজখ্রিবা কোর্ট অমদি ওফিসকী মীওই পুম্নমক্কী মফমদা তৌবিমল থগৎবা উৎচরি। মখোয়গী অহিংগুম্নবা কো-ওপরেশন অদুনা ঐহাক্না অসিগুম্বা লাইব্রিক অসিগী মচাক খোমজিনবা ঙমজরিবনী।

লাইব্রিক অসি কোঙদোক্লবগী হোৎনরকপদা মনিপুর সরকারগী ইদুকেসন দিপার্টমেন্টনা পব্লিকেসন গ্রান্ট পীবিরকখি। মনিপুর স্টেট কালা একাদমিনশু পাংবিরকখি। পুকচেল চাউরবা এম, এল এ শিং, ওফিসারশিং অমসুং অতৈ মীওই কয়ানা শেলগী তেংবাং পীবিদুনা লাইব্রিক ওইনা পুথোকপা ঙমজরিবনী মসিগী দমকক্তশু তেংবাংবিরক্লিবা পুম্নমকপু থাগ চরি। লাইব্রিক অসি ইজরকপা মতমদা মথাগী লাইব্রিক খরা অসি য়াদি তৌজখি।

1. Acharjya Binoba Bhabe – By:- Aribam Sibadatta Sharma
2. Mahatma Gandhi and his Tattwa – By:- S.Krisnamohon Singh
3. Anishuba Lanjao – By;- Wairokpam Mangol Singh
4. An Advnnce History of India – By:-(1)R.C.Majumdar 2) R.C.Ray Choudhry 3 Kalikinkar Datta
5. Netaji Subhas Chandra Bose – By:- Tatsuo Hayashida of Tokjo, Zapan Translated into Eng. by-Biswnath Chatterji
6. Congress Varnika—By:- Jitendra Prasada

শেলগী মতেং পাংবিরকপশিং

1. R K. Doreadro Singh, Ex-C.M.	Rs. 100
2. I Tompok Singh Ex Deputy C.M.	" 100
3 Y. Irabot Singh, Ex-Minister	" 100
4 E Biramani Singh M.L.A	" 200
5 Dr. Nimai Luwang, MLA	" 100
6. Th Udhob Singh MLA	" 100
7. L. Manaobi, Ex State Minister	" 75
8. Tomba Ngairangbamacha Ex-Deputy Speaker	" 50
9. W. Nipamacha Singh, Ex State Minister	" 50
10 L. Lala Singh MLA	" 50
11. M. Manibar Singh MLA	" 50
12. L, Tomba Singh; MLA	" 20
13 S Damudor Singh MLA	" 20
14 E Kunjakishor Singh; Finance Commissioner	" 100
15. E. Nandakumar Singh Cheif Engineer Electricity	" 500
16. Chanam Brojeshor Singh Freedom Fighter	" 110
17. Pukhrambam ongbi Tonsija Devi	" 110
18 Laishram Loken	" 100
19 W, Tomchou Singh Additional Director, Education	" 50
20 S, Sarat Singh D C Imphal	" 50
21. Kh. Dhirendro Singh Director Civil Supplies	" 50
22. B.K. Singh Director Horticulture	" 50
23. W. Damudor Singh DIG (Police)	" 50
24. T. Lamphel Singh Freedom Fighter	" 50
25 Kh Nilamani Singh	" 50

26. Kh Brajamani Singh	Rs.	50
27. L.Tharongoubi Devi	,	50
28. Kh.Dhananjoy Singh Advocate	,	50
29 L. Mani Singh, Contractor	,	50
30. M Mera	,	50
31 S Ibohal Singh Ex INA	,	50
32. P Bhorot Singh Director of Panchayet,		40
33. O Chaoba Singh Contractor	,	30
34 S.Gourahari Singh Retired Secy	,	30
35. M Manihar Singh Add. Cheif Engineer (Elect)	,	30
36 Jugeshor Singh presiding officer Revenue Tribunal	,	30
37. N.Kunjamani Singh	,	30
38. O Tomba Singh Addl Director (Industries	'	20
39. Th.Tomba Singh Deputy Secy		20
40. Kh, Somorendro Singh Joint Registrar (c s)	'	20
41, Nameirakpam Nilo Singh	,	20
42, Kh,Ibochou Singh	,	20
43, S Umananda Singh (Lecturer)	.	20
44, K,Angoumacha Singh	.	20
45, K Tomba Singh	'	20
46 K Birchand Singh	,	15

Laikhuram Ibobi Singh
Funder General Secretay
Manipur Pradesh Congress
Committee (I)

Dated,Imphal
26th July,1987

. হীরম

মনিপুর প্রজা সম্মেলনী অমসুং অনিশুবা নুপীলান

ভারত স্বাধীনতাগী ভারত শীনবা থুংনা তৌখিবা লান-ফমগী শরুক অমা ওইনা মনিপুরদা ইংশোক ১৯৪০ দা অনিশুবা নুপীলানগী সিমপেস্টী মুভমেন্ট ওইনা লৈবাক শীনবা থুংনা তৌখিবা নন-কো-ওপরেসন অমদি সিভিল দিস-ওবিদিয়েন্স মুভমেন্ট হওখিবা মনিপুর প্রজা সম্মেলনগী লানফম অহু ঐখোয়না মতম পুম্নমক্তা কাউবা লৈতনা নীংশীংদুনা লৈফম থোকই। অনিশুবা নুপীলানগী মরমদস্থ অহুমগাই ইংশোক ১৯৩৯ গী লোইরকপা মতমদা দিসেম্বর থাদা চেঙ তাগবগী-দমক্তা মতম অহুগী ব্রিটিশ অমদি রাজতন্ত্রগী বল্লবা মৈরক অহুদা মনিপুরগী নুপীশিংনা চাবা ফংজবদি শিবা তারকপ-নিনা শিবা-চঙবগী বল্লবা লানফম থেংনখিবা, মদুনা সরকারগী থৌরাংশিং থুগায়দুনা মনিপুরগী প্রজাশিংগী থবায় কনখিবদু ঐখোয়না মতম পুম্নমক্তা নীংশ'দুনা লৈফম থোকই। পুম্নমক অসি কদাইদগী লাকপগে হায়রবু মতম অহুদা মনিপুরগী প্রজাশিংগী রাজনৈতিকী মঙাল লৈরকপদগী অসিগুম্বা চাউর-চাউরবা থবকশিং অসি প্রজাশিংনা পাঙথোকপা ঙমগ্রিবনী।

ইংশোক ১৮৯১ দা ব্রিটিশকা মনিপুরগা অবনবা লান-ফম থেংনরবা তুংদা ব্রিটিশনা লম ঙমদুনা মনিপুর লৌখিবা ইকুই কুইদনা ইং শোক ১৯০৪ দা মনিপুরদা সাহেবগী বাঙলা

অম মৈন চাকখিবগীদমক্তা বাঙ্গলা মৈনা চাক খ্রবসী মশানা মৈ হৌরক্তুনা চানখিবা নত্তে, মীওই খরনা থারম্বা ওইগনি হায়না সরকারনা লৌখি। বাঙ্গলা মৈ থারম্বা মীশক ফাবা ওমখিদবদগী ইখাল প্রেরিয়াদা লৈবা মীপা পুম্নমক্কী মথক্তা কম্পেন্সেসনগীদমক কলেক্তিভ ফাইন তৈবগুম্না বাঙ্গলা অম শাহুনা শিংগদবনি হায়বা ওর্দর অমা তৌখি। হায়রিবা বাঙ্গলা অহু হেক্তিক চিফ মিনিস্তরনা লৈরিবা কম্পাউণ্ড অসিদনি।

বাঙ্গলা অহু বানা শাগা, ইনা কুপ্পা বঙ্গলানি। ওদর অহুগী মতুং ইন্না ইখালগী মীপা পুম্নমক্না বা, ই, পয়া পুহনা খুংগু-খুং ইগা নোয়মনা বাংগলা শাননবগীদমক কাখং-নরকখি। হায়রিবা লুমিং অসিগী লুমিং খরগী মমাংদা পজা শিংনা খণ্ডগনী। মতম অহুগী লুপী মীযাম্না সরকারগী ওর্দর অহু য়ানিংখিদে বাংগলা মৈ থাবম্বা, মখাল লৈবা মশিংবু ফাহুনা চণ্ডি পীবা নত্তনা ইখাল প্রেরিয়াগী মখাল লৈ-নত্তে খণ্ডদবা মীপা মখামনু বাংগলা শিংহনবা হায়বসি মতম অহুগী লুপীশিংনা য়ানিংখিদে। মতম অহুগী খাক্তা লমাবম লৈনাইদা লৈবী ইবংবম ওংবী শামুজাওবীনা লানজিং পুরেন ওইদুনা সবারগী ওর্দর অহুগী মাইয়োক্তা লুপী মীযামগী লানহো অম তৌনবা শেম শাগে। বাংগলা শানবা মীপা মীয়াম্বা পোক পুহনা লাক্লবা মতমদা লুপী মীযাম্না মীপা শংহুগী মখুংগী বান্ই-মুন্দনা বাংগলা শাগদবা মায়কদা চংপা থিংলে। মী খরদি মথম অহু যৌহুনা থবক হৌগংখ্রে। সরকারগী সিপাহিশিংনা লুপীশিংবু মায়কৈ অদোমদা লানপা য়াদনবা হায়-দুনা ইখাল তুরেল, নম্বুল অমদি নাগ তুরেলদা শারিনা থেংং পুম্নমক লুপী চংপা থিংলে। মতম অহুদা লুপীশিংনা হান্নমা থেরাং তৌহনা পুবক্লবা যনেক অমমম মকোক্তা য়েংশিল্লগা গুনাই থাংখেগী লুপীশিংনা ইম্ফাল তুরেলদা চোংথ-দুনা ইরোইহনা লানথোক্লগা বাংলা শাফমদা হাইজিনখ্রে।

নোংচুপলোমগী নুপীশিংসু ইয়োইহনা নমুল তুরেল-মাগা তুরেল লানথোক্লগা বাংগলা শাকম য়েংখ্রে। নুপীশিং অদুনা বাংগলা শাননবা তৌরমলিবা নীপাশিং অদু মফম অদুদগী মখোয়গী থুংলাইশিং অদুসু মুলগা তানথোকখ্রে। নুপীশিংগী ইরাং অদু সিপাইশিংনা থিংবা ঙমখিদে। অসুম তৌনা মতম অদুগী সরকারগী ওরদর অদু অরেম্বদা তাহনখ্রে, লালহৌ অদুবু মনিপুরগী অহানবা নুপীলান হায়না খঙৈ। হায়রিবা লানহো অসিগী মরু ওইবা লুচিংবাশিংদি :-

১) ইকংবম ওংবী শামুজাউবী দেবী, খ্বাই লমাবম লৈকাই।
২) লৈশাংথেম কাথাবী দেবী, থাংমৈবন্দ। ৩ ইকংবম নিংঙোল লৈমপোকপম ওংবী ধবলি দেবী রাংখৈ নিংথেম পুখ্রি মপাল
৪) লাইশ্রম নিংঙোল যুবতি দেবী, খ্বাই নাগ মপাল।

হায়রিবা অহানবা নুপীলানগী রারী অসি লানফম অদুদা মশামক য়াওরুবী ঐগী ঈপা লাইখুরাম খগেন্দ্রজিৎপু পোকপী রাংখৈ লৈকাইদা লৈবী রাকুমারী থম্নোসনা দেবীনা হায়রম্বনী থরোসনাগী হৌরবফমদি ঙাংনম খোংনাখোংদগীনি যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎকা য়ুম লোন্নরবপীনি।

ফোর্স লেবরগী মায়োক্তা তৌখিবা আন্দোলন

ইংশোক ১৯২০দা থৌবাল মায়কৈগী চৌবিদার ওরেংকী প্রজাশিংনা ১দি নম্বোল মায়কৈগী প্রজাশিংনসু তোঙান তোঙাননা অনিথোক্না অন্দোলন তৌখি। মখোয়গী দাবীদী ১। অরামন পীবা নঙমা শোরোক থোনবা ২। পাচ নাপেংকী শেনখায়। ৩ পোৎথাঙ শস্ত্রি ৪। শামু শগোলগী মচিঙাক লেম্না থাকপা হায়রিবশিং অসি য়ানিংদবগনি। অন্দোলন অসিদা থৌবাল মায়কৈগী লুচিংখিবশিংদি— ১। সমোম জুবা সিংহ থৌবাল ২। থোকচাউ জমাদ্দার থৌবাল ওক্রম ৩। রাইখোম অমর সিংহ থৌবাল অরাং লৈবাই ৪। রাকনথেম ক্ষেমা সিংহ

(লমজেনয়াংবা) থৌবাল লৈশাংথেম ৫ । ওক্রম তোলেম সিংহ থৌবাল ওক্রম ৬ ॥ থোকচোম অমু, সিংহ থৌবাল রাংমা তাবা ৭ । ইরোংগি পাঙন চেশাবা । হায়রিবা তরেৎ অসিনি । মখোয় ৭ অসি মুমিং ১৫নি ১৫নি জেল পীখি । মখোয়বু থ'দোক্লবা মুপীশিংসু হওর'খি ।

নম্বোল মাইকৈগী লুচিংখিবশিংদি:--

১) নিংথৌজম যৌজবা (নিংথৌবা) নম্বোলখা জিরি
২) অচোম চউবা সিংহ শগোবন্দ মোইরাং ময়ুম লৈরক,
৩) নোংমাইথেম থাবল সিংহ, (পঞ্চায়েৎ মেম্বর ওইরম্বা) নম্বোল ফোংজিং ॥

৪) লাংপোবলানপম অঙাংশোন সিং লোনপা চাং
৫) ইকুংবম গুলামজাং সিংহ নেংখ মেজর লৈকাই ।

হায়রিবা ৭ অসিসু মুমিং ১৫/১৫ নি জেল তাখি । ইংশোক ১৯১০ গী ফোস লেবরগী মাযোক্লা তৌখিবা অন্দোলন অসিদা থৌবাল মায়কৈগী রারী অসিনা শামোম জুবা সিংহগী মচানীপা তোম্বী সিংহদগী যংজবনি অদুগা নম্বোল মায়কৈগী প্রজাশিংনা মপুং ওইবা অসিগীনা নিংথৌজম নিংথৌবা সিংহনা পোবপা খা জিরিদা লৈবা নিংথৌজম জীবন সিংহদগী যংজবনি) ।

ইশোক ১৯১৭ দা খা মায়কৈদা অকাম হাওগী লান থোকখি । অশি অনা য়াম্না থোকখি মী কয়া জেল পিখি ! ইংশোক ১৯১৬ তগী ১৯১৯ ফাওবা অসিনা পৃথিবীগী অহানবা লানজাওদা চৎপা য়াওরোই হায়বনা মপুং ওইদুনা কুকি রিবেলিয়ন তৌখি । কুকি রিবেলিয়ন্দা শিবা কয়া য়াওখি । জেলদা কয়া লৈখি কুকি রিবেলিয়ন হায়বসী খুংলাই পায়হুমা খোংনা লান ওইমা থেংনরবনি ।

In connection with the Kuki War (1916 1919) the following leaders were arrested and awarded imprisionment, by the Govt. of Manipur.

They were·

1. Shri Ghingakham Sanajaobi Singh of Nambol, Kanga mong	Life imprisonment at Andaman & Nicober Is and.
2. Chengjpao Doungal	Cheif of Aisan 4yr
3. Lhukhomang Haokip (Pache)	" Chahsat 3 years
4. Tintong Haokip	" Laijang
5. Pakang Haokip	" Henglip
6. Heljason Haokip	" Laibol
7. Kilkhong (Khotinthang) Sitlhou	" Jampi
8 Enjakhup Kholhou	" Thanjol
9 Semchung Haokip	" Loikhai(Ukha
10. Mangkhonon Haokip	" Tingkai
11. Ngulkhup Haokip	" Lonpi (Mombi)
12. Leothang Haokip	, Goboh
13. Lunkholal Sitlhou	" Chongjag
14 Kamjahen Haokip	" Phajlengjang
15. Letkhothang Haokip	" Khotuh
16. Semkholun Haokip	" Phasat
17 Vumngul Kipgen	" Tujang
18. Haokhopao Kipgen	" Molvalup
19 Tongkholun Haokip	" Phailangjang
20. Jalhun, Haokip	" Molvom
21. Tukih Luphang	" Tonglhang

কুকি রিবেলিয়ন অসিবু থোক্লমবা শীনবা মীশক্কি হায়না চাজ তৌহনা মতম অদুগী ব্রিটিশ অমদি মহারাজগী সরকার অহনা মপোল কাংঙমোংদা লেবা চীংঙাখম সনাজাওবা সিংহবু জিলা খারিজ তৌখি। (আন্দমান অমদি নিকোবোরদা থাখি। মপুন্সি চুপ্পা মরয়বাক মনিপুরদা অমুক হল্লক্কুনা লৈবা য়াদবগী দণ্ডি পীখি।

চিংঙাখম সনাজাওবগী মচানীপা মধুসিংহ, অসি অরাং পোংশংবম লৈবা খুন্দ্রাকপম তোমাল সিংহগী মচানীপানি হায়দুনা খ্বায়না খুন্দ্রাকপন মধু হায়না খঙনৈ। মধু ইংশোক ১৯৬০ ফাওবা মহাক্কী অশেংবা মশক অদু লোংতুনা খুন্দ্রাকপম ওইদুনা লৈরম্লগা নেংমা ঐহাক (পোইখুরাম ইবোবী বী সিংহ) ইশামরা মাগা উনদুনা, হৌজিক্কি ভারত অমস্রুং মনিপুর স্বরাজ ফংলে লোংপা মতম নত্রে হায়বদগা মাগী অশেংবা মশক অদু ফোঙদোক্কনা শাগেদা তাক্কুনা চীংঙাখমনি হায়না দিক্লার তৌখ্রে।

কবুই এজিটেসন

ইংশোক ১৯৩১ দা মনিপুরগী নোংচুপকী চীংশাংদা মিঃ জাদোনাং অমস্রুং রানী গাইদেল্লুংনা লুচিংহ। কবুইশিংগী অচৌবা হৈরাং হওরকখি মিঃ জাদোংনাংবু ফাসি তৌদুনা হাংখি অদুগা রানী গাইদেল্লুবু চহি ৭ ফাদোক পীখি।

ভারতকী রাজনৈতিক

ঐখোয়না ভারতকী রাজনৈকী মায়োক অমুক য়েংসি। ইংশোক ১৮৮৫ গী দিসেম্বর ২৮ দা লিংখৎখিবা ভারত কংগ্রেস অদু মতম খরগী তুংদা নাংম নোংমগী হোংলকপা অদুনা ইংশোক ১৯১৬ তদি লোকমান্য তিলক্না লুচিংদুনা ভারত স্বাধীনতাগী মুভমেন্ট হওনমবা ওর্গেনাইজেসন অম ওইরক্লে।

ইংশোক ১৯১৪ দগী হৌখিবা পৃথিবীগী অহানবা লানজাও (জর্মনগী গ্রেট বার হায়নসু হায়নবা) অহুসু মোংম মোংমগী কনখৎলকখি। মহাত্মা গান্ধীনা খা-অফ্রিকাদা উকিল ওইদুনা লৈবা মতম অসিদা মহাক্না ইচম চম্বা উকিল অমা নত্তবা, খা-অফ্রিকাদা অতৌবা জাতীনা অমুবা জাতীবু (ভারত মচাশিংবু) হনথবা মিংম্নেংনা য়েংবা অদুগুম্বশিং অদু গী মাইয়োক্তসু বক খরমখৈ পায়খৎলকপদুদা খা অফ্রিকাদা লৈবা সাহেব মচা নগারোলশিংনা গান্ধীবু ফুবা-চৈবনচিংবা তৌদুনা খা আফ্রিকাদগী তানথোক্লবা হোৎনরক্লে। মতম অদুদা গান্ধীনা মখা চোনথবা তেৌদনা ইংশোক ১৯১৬ তা ভারত্তা হল্লক্লে।

গান্ধীনা বিলাত্তা লাইবিক তমদুনা লৈরিঙগী মতমদা গাইদ কজনা পীখিবা ইংলিস নুপী, জনেলিস্ট মিসেস এনিবেশান্তনা ভারত্তা লাক্লবা মতমদা মহাক্না খনখি; মহাক ইংলিশ নুপী ওইববসু ভারত স্বাধীন ফংবদ পাম্বা মাশক্তি। ভারত মচাশিংনা ইয়ুনিভর্সিটিগী দিগ্রি পায়নবগী হোৎনবদা বিলাত্তা চৎতুনা লাইরিক তম্বগী অরাবদু মহাক্না খল্লম্মী। অদুগা ইয়ুনিভর্সিটিগী দিগ্রি পায়বা ভারতমচা মাশং য়াম্লগা ভারত স্বরাজগী মায়পাকপদা খোংজেল য়াম্শীনগনী হায়বসিসু মহাকনা খল্লম্মী। হাখলশিং অসিগা লোয়নমা মিসেস এনিবেশান্তনা বারাশিদা ইয়ুনিভর্সিটি অম লিংখৎলে হায়রিবা ইয়ুনিভর্সিটি অসী কাশি হিন্দু ইয়ুনিভর্সিটি হায়দুনা ঙসি ফাওবা লৈরিবসিনী। ইংশোক ১৯১৬ তা ইয়ুনিভর্সিটিগী বিল্ডিং এক্সটেনশন তৌবা লোইশীল্লক্তুনা মদুগী ইনোগুরেসন তৌনবা শেম শাবা মতম অদুদা গান্ধীসু খা-অফ্রিকাদগী ভারত্তা হল্লক্লে হায়বসি মহাক্না তারম্মী। মিসেস এনিবেশান্তনা ইয়ুনিভর্সিটি গী গভর্নিং বোদিগী সেক্রেটরী ওইনা Governor General

Lord Chemsford, অমত ব্রিটিশকী মচেৎশিং, রাজপুতনাদা লৈবা নিংথৌ মহারানী পুম্নাক, ভারত মচা বিলাত্তা লাইরিক তম্মরবা পুম্নমক অমস্থং ইউ পি, বিহার, বেঙ্গল অমস্থং বোম্বে, অসিনচিংবা লমদা লৈবা পন্দিক লিদর পুম্নমক বার্ত্তন তৌরে। গান্ধীবুস্থ বাত্তন তৌরে ' গভর্ণর জেনরেল, বিটিশ ওফিসারশিং, নিংথৌ মহারানি পুম্নমক হরাও-তয়ামনা মাগী মাগী অরবা (খাইদগী ফজবা) ফিজোল শেন্না লাব্ররে। অমত বাত্তন ফংবা পুম্নমকস্থ তিল্লরে। সভা হৌববা কাদা এনিবেশান্তনা গান্ধীবুস্থ থা ওানবা হায়খি, মতুদা মহাত্মা গান্ধীনা ভাষন পাখি। গান্ধীনা সভা অতুদা হায়খিবদু ঐখোয়না বাটবা ওৎবোইদবা থা খরদি য়ানগ্রে। ভারতকী অমতা ওাইজরবা ইয়ুনভর্সিটি অসিগী মশাগী শঙ এক্সটেন্সন তৌবা লোয়রদুনা মতৃগী ইনৌগুরেসন তৌব হায়বস ভারত মচা পুম্নমকী নুঙাই-রবা খুমিংনি অসিগুম্বা ভাবক্ত মচা লাইরবা মীয়ামগী নুংঙাইরবা নুমিং অসিদা গভর্ণব জেনরেল, ব্রিটিশ ওফিসারশিং, নিংথৌ মহা-রানি মযামনা শে লবা ফিজেংশিং অসিনা যংশন অসিগী হব ওনা লানচরিবা ভারত মচা লাইরবা প্রজাশি বুদি মীমান্নবা ওমদবগী অচৌবা ভকাই। পীববা ওইহল্লে হায়বগী লাইন্দা শানা ওাংগ্রে গভর্ণর জেনরেলনা খাম্না মতমদা ডাঃ রাজেন্দ্র প্রশাদ, সরদার পেটেল, আচার্য্য, বিনো নিচিংবা, বয়ানা ওাংখো-ওাংখো হায়দুনা লাউরকপদগী তানজা যংলে হায়দুনা গান্ধীনা নোং খাদপগুম্না লাওখরক্লে গভনর জেনরেল, ব্রিটিশ ওফিসারশিং, নিংথৌ-মহারানী পুম্নমক হৌগৎতুনা চংনখ্রে, সভা অদু ভারতবাসীশিংগী শেংলব সভা ওইহৌরে।

সভাদা তিল্লিবা মীয়াম্না গান্ধীবু ভারত স্বাধীনতাগী লানজীং পুরেন ওইবনা মতিক চারবা মীশক্তি হায়না। লৌনখি। নুমিং অতৃদগী আচায্য বিনোবা-ভাবেনা গান্ধীজীগী মকমদা কৎথোকখি। মতম খজিক্কুংগী মপুংদা গান্ধী, ভারতবাসীশিংগী লুচিংবা ওইরে।

ভারতকী গভর্নর জেনরেল Lord Chemesford না গান্ধীবু কৌরুনা হৌজিক তৌরিবা Great war অসিদা ভারতমচাশিংনা ব্রিটিশকী মতেং পাংবীরবদি লান ঙম্লগা ভারত স্বরাজ পীবা হায়রসি ব্রিটিশ গভর্নমেন্টনা য়ারক্লে। মসিগীদমক থৌরাং তৌবিরো হায়খি। গান্ধীনা লোকমান্য তিলক. মো.তলান নেহরুনচিংবা লুচিংবশিং গা রাযম অচু তানরগা মযাম্না য়ানররুনা ভরতবাসিশিংনা অহানবা পৃথিবীগী লানজাও অচুদা বৃটিশকী মতেং পাংখি ইংশোক ১৯১৯ লে ইঙ্গিঙেদা লান লৈইরে বৃটিশনা ঙমগে অচুবু স্বরাজদি পীবা তারি। স্বরাজগী মহুৎ বৃটেনগী পা লয়ামেন্টনা সাসনগী অহোংবা খরদি পুরক্কবা, শাসনগী থবক্তা প্রজাগী মীহুৎ যাওহনবা খন্নবক্লে মতুংগী মতুং ইন্না গভর্নর জেনরেলনা বিরোমে তৌরদুনা Justice Rowlatt না শেম্না Act অমা ১৯১৯ দা পাস তৌবে এক্ট সিবু Rowlatt Act 1919 হায়না খঙ ন। মতুংদা গান্ধীনা য়াম্না মুত্তাইতবা ফোঙদোক-খি লোক মান্য তিলকনা প্রপোজেন্টদি বৃটিশ গভর্নমেন্টনা হায় নখিবত্তু ঙাকপ্রবনিনা বৃটিশনা তৌবা কবিগুম্না থবক অমদা নো-ওপরেসন পিদবা, সিভিল দিস-ওবিডিয়েন্স মুভমেন্ট হওবা তানজা ওইরে হায়খি। অদুবু ১৯২০ হোগষ্টকপদা তিলক লৈখিরে তিলক লৈখিদ্রবা মতুং চুদদি ভারত স্বাধীনতাগী অন্দোলনগী প্রোগ্রাম পুম্নমক গান্ধীনা শেমখ্রে

মহাত্মা গান্ধিদি লোকমান্য তিলকনা খেন্নবা মীশক্তি খরদং তো া হায়বদু গান্ধিডিদী লাই য়াম্না নীংঙি ধর্মদা পুক্নিং চংঙি, শত্যম হ য়বসী ঈশ্বরনা যাগনি ঈশ্বরনা মীওইবা পুম্ন-মকপু চপ মান্নন্না শেম্মী মবম অসিনা মীওইবগী মরক্তা খেন্নবা লৈতনবা হোংনবা হায়বসি ঈশ্বরনা য়ারবা শত্যম হায়বরুনি মসিগীদমক তেংবা যাবা থবক পায়খৎপদা শত্যাগ্রহ তৌবদা ঈশ্বরগী থৌজাল ফংগনি মীওইবা পুম্নমক্তা য়াফম থোকই। মীনা মীগী মীনাই ওইব, জাতি অমনা অমগী মখা পোমবা

ঈশ্বরনা পামলোই শেংপদা চাবদা, হিরম খুদিংদা মীওইবা পয়মক থাক মায়না লৈগদবনি মসিমক ঈশ্বরনা পামগনি। মথক্কী হিরমশিং অসি য়েংশিল্লগপদা বৃটিশনা ভারতপু লোই-লম ওইনা থমলিবসি ঈশ্বরনসু য়ারোই ভারতকী শমুদ্রদা থোকলিবা থুম চাহন্নগা বিলাতকী পুরকপা থুম, ভারত মচা শিংদা পিজগা, ভাবত্তা শেংনবা-ই-বা ফি পুথোক্কবা, বিলাত্তা শাবা ফিবু ভাবত্তা পুরক্কগা শীজিন্নহনবা, চানবা পোংথোক মতিকচানা থোক্কবা হীরমশিং অসি চিংথবা লৈতনা পায়খৎপগা লোয়ননা স্বাধীনতাগী আন্দোলনসু অহিংশাগী পাম্বৈনা তৌগদ-নি। মীওইবনা মীওইবগী মথক্তা হিংশা তৌবসি পামদে, ঈশ্বরনসু য়ারোই হায়বসনা গান্ধীগী ৱাখল।

মহাত্মা গান্ধীনা বর্ধাগী সেবাগ্রামদা আশ্রম অম লিংখৎলে॥ আশ্রম অহদা খুদং অম লরম্না শেমগংকদগে হায়বহুগী মোদেল উংলি। গুজরাৎকী অহমদাবাদতা সবমতি তুরেনগী মপান্দা আশ্রম অম লিংখৎলে। মহুদা ভারতকী মমুংদা খায়দগী হুংনা লৈরবা, মীনা কয়া তিনবি বা হরিজনশিং খোমজিল্লগা মখোয়গা চামিন-থনমিন্নহুনা লং নাইহুনা লৈরে। সবমতি তুরেনগী মপান্দা লৈবা আশ্রমনি হায়হুনা সবমতি আশ্রম হায়না খঙনরিবসিনী। বাপাগী আশ্রমদসু লং নাইবগী থবক বন্না পায়খৎলে, ভারতবাসী পুম্নমকপু লং নাইরসী, ঈবয়বাক্তা থোকপা ফি শেংলসী, শেংনবা লেতনা, চানবা লৈতনা স্বরাজ ফংবগী কান্নবা লৈরোই, স্বরাজ অহু মরা চেংশোই হায়বসিনী গান্ধীজীগী প্রোগ্রাম। ব্রিটিশনা ভারত লৌবা মতমদা ভারতকী কেপিটেল অসি কলকটাদা ওইরম্মী। Lord Hardinge the 2nd না Viceroy ওইবা মতমদা ইংশোক ১৯১১ দা কলকটাদা লৈরম্না কেপিটেল অহু দিল্লীদা হোংখি।

মহুদা মুংঙাইতবা মীওই খরদি বেঙ্গলদা লৈরমগনি হায়বদা চিংনবা লৈতে। বিহার উরিশাগীসু অহুম ঙাই ভারত কং-

গ্রেসকী ইংশোক ১৯২৮ গী সেসন অসী কলকটাদা ফম্লনবা লেপখ্রে। মতম অদুদা মোতিলাল নেহরুনা ভারত কংগ্রেসকী প্রসিদেণ্ট ওইরি। কংগ্রেসকী কলকত্তা সেসন মপুং ফানা পাঙথোকখ্রে। কলকত্তা সেসনগী মতুংদগীদি ভারতকী স্বাধীনতাগী অন্দোলন অসি কনখৎলক্লম্মি। ইংশোক ১৯৩০ গী মার্চ্চ্ কী তাং ২ দা মহাত্মা গান্ধীনা গভনর জেনরেলদা থাবা চিঠি অমদা অস্মু হায়খ্রে ভারতকী সমুদ্রদা থোক্লিবা থুম অসী সরকারনা থিংজিন্দুনা থমলিবা অসী যাদ্রিংদ্রে থুমশিং অসী লৈদুনা শীজন্নবা পামলে মরম অসিনা, মখা ওইনা দাণ্ডিগী থুম অসী চুমিং ৯নিদা মখুদা সরকারনা লৌখৎলুনা শাজিনবগী এরেঞ্জ তৌরবদি মসিগী মতুংদা অথিবা আইন থুগায়দুনা অন্দোলন তৌরগনি হায়না হায়খ্রে মার্চকী তাং ১২দা মহাত্মা গান্ধীনা সবরমতি আশ্রমদা নাতা,৭গী পুং মা ৭৮ গা লোয়ননা প্রাণনা সভা অম ফন্ধগা ওইবাংদা হমদাবা তগী মাইল ২০০ লোম লাপ্পা অহম যবানী খা থগা শকতা নৈবা দাণ্ডি তায়া খোঙনা চংননবগিদমক খোঙ-শান হৌখ্রে। নুমিং ২৪ নি চুপ্পা চংলবা তুংদা তাং ৫। ৪। ৩০ ইংদা দাণ্ডিদা থুখ্রে। মথংগী নুমিং তাং ৬। ৪। ৩০ ইং গী থুম থোকফমদা চঙদুনা থুম পেকপা হৌখ্রে।

মহাত্মা গান্ধীনা দাণ্ডিদা কেম্প অমদা লৈরিঙৈদা তাং ৪। ৫। ৩০ ইংগী অহিংদা সুবাংকী চিস্টিস মাজিষ্ট্রেটনা মহাত্মা গান্ধী ফাখ্রে অমসুং সেন্ট্রেল জেলদা থমখ্রে। মহাত্মা গান্ধী ফাদুনা জেলদা থমখ্রে হায়বা তাবদা স্বরোজিনী নাইডুনা ভলন্টিয়ার ২,৫০০ গী লুচিংদুনা লাম্নগা দাণ্ডিদা থুম পেকপা হৌখে। কাংবু অসিগী মখক্তা সিপাহিশিংনা অও পামওংদা ফুবা চৈবা তৌরব মতুংদা মশাম অদু ফাদুনা জেলদা থমখ্রে অমসুম তৌনা মথং মথং চঙশীন্নরপা অদুনা ইংশোক ১৯৩০ গী মনুংদা দাণ্ডিগী থুম পেকপগী অন্দোলন অসিগা মরী লৈননা

মী লাক্ক অম্ হেন্না ফাহুনা জেলদা থমখ্রে। ভারত স্বাধীনতাগী চঙশীল্লক্লিবা লানওং অসিদা ব্রিটিশ সরকারনা তুমিন্না লৈথোকপা য়ারকত্রে। ইংশোক ১৯৩০ গী দিসেম্বর থাদা বিলাত্তা অহানবা রাউণ্ড টেবল কনফরেন্স কৌরে, মতুদা ভারত কংগ্রেসনা য়াওদবতুনা কনফরেন্সকী কাননবা থোইনা লৈখিত্রে। ইংশোক ১৯৩১ গী জানুয়ারী-তাং ১৯ দা অনিশুবা রাউণ্ড টেবল কনফরেন্স অমুক কৌরক্লে। "মতম অতুদদি" মহাত্মা জেলদগী থাদোক্লে। কনফরেন্স অতুদা মহাত্মা গান্ধী না কংগ্রেসকী রিপ্রেজেন্টেটিভ ওইনা য়াওরে ব্রিটিশ গভর্নমেন্টনা খল্লিবদি ইংশোক ১৯১৯ গী Rowlatt Act. অতু রিভিয়ু তোতুনা প্রজাদা সাসনগী শক্তি খরগা হেন্না পীননবগী রাখলান অতুগা মহাত্মা গান্ধীনা পাল্লিবদি পুর্ন স্বরাজনি।

অসুম তৌনা চাউনা খেন্নবা লৈরবসু ব্রিটিশ গভর্নমেন্টনা ভারতকী প্রোভিন্স মখৈ অতোনোমি পীবদি পামখ্রে। মহাত্মা গান্ধীনা পায়খৎখবা দান্দিদা থুম পেকপগী আইন-অমান্য অন্দোলন তৌশিবা অসা ভারত স্বাধীনতাগী লানফমদা অচৌবা তাংকক অমনী মহাত্মা গান্ধীনা লুচিংতুনা প্রজাশিংনা পোৎথাবা লৈতনা অন্দোলন চঙশিন্নকপা অসিগী ফল ওইনা ব্রিটিশ গভর্নমেন্টনা গভর্নমেন্ট ওফ ইণ্ডিয়া এক্ট ওফ ১৯৩৫ হায়বা অমা ইংশোক ১৯৩৫ দা পাস তৌরে। হায়রিবা এক্ট অসিগী মতুং ইন্না ভারত্তা, গভর্নরনা সাসন তৌবা লম মখেদা প্রো ভিন্সিয়েল ওটোনোমি পীতুনা প্রজাগী ভোৎনা খল্লবা মন্ত্রি মণ্ডল লৈহনগদৌরে। চফ কমিশনারনা সাসন তৌবা অমসুং নিংথৌপানবা লম মখৈগীসু হান্নদগী অহোংবা খরদি লৈহল্লে। ইংশোক ১৯৩৫ গী এক্ট অসিগী মতুং ইন্না ইংশোক ১৯৩৭ তগীদি ভারতকী প্রদেশ মখৈদা প্রজাগী ভোৎনা

খল্লবা মন্ত্রি মণ্ডল লৈখ্রে। ইংশোক ১৯৩৯ গী মমৈয়াইদদি মুসলিম লিগনা কংগ্রেসকা যেৎনবা লাবপদগী কংগ্রেসকী মন্ত্রিশিং তোক্লবকুম্না পুর্ন স্বরাজগী মায়কৈ তা কয়া চঙশীল্লক্লে।

মনিপুরগী রাজনৈতিক অমসুং অহিংশাগী অন্দোলন

ইংশোক ১৯৩১ দা মতুংদদি ব্রিটিশকী মতমদা মনিপুরদা হিংসাগী অন্দোলন তৌখিদে, ওর্গেনাইজদ বোদি শেমলগা অহিংশাগী পাম্বৈ শীজিন্নহুনা অন্দোলন তৌবরে যদা চৎথরক্লে। ভারতকী কেপিতেল দিল্লীদগী অ াং নোংপোক মায়কৈদা বর্ম্মাগা তাইনবা ঙম খদা চীংনা ইকোই কোইশিন্দুনা লেবা পিক্লবা নিংথৌপানবা মনিপুরদা মতৌ করম্না মহাত্মা গান্ধীগী সত্যাগ্রহ অমসুং অহিংশাগী অন্দোলনগী মওং অহু য়েৎবকখিবা হায়বসী মনিপুরী প্রজাশিংনা খঙনিঙবত নত্তনা ভারতকী প্রজা পুন্নমক্লা খঙনিঙবা লাখয়ী। লাং খ লৈকাইদা লৈবা লাইশ্রবাম খগেন্দ্রজিৎ সিংহনা ভারতকী তার্থ কোয়নবগীদমক ইংশোক ১৯২৩ দগী চ খিরম্বী মহাক্লা বাছাব. নবদ্বীপ য়ৌবম্লগা ত্রিপুরাদা চংখি। মতম অহুদা মনিপুরগী মহারাজ দেবেন্দ্র সিংহগী মচা ইবেম্মা. ত্রিপুরাগী মহারানী শ্রীমতি রত্নমঞ্জরী দেবী অসী যান্না সেবিযস ওইনা নাহুনা লৈবম্বদগী খগেন্দ্রজিৎ সিংহনা লাযেংহুনা ফবে। অহল ওইরবা, পুথ্রা ওইরবী, মনিপুরী নিংঙোল শ্রমতি রত্নমঞ্জুরী দেবী মহারানীনা খগেন্দ্রজিৎ সিংহবু মহাকী পানজিদা হৈশিংবা ডরগা জ্যোতিষ রত্নাকর হায়বা মিংথোল পীবীরে। মচামক্লুম্না লুনা তৌবীরে তলব চাওনা পীহুনা মহারানীগী প্রাইভেৎ সেক্রেটরী ওইবম্বু হাপ্লে।

মহারানা শ্রীমতি রত্নমনজুরীগী লেমহৌরিবা পুন্সিগী শরুক অসী তীর্থদা কোয়না চৎতুনা দান কয়া তৌহুনা ধর্ম্মগী লম্বীদা তানশিনবা অম ওইনা চৎথরগে হায়না লেপখ্রে। ইংশোক

১৯২৬ তা মহারানীনা খগেন্দ্রজিৎ সিংহগা তীর্থ কোয়না চৎলুরে। ইংশোক ১৯২৮ দা অনিরক শুবা ওইনা তীর্থ চৎপদা কলকটাদা, (ত্রিপুরাগী কোন্নুংগী মশাগী প্লোট বিলদিং অহুদা) থা ৭ চুপ্পা লৈরম্মী। মতম অহুদা ভারত কংগ্রেসকী সেসনস্কু কলকটাদা ফপ্পনবা শেম শারম্মী। রিসেপসন কমিটিগী মেম্বরশিংনা খগেন্দ্রজিৎকা তানরগা মহারানীনা সেসনগীদমক দান নিবদ মহারানীনা দান চাউনা তৌরম্মী। সেসনগী মতমদা মহাত্মা গান্ধী লাকপা মতমদা খগেন্দ্রজিৎনা উননবা তানজা পীহুনা উনহনখি। খগেন্দ্রজিৎ সিংহ, সেসন অহুদা ভিজিটর ওইনা য়াওখি। সেসন অহুগীদমক গান্ধীজীনা লাকপা মতমদা বেঙ্গলগী প্রজাশিংনা গেলিগেংশিংগা লোয়মনা শাংলবা প্রোসেসন অম চংখিবহুদা লাউখিবা শ্লোগান, পুরমক অহুগী মথক্তা সেসন অহুদা গান্ধীজীনা পীখিবা ভাষন অহু তারগা খগেন্দ্রজিৎকী রাখলদা রাজনৈতিকী মক হুনখি। সেসন লোইরবা মতুংদস্কু ভারতকী তোংঙান তোঙানবা অথাপ্পদগী লাকলিবা দেলিগেৎ কয়াগুক্কী অরাং-অপা কয়াম অস্কু মহারানীনা শেনগী মতেং পাংখি। মতুংদা মহারানীনা কলকটা থাদোকতুনা কাশি, প্রয়াগ, বৃন্দাবন হরিদ্বার, দ্বারিকা অসিনচিংবা তীর্থ কোয়না চৎলকপা মতমদস্কু স্টেট স্টেট অহুদা চৎলকপা মতমদস্কু লম লম অহুগী ধর্ম্ম নৈতিক রাজনৈতিক, অর্থ নৈতিকী মায়কৈদা খগেন্দ্রজিৎ সিংহনা কুপ্পা য়েংশিল্লম্মী। লম-লম খুদিংদা প্রজাগী খুদোং চাদবা অরাবা কয়াদা মহারানীনা দাম তৌরম্মী। মহারানীগী খোংচৎ অহুদা মরু ওইনা লোকেল ডিভলপমেন্ট অমদি লায়রবা ছাত্রশিংগী মতেং পাংননবগী ফণ্ডদদি মশক নাইনা তৌরম্মী। মহারানীগী খোংচৎ অহুদা মনিপুরদা চহী ১ রোম চুপ্পা লৈরম্লগ। ইংশোক ১৯৩০ গী মার্চ্চ থাদা ত্রিপুরাদা হনখিরম্মী। ইংশোক ৯৩১

জুন থাদা মহারানী শ্রীমতি রত্নমঞ্জুরী দেবী ত্রিপুরাগী কোমুং দা লৈখিদ্রে। মহারানী লৈখিক্লবা মতুংদা খগেন্দ্রজিৎ সিংহ, ত্রিপুরাদা শাংথনা লৈখিদে, মনিপুরদা হল্লদে। মহাকনা মনিপুরদা লাক্লবা মতমদা মনিপুরগী ধর্ম্মনৈতিক অমদি অর্থনৈতিকী কুপ্না য়েংশীন্নম্মী অহুগা রাজনৈতিকী রাখল চেংনা খল্লম্মী। মনিপুর অসি দি নিংথৌপানবা লৈবাক অম ওইবনিনা ভারতকী অতৈ মফমশিংদা তৈবগুম্ন রাজনৈতিক দল শিংবসু য়ারোইদৌরি! মতম অসিদা মহাত্মা গান্ধীজীগী আদর্শ মতুং ইন্না মনবদা পান্নবা মনিপুরগী প্রজাশিংগী মরক্তা গৌর সম্প্রদাই মহাসভা কৌবা ধর্ম্মগী অচৌবা সভা অম শেম্লগা মহুগী মরক্তা রাজনৈতিক নৈনবা হৌরক্লম্মী। পৃথিবী ফাওরবা গান্ধীজীগা উনরবা, গান্ধীগী ভাষন তাররুবা ভারত শাংবা থুংনা কোয়না চংতুনা ভারত কংগ্রেসকী লচিংবা কয়াগা উনরক্লবা খগেন্দ্রসিংহগী রাজনৈতিকী রারী তাবদা মনিপুরগী প্রজাশিংগী রাখল হোংলক্লম্মী। মতম অদুদা পোইন্থুগী মতমদা লরাইদা লুপা ১,০০ গী ফৌ সংবাই ৪ অদুগা ইফালদনা ৩ ফংলম্মী। হৌজিক শেলদা হায়বগা ০৩০ নয়া পৈশা গুম্বনী ইম্ফালদা ফৌ সংবাই অমদা পীরীবদু মী মনা লৈপাক তওদুনা থবক শুবদা ০৬ পৈশাগুম্না ফংনরমী। মদুগী থবক্সু য়াম্না লৈবসু নত্তে। মবম অদুন' মনিপুরগী রাংমদা শেন্দান লম্বা থীবা কোয়না চংনবম্মী। মতম অদুদা ইম্ফালগী শোরোক তা খিনবা গোটি (পব্লিক হাইড্রেন্ট) ১গী অকোয়বদা লৈবা প্রজাশিংগী য়ুম খুদিংদগী চহীগী খাজনা লুপা ২॥০ লৌরম্মী। লুপা ২॥০ অমুক্তদা পুন্না পুথোক্তুনা খাজনা থীবা হায়বসি মতম অদুগী ইম্ফালগী প্রজাশিংগী মফমদা অচৌবা অবাবা অম ওইরম্মী। হায়রিবা মতম অসী মহাত্মা গান্ধীনা গুজারাংকী দান্দিগী থুম থোকফমগী সত্যাগ্রহ অন্দোলন তৌরিবদা ডাইরিবা

মতুগী মনিপ, পৃথিবী শীনবা থুংনা তাগ্রবা অহু লোইবা কুই-দ্রিবা মতমনি মতম অসিদা ঈশিং থাজনা কোক্লনবগী সত্যাগ্রহ অন্দোলন অম শাগংলগে হায়না খগেন্দ্রজিৎ সিংহনা খনখি। আসাম মনিপুর বানিজ্য সমিটি হায়বা অমসু শেমখি অমসুং ভারতকী,মফম পুম্নমক্তা নীপা শিংনা কৈথেল কারগা মনিপুরদনা মুপী ঙাক্তনা কৈথেল কাবা নীপাদি কৈথেল কাদবা, মুপীশিং-না ফিশা লোনশা তৌহুনা শেনমু তমবা; কৈথেল কাহুনা পোং য়োনবগী থবকসু তৌবা, নীপাশিংনা মনিপুরদা থবক শুনিংঙাই লৈত্রে হায়হুনা মীরয়বাক্তা কোয়না চংতুনা থবক শুফম থিবা পুম্নমক খল্লগা নীপাশিংনা কাননবা কৈথেল অম শেম্না চুম্মি হায়বা প্রচার তৌবগা লোয়ননা মরক অহুদা রাজনৈতিকা থবক কন্না পায়খৎলম্মী।

" নিখিল মনিপুর প্রজা "

মসুগী অচোবা সভা, গৌর সম্প্রদাই মহাসভা অসিগী মমিংদা খোমজিল্লকপা প্রজাশিং, আসা মনিপুর বানিজ্য সমিটি হায়বা মনিপুরগী মতুংগা মপানগী মনিপুরীশিংগা ললোন-ইতিক কী থবক তৌরকপা অমসুং শগোলবন্দ নাপা কৈথেল হায়হুনা নীপা ঙাক্তনা য়েঙ্গাং মনা-মশিং খোংক্রম-মাইরেন ফাওবা য়োমবা কৈথেল অমগা শেমগংলকপা, হায়রিবশিং অসিদগী খোমগং-লকপা খুরাই, ব্রাংখৈ, খ্বাই, য়াইস্কুল হায়হুনা লৈরিবা ইম্ফাল গী পানা ৪ অসিগী প্রজা মায়ামগী সহি খোয়গা খগেন্দ্রজিৎ সিংহনা ইথাল এরিয়াগী শেম্মোক লৈতবা প্রজাশিংগী মফমদগী চহিগী ওইনা ঈশিংগী থাজনা লুপা ২॥. য়ুমথোং খুদিংনা থীরি-বসী প্রজাশিংনা লায়রবনা থীবা ঙমত্রে। মরম অসিনা ঈশিং থাজনা কোকপিরো হায়না মহারাজ চূড়াচান্দ সিংহদা ইংশোক ১৯৩০ গী এপ্রিল থাদা দরখাস্ত অম থাখি। হায়রিবা মতম

অসিদা মনিপুর সরকারগী হাটর সপ্লাইগী তোংডামবা দিপার্টমেন্ট লৈরমদে, ফোরেস্ট দিপার্টমেন্টনা হাটর সপ্লাইগী থবকসু পুরম্মী। ইংশোক ১৯৩২ গী মেগী তাং ৯ দা থোকপা মনিপুর সরকারগী নোটিশ অমনা ঈশিং খাজনা চহীগী লুপা ॥• থীরিবসি লুপা ২/- দা হন্থরে হায়খি। নোটিশ অদু মনিপুর ষ্টেট সরকারগী ফোরেষ্ট মেম্বরনা থোকপনি। নোটিশ থোকপগা প্রজাশিংনা লুপা ২/- থীবসু ঙমজরোই অদুনা পুমকোক পোকপিয়ু হায় । অমুক হন্না প্রজা মায়াম্না দরখাস্থ থারে। মতম অদুদা মহারাজনা হৌজিক খাজনা হন্থবা নঙবা পুমকোক কোকপা য়াবোই হায়রকপদগী প্রজাশিংনা অমুক, ঈশিং খাজনা অসি রেং হন্থবা নংনা পুমকোক পোকপদি য়াখিরোইদবা ফাওমদা লৈরবদি (শিকি অথমদা) (সৌশিকী হায়রগা •৭৫.) গী রেংতা হন্থবিয়ু হায়না প্রজা মায়াম্না দরখাস্ত অমুক থারে। ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা তাং ১৮ ১০-৩২ ইংদা থোকপা নোটিশ অমনা সুমিং শুমনিগী মথংদা খাজনা থাদোকপ্রবদি ফাদুনা জেলদা পীরগনি হায়খি। মদুগা লোয়ননা খাজনা থীদবা মীশিংবু ফাদুনা জেল পীবা হৌরক্লে।

তানজা অসিদা প্রজাশিংনা সরকারগা থেংনবা তারবদি প্রজাশিংবু চোইনা থোমদুনা লৈবনদি থেংনবা ঙম্মরোই হায়বগী রাখলদা খগেন্দ্রজিৎ সিংহনা লুচিংদুনা সেরাম কালাসিংহ, মথুরাবাসিময়ুম তোনজাও শর্ম্মা, রাজকুমার ভুবোনসনা অমসুং চোংথাম মেরামচা সিংহ অসিন চংবনা "নিখিল মনিপুর প্রজা" হায়না কোবা রাজনৈতিক দল অম অরোনবা মওংদা শেমগ্রে প্রজাশিংগী সহি খর খোমলগা তাং ৭ ১০-৩২ ইংদা পলিটিকেল এজেন্ট সাহেবতা দরখাস্ট অম আপিলগী মওংদা থাখি। মদুগী মরোলদি মহারাজদা থাখিবা অকোনবা খাজনাগী রেং •৭৫ দা হন্থবিয়ু হায়বদুগী মরোল খওজিনৈদা মী ফাবা তোহনবি-

গনু হায়রবা দরখাস্টনি। মতু থোইনা কান্নবা যংখিদ্রে। তাঞ্জা অতুদা নিখিল মনিপুর প্রজাগী লুচিংবশিংনা অন্দোলন তৌনবগী শেম-শাখ্রে। তাং ৭-১১-৩২ ইংদা সেরাম বালাশিং অমসুং মথুরাবাসিময়ুম তোমজাউ শর্মা, অনিনা লুচিংদুনা প্রজা মীয়ামগী সভাবাঙ্গা অম চংখ্রে। মতুদা লাওরিবদি ঈশিং খাজনা তোনবগা মী ফাদুনা জেলদা পীবা য়ানিংদে ঈশিং খাজনা পোকদবনা হায়না শ্লোগান লাওখি। সেরাম বালাসিংহ অমসুং মথুরাবাসিময়ুম তোমজাউ শর্মা ফাদুনা জেল পাখ্রে। তাং ৮-১১-৩ ইংদা রাজকুমার ভুবোনসনা, রাজকুমার লাং-সাহেব, রাজকুমার তোম্বাবসনা, অহুমনা লুচিংদুনা মী ৩০০ লোমগী সভাবাত্রা অম চংখ্রে। ঈশিং খাজনাগীদমক ফাখিবা মী পুম্নমক থাদোকদবনী, ঈশিং খাজনা পোকদবনা হায়না লাউখি। রাজকুমার ভুবোনসনা, রাজকুমার লাং সাহেব, রজাকুমার তোম্বাবসনা, লুচিংবা অহুম অসি ফাদুনা জেল পীখে। মহারাজ চুরাচান্দ সিংহনা মনিপুরগী প্রজাশিংগী রোং অসি বুপ্পা খংগা তাং ১১ ১১-৩২ ইংদা অন্দোলনগী লুচিংবশিং পুম্নমক জেলদগী থাদোকে। খাজনা হন্থনবগনি, অন্দোলন তৌরগনু অমসুং চহী অহুমগী মতুংদা খাজনা পুমবোক কোকমনবা থনগনি হায়রকখি। মহারাজগী ওর্দর মতুং ইন্না মনিপুর স্টেট দরবারগী পোরেং মেম্বরনা তাং ১০-১১-৩১ ইংদা খাজনা হন্থবগী নোটিশ অম থোকলে। সুপ্রাধীনচিংবী, শায়র অমং থুদোংচাদবা কয়াগী খাজনা কোকখ্রে। অদুগা ময়ামগী ওইনা জরিমানা পুম্নমকসু কোকখ্রে।

মহারাজগী ওর্দর মতুং ইন্না মনিপুর স্টেট দরবারনা থোকখিবা নোটিশ মখাদা উংচরি।

True Copy:-

মনিপুর স্টেট দরবারগী নোটিশ

নোটিশ

মহামহিম শ্রীল শ্রীযুক্ত মনিপুরেশ্বর মহারাজ সি, বি, ই,গী
সনা যাথং ১৯৩১ ইংগী ওদর নং ৩১ পিগী
মতুং ইন্না মনিপুরগী প্রজা পুম্নমক্না খঙহল্লি

প্রজাগী এনংগা অনস্তাসি থনবাহুন্না শ্রীযুংনা ঈশিং খাজনা যুমথোংদা ...পা ১।। ঙনদা হন্দক্নবীরে। বাকিস্ত জারিমানা য়াওদনা হন্নবা নেং (চাং) অসিদা থাগদবনি হায়না যাথং তাবপারে। চংশিনবা ঈশীং অসিগী খাজনা ইংশোক ১৯৩০গী জানুয়ারী তাং ৩০ নংদা নতুগী মমাং। অদুগা মথক্কী বাকিনা ইংশোক ১৯৩০ গী মার্চ ১০গী নংগা মমংদা শোয়দনমক থাগদবনি হায়না সনা যাথং শংহনবারে। শরৎ সনা য়াথংগী অপনবা মতিক টেকনবী গেনেন্তা যাওনরনি।

ইম্ফাল
তাং ৩০ । ১১ । ০৯৭২

যোগেন্দ্র মেম্বর
এস, এস, সিংহ

নিখিল মনিপুর প্রজাগী লুচিংবশিংনা ঈশিং খাজনা পুমংকোক কোবএবস্তু অন্দোলন অহু অচৌবা মায়পাকপা অমনি হায়না লৌমশি। প্রজাশিংগী মফমদস্তু অহিংসাগী সত্যাগ্রহ অন্দোলনগী মচাল অম পীবা ঙমখি। অন্দোলন অসীমক ১৯৩০ গী মহাত্মা গান্ধীগী দাণ্ডি মার্চকী মওংগা চানবা য়েংহনা তৌবা অন্দোলননি। ইংশোক ১৯৩৪ হৌগংসকপদা নিখিল মনিপুর প্রজাগী বাকিং কমিটি নৌনা শেমদোকখ্রে। খুরাই, ৱাংখৈ, খ্বায়, যাইস্কুল, হাযরিবা পানা ৪ অসী ওগেনাইজেসনগী

কনষ্টটুয়েন্সী অমমম ওইনা লৌরগা রাংখৈদগী লাইখুরাম খগেন্দ্রজিৎ সিংহ' খুরাইদগী ক্ষেত্রিমযুম তোম্বা সিংহ, খুরাইদগী চোংথাম মেরামচা সিংহ অমসুং য়াইস্কুলদগী হিজম হরাইমতোম সিংহ মরি অসিবু খল্লগা লাইখুরাম খগেন্দ্রজিংপু সভাপতি খল্লে অদুগা মপান্দগী শ্রীবায়েনবম সিংথৌজাউ সিংহবু জেনরেজ সেক্রেটরী অমসুং পুংসুম্বম সিংথৌজাউ সিংহ (রাংখৈ) বু এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী খল্লে।

ওক্টোবর রিভোল্যুসন, ১৯৩৫

নিখিল মনিপুর প্রজাগী লুচিংবশিংনা ইংশোক ১৯৩৫ দা মনিপুর অপুন্বগী ওইবা অচৌবা রিভোলুসন অম হওননবগী শেমশাবা হৈগংলম্মী।

(১) মনিপুরগী মহারাজ চুরাচান্দ সিংহজীনা ইংশোক ১৯৩২ গী ঈশিং খাজনা পোক্লনবা হায়দুনা তৌখিব অন্দোলন অদুদা খাজনাগী বেং অনিরক হস্থব কান্দা চশী ও লৈরগা ঈশিং খাজনা পূমকোক পোক্লনবা সরকারনা খন্নগনি হায়খিবদু রাজনৈতিক লুচিংবশিং অসিনা থাজরমদে। মরম দুনা ঈশিং খাজনা পুমকোক কোক্লনবগী হাফম অসিমা দাবী পরেংদা থল্লে।

(২) মতম অদুদা এক্কাগাড়িগী খাজনাসু কন্না লৌরম্মী। খাজনা তোনবগীদমক মফম মতম নাইদনা হেক্তা ফারম্মী। মদু পোক্লনবগীদমক এক্কাগাড়ীগী 'খাজনা পোক্লনবগী হাফম অসী হাপ্লে।

(৩) করাম-চিম্থি লুং পাংকী থবক য়াম্না কল্লম্মী। স্টেটকী ইনকমগী। পদু উরগা পোলিস ফোস' হেনগংনবগী দাবী তৌরমদে। মদুগী মহুৎতা ইফালগী লৈকাই খুদিংদা অমদি খুংগী মফম খুদিংদা সরকারনা ভিলেজ ভলন্টিয়ার ফোস' শেম-

গৎলগা মখোয় অদুনা মতেং পাংলবদি হুয়ান চিনথি, লুং-পাং থর-মথৈ ফবা ঙমগনি হায়বসিমা হাপ্লে।

(৪) মহারাজনা মপান্দা চংখিবা মতমদা লুং-পাং য়াম্না কমথংলম্মী। মরম অসিনা মহারাজনা য়ারিবমথৈ মনিপুরগী মপান্দা চংশিগা, চংতবা য়াদবা থবক্কী ওইরবসু চংলু-মগা থুনা হনবারকউ হায়বসিমা হপ্লে।

(৫) শেংজাও পায়বা কারবাররানা কয়ানা রাইস মিলদা চেঙ ওনপদগী ফৌ শুবনা হিংজবী মুপী কয়াগী থবক হাংলে। মরম অসিনা মিলদা চেঙ তকপা থি বিযু হায়বা অসিমা

(৬) রাইস মিলগী ওনবশিং অসী অয়াম্বনা মপান্দগী লাকপা মীওইশিংনি। মখোয়না পোইন্নুগী লৌরোক পানথানা চে যাম্না লৈশীনা ম্নোক তৌশিল্লী। মপান্দা চেঙ থাবগী এজেন্টসু মখোয়মা ওই। সরকারগী ওইবা ফুদ পোলিসি লেংতো। চেং, চেঙ, অ ত পোং চ পুম্নমক তাঙবা হোঙ। অসী মিল-ওনর থরসিগা লোয়নমা কারবার চালাশিংগী মতুঙ্গী লৈরম্মী। ইঙা-ইঙেনগী মতমদা শেন থোক লৈতবা লেমা প্রজাশিংগী মথুঙ্গা ফৌসু লৈত্রে অহুগা শেনসু থোবত্রে। অহুগুম্বা অবহুদগী দোক্লনবগীদমক কঙ্গমর কো ওপরেটিপ লিংখংতুন, ফেয়ার প্রাইস শোপ হাংহল্লু হায়বা দাবা অসী হাপ্লে।

(৭) লৌ পরি মদা খাজনা লুপা ৬ থীবদা প্রজানদি শেন-থোক লৈতবনিম্না রারে। স্টেটকীসু ইনকম য়ামদে। মরম অসিনা লৌ ইংখোলগী খাজনা অসী কিস্তি ৪রকতা থীবা য়াহল্লু হায়সীমা হাপ্লে!

(৮) গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া এক্ট ওফ ১৯৩৫ অসী ইংশোক ১৯৩৪ গী ওক্টোবর থাদা মসিগী কমক্রিং প্রপোজেল অম লৈরে হায়বসী থবরদগী খঙনরম্মী। হায়রিবা এক্ট অসিদা

অচৌবা স্টেট মথৈদা প্রোভিন্সিয়েল অস্টোনোমি পীডুনা প্রজানা খনজবা মীওয়শিংগী মন্ত্রি মন্দলনা সাসন তৌগদৌবে হায়বদু খঙলম্মী। মদুগী মওং অদু য়েংলগা মনিপুরগী সাসন তৌরিবা মনিপুর স্টেট দরবারদা প্রজাগী মীহৎ য়াওহনগনবনী হায়বা দাবী অমগা হাপ্লে।

হায়রিবা দাবী পরেং অসী শেমদুনা থমলে।

ইংশোক ১৯৩৫ গী আগস্টকী তাং ১৯ দা নিখিল মনিপুর প্রজাগী লুচিংবা ৫মা সহি তৌবা মথক্কী দাবী অসী য়াওবা মেমোরেন্দম অম মহারাজ চুরাচান্দ সিংহদা পীশিনখ্রে। সহি তৌখিবা লুচিংবশিং অদুদি ১। লাইখুরাম খগেন্দ্রজিৎ সিংহ জ্যোতিস রত্নাকর ২। ক্ষেত্রিময়ুম তোম্বা সিংহ, ৩। চোংথাম মেরামচা সিংহ ৪। হিজম হরাংমতোন সিংহ ৫। রায়েনবম নিংথৌজাউ সিংহ ৫ অসিনি।

লুচিংবশিং অসিনা মেমোরেন্দম পীখৎপগা ইঙ্কালগী লৈকাই খুদিংদা অমসুং খুন্নং কথানা মেমোরেন্দম অদু সপোর্ট তৌননবগী অমদি দাবীশং অসিগী রিভোল্যুসন হওবদা প্রজা মীয়াম য়াওননবগীদমক কন্না তোংনরম্মী। ইংশোক ১৯৩৫ গী ওক্টোবর তা ৬ তম্ব মেমোরেন্দম অমগা মহারাজদা পীশিল্লে।

মেমোরেন্দম অদুদা মক ওইনা পল্লিবদি ইংশোক ১৯৩৫ গী মে থাদা পোলিস লেন্দা নিখিল হিন্দু মনিপুরী মহাসভা ফম্লনবা লেপখিবদু মতম অদুগা সসনগী থবক্তা অচৌবা দায়িত্ব পুবা মী ওংননি। হায়রিবা মফম অসি অকবা লাইফম্নি মীয়াম তিনবা ফত্তে হায়না খগেন্দ্রজিৎ সিংহনা য়েংখিবদগী মহাসভাদি ফমখিদে অদুগা মেলাদি তৌখিবনি। অসিগুম্বা তৌহৈদবা মফমদা মীতিংগী মফম লেপশীনবা অমসুং মপুং কানা শেমখিবদু কত্তবা থবক তৌবনী হায়না চার্জ তৌখি।

নিখিল হিন্দু মনিপুরী মহাসভা ফম্বদা ভিজিটর ওইনা য়াওনিংবশিংদগী শেল ১. (শফি) অমমম লৈগনি হায়না লাউথোকখি। মতম থর নৈরগা ভিজিং ফী লৌররোই হায়না অমুক লাউথোক্লে অহৃদা সেসন ফম্বা মুমিত্রা ভিজিংবী লৌর-গনি হায়না অমুক লাউথোক্লনা লৌখি। অসিগুম্বা থবক তৌবা মীওইশিং অদু ফত্তবা মীওইশিংনি হায়না চার্জ তৌখি।

ঈশিং খাজনা তোনবগীদমক মী ফারিবনি হায়দুনা ফাবদা খাজনা তোম্দবা মী কয়াম ক ফাদুনা জেলদা থম্লম্বী রাখোক কয়া লৈখি। মসিসু ফত্তবা থব ক্রু।

জুরর হাপ্পা মতমদা প্রজাগী ভোট লৌবিদে, চৌকিদার হান্দদি পজাগী ভোট লৌই মসিসু চুমদবা থ ক্রি হায়না চার্জ তৌখি।

অসুম তৌনা অশায়বা ফংবা থবক তৌরিবা লাইরিক হৈবা নহাশিং অসা লৌথোক্লগা অফবা জ্ঞান লৈরবা সাসন নীং-থিনা তৌবা ঙমগদবা মীওই য়েংহনা হায়না সাসন্দা অফবা ওইগনি হায়বনচিংবা পোইণ্টশিং য়াওবা মেমোরেন্দমনি। মেমোরেন্দম অসা হেক পাশনবগা নিখিল মনিপুর প্রজাগী লুচিংবশিংনা শান্দুনা মনিপুর প্রজাগী অচৌবা রিভোলুসন অম হওরক্লে। মনিপুর দরবারগী মেম্বরশিংনসু মখোয়গী মথক্তা চার্জ কয়ামক তোরকপহৃদা রিভোলুসনরি লিদরশিং অসিগী মথক্তা মখোয়না বার তৌবা য় বগে হায়বহৃগী তানজা য়েংহনা লৈরমী। মনিপুর স্টেট দরবারগী পোলিস মেম্বরগী ওদর মতুং ইন্না রিভোলুসনরি লিদর অহানবা মেমোরেন্দম অহৃদা সাহি তৌখিবা মঙা অহৃগী মযুম-মযুমদা তাং ২২ ৯ -৩৫ ইংদা সর্চ তৌখি। তাং ২৪-১০ ৩৫ ইংদসু দরবারগী জুদিসিয়েল মেম্বরনা রিভোলুসনরি লিদরশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা

পোলিসনা চে অম থারকখি। মহুৎশী মতুং ইমা F.R. পোলিস কেশ নং ৫২ ওফ ১৯৩৫-৩৬ দা রেজিস্টার তৌরে। অহুগা রিভো্লুসনরি লিদর ৯ (মাপল) ফারে। ফাখিবা লিদর ৯ অহুগী মমুংদগী (১) লাইখুরাম খগেন্দ্রজিৎ সিংহ জ্যোতিষ রত্নাকর, বাংখৈ।

(২) ক্ষেত্রিময়ুম তোম্বা সিংহ, খুরাই শোইবম লৈকাই।

(৩) চোংথাম মেরামচা সিংহ, খ্বাই লামাবম লৈকাই।

(৪) হিজম হরাইমতোন সিংহ, য়াইস্কুল।

(৫) রায়েনবম নিংথৌজাউ সিংহ, শিংজমৈ।

মথক্কী মঙা অসিবু তাং ২৬-১০-৩৫ ই দা জেলদা থাজিনখ্রে।

(৬) মতুম চাউবা সিংহ, খ্বাই ললাম্বুং মখোং।

(৭) চুংখাম য়াইমা সিংহ, চৌঃ নং ১ খ্বাই ললাম্বুং।

(৮) হিজম চাউতোন সিংহ, চৌঃ নং ১৫ থাংমৈবন্দ।

(৯) পুংশুম্বম নিংথেমজাউ সিংহ, বাংখৈ।

অকোনবগী লিদর মরি অসিবুনা তাং ২৬ ১০-৩৫ ইংদা জামিন্দা থাদোকখ্রে।

পোলিসনা হায়রিবা লিদর মাপন অসী নত্তবা রিভো-লুসন অসিদা শরুক য়াবা মনিপুরগী লরাই অমদি ইম্ফালগী তোঙান-তোঙানবা লমগী রিভোলুসনরি ৮২সু ফাহুনা মখোয়গী স্টেটমেন্ট লৌখি! মখোয়বু পোলিস কস্তদিদা শাংথনা থমখিদে, স্টেটমেন্ট লৌরগা থাদোকখি। রিভোলুসন অহুগী মরমদা পোলিসনা চৎথরকপা ইনকারীগী রিপোর্ট, মনিপুর স্টেট দর-বারদা তাং ২৮-১১-৩৫ ইংদা থাগৎখ্রে। অমসুং দরবার ক্রিমিনেল কেশ নং ৩০ ওফ ১৯৩৫ হায়না কেস অমী রেজি-স্টার তৌরে। থা মঙারোম চুপ্পা বিচার তৌরবতুংদা তাং ২০-৩-৩৬ ইংদা বিচারগী রাই হাইদোকখি। মহুদা মহানমথৈ জেলদা লৈরিবা লিদর মঙা অহুগা শ্রীপুংশুম্বম নিংথেমজাউ

শিংথগা লিদর ৬ অসিবু থা ১/১ মমগী থবক শুবা I.P.C. গী সেক্সন ১২৪ (ক) অমসুং ১৯৭ কী মতুং ইন্না থবক শুবা জেলদা মিয়াদ পিত্রে, অদুগা লিমর অহঙবুনা মরাল কোকপীদুনা থাদোকই কল্লে। পোলিসকী ফাইনেলরী রিপোর্ট অমসুং দরবারগী জজমেন্ট মথাদা উৎচরি।

POLICE REPORT

In the Court of the Manipur State Darbar,
Manipur

Darbar Cril. Case No 30 of 1935
F. R. of Police Case No 52 of 35-36.

Comlt. **Accused**

Manipur State. Vrs. **1. Laikhuram Khogendra Alias Ibungohal of Wangkhei Leikai.**

2. Khetrimayum Tomba Singh of Khurai Soibam Leikai.

3. Chongtham Meramacha Singh of Khwai Lamaham Leikai.

4. Hijam Hawaimatol Singh of Yaiskul.

5 Wayenbam Ningthoujao Singh of Singjamei.

6. Mutum Chaoba Singh of Khwai Lalambung.

7. Chungkham Yaima Ch. No. 1

8. Hijam Chaoton Ch. No. 15 Thangmeiband.

9. Pongsubam Ningthemjao of Wangkhei Leikai.

U/S 124 A. 417 IPC

Sir,

Hearing that the accd. No. 1 .to 5 are trying to create golmal in the State by holding public meetings at various places of Imphal and Lawai and that they persuade the innocent public to join them in approaching H. H. for disposing of the regarding exemption of water tax, cycle tax, introduction of voting system in appointing Darbar member i e J M etc. and that they are collecting a house to house subscription 2 paise per house in the pretext that Imphal people will be exempted from paying water tax etc. by this movement and fearing that public peace might be disturbed and it may till serious upon the state administration in future. I reported the matter to Police Member who orderd me on 18. 9. 35 to watch their movements. on 22. 10. 35 on susp ction the houses of accd. I to 5 were searched and some papers regarding the alleged meetting and petition were seized from their respective houses.

On 24.10. 35 Judicial member has forwarded a report from the Nambol side people regarding the meeting for police investigation against the leaders (accd). As ordered

U/S 124 A. 417 IPC

Sir,

Hearing that the accd. No. 1 to 5 are trying to create golmal in the State by holding public meetings at various places of Imphal and Lawai and that they persuade the innocent public to join them in approaching H. H. for disposing of the regarding exemption of water tax, cycle tax, introduction of voting system in appointing Darbar member i e J M etc. and that they are collecting a house to house subscription 2 paise per house in the pretext that Imphal people will be exempted from paying water tax etc. by this movement and fearing that public peace might be disturbed and it may till serious upon the state administration in future. I reported the matter to Police Member who orderd me on 18. 9. 35 to watch their movements. on 22. 10. 35 on susp ction the houses of accd. I to 5 were searched and some papers regarding the alleged meetting and petition were seized from their respective houses.

On 24.10. 35 Judicial member has forwarded a report from the Nambol side people regarding the meeting for police investigation against the leaders (accd). As ordered

the case has been registered and I investigated the case with S I, 11 and beg to sumit the result as below: .... - - ... .

Under the circumstances I thing that accused No. 1, 2, 3, 4 & 5 are guility u/s 124 A and accused No 6. 7 & 9 are found guilty u/s 417 I. P. C. and they are sent up for trial Parties will be produced whenever required. The accd. No, 1 to 5 are Hajat since 26-10-35 and the others are on bail.

Y. O. S:
Sd/- Illegible
I. P
28-11-35

JUDGEMENT

In the Court of the Manipur State Darbar, Manipur

Criminal Case No. 38 of 1935

Manipur State: Complainant

Vrs.

1. Laishuram Khagendra alias Ibungohal of Wanghbei Leikai.
2. Kshetrimayum Tomba Singh of Khurai Soibam Leikai.
3. Chongtham Meramacha Singh of Khwai Lammabam Leikai.
4. Hijam Hawaimaton of Yaiskul.

5. Wayenbam Ningthuojao of Singjamei.
6. Mutum Chaoba of Khwai Lalambung.
7. Chungkham Yaima Chou. No 1 of Khwai Lalambung.
8. Hijam Chaotn Chou. No. 15 of Thangmeiband.
9 Pongsumbam Ningthoujao of Wangkhei Leikai, Accused.

Copy of order passed on 20. 3 36

Judgement declared

20, 3, 36

Accd Nos, 1, 2, 3, 4, 5, & 9 sentenced to one months R. I. each under Sec. 124 A I.P.C. and accd. Nos, 1, 3, 4 to one months R, I. under Sec. 417 I. P. C. sentences to run concurently.

Accd. Nos, 6, 7; & 8 acquitted and set at liberty.

The Rs. 5 – confiscated to be executed to State.

Sd/—Illegible,
20 3 36
President,
Manipur State Darbar

Copied by :
Sd/—
(Irabot Singh)

Certified to be true copy
Sd/—
C. O C.
Dist. & Sessions Court.
Manipur
23 Aug 1967

জেলদা লখিবা নিখিল মনিপুর প্রজাগী লুচিংবা ওয়ন্ত তাং ১৯-৬-৩৯ ইংদা জেলদগী থোকে মথংগী লুমিংতা নিখিল হিন্দু মনিপুরী মহাসভাগী জেনেরেল সেক্রেটরি শ্রী হিজম ইরাবত সিংহনা খগেন্দ্রজিৎ সিংহ মদা লেপ্লগনা অনিনা রাজনৈতিকা অকপা বাবা শানখি। ইংশোক ১৯৪৭গী মে অহৌবাইদগী মহাসভাগী লুচিংবশিংগা লোয়নবা নিখিল মনিপুর প্রজাগী লুচিংবশিংনা মথংগী মতমদা প্রজাগী অওং অতৈ থোক্লকপা থম্মোই পুন্না থেংনমিবক্কী অসুম তেনা লোয়ননবা মথংদা নিখিল মনিপুর প্রজাগী কমি পুন্সমা ইংশোক ১৯৩৮ গী ...যবা শকুন্তলি নিখিল হিন্দু মনিপুরী মহাসভাদা শাওশীনখে। হায়রিবা লাজনগী মীওইশিং অমসুং শাওশীনগা লোয়ননা কলচরেল ওর্গেনাইজেসন ওইনা লৈরম্না নিখিল হিন্দু মনিপুরী মহাসভা অদু তাং ৩০ ১২ ৩৮ ইংদগী রাজনৈতিক দা ওইখ্রে।

নিখিল হিন্দু মনিপুরী মহাসভা

ইংশোক ১৯৩৪ গী মার্চ থাগী তেংনা মনিপুরগী সাসনদা অচৌবা শরু যাবিবা মনিপুর দরবারগী মেম্বরশিং, চীফ কোর্টকী মেম্বরশিং, সদর পঞ্চায়েৎকী মেম্বরশিং অসিগা লোয়ননা মহারাজ চুরাচান্দসিংহন, পৃথিবীদা লৈবিবা মনিপুরী পুম্নমক্না য়াওবা য়াবা কলচরেল ওর্গেনাইজেসন অমা শেম্নবগী থবক পায়খংদা হৌরক্লে। হায়রিবা ওর্গেনাইজেসন অসি নিখিল হিন্দু মনিপুরী মহাসভা হায়না কৌবা অমসুং মসি হৌগংপদা অচৌবা সভা অমা মেলাগা লোয়ননা পাংথোকপা অমসুং মহুৎ মফম্না পোলিস লেন্দা ফম্বা হায়না লেপ্লে। মহুৎগা লোয়ননা মতমসু ইংশোক ১৯৩৪ গী মেগী তাং ২১ দগী ৩০ ফাওবা সভা ফম্বা হায়না লেপখ্রে। মেলাগী

শাস্ত্র শাস্ত্রা গোইশ অহুপা সভা য নবা অাোবা হোনা অমস্
পালশ পোইথে মশ অ পা নি নো মণি যু গুনী সা-
পা তা গুনাম থপে সিংকন। ... নভা
ম জনা কো বা ... মাপ। মহারাজ

[illegible]

... ভোঙ্গা
... তি ওপ, মবাগ-
... নিংগোবা সংকাব সভাপা ওবা অমসুং
হিদম ইরা। জন্না ... সেক্রেটারী ... বমিটি অমস্তু
শেংখি ... সভা। সা ... অমদি কপচপগী মরমদা বাবেপা
কয়ামুক তাপি। ইংরাজ ১৯৩৬ ত ... শিলচাদা হুমিং

[illegible] মহাসভাগী অনিশুবা অধিবেশন [illegible] । মহারাজ [illegible] সভাপতি ওইখি । মহাসভাগী জেনরেল সেক্রেটারী [illegible] মেম্বর ওইরিবা ইরাবত সিংহনা [illegible] খগেন্দ্রজিৎ সিংহনা [illegible] মথংগী [illegible] খগেন্দ্রজিৎ সিং [illegible] খগেন্দ্রজিৎকী মথমদা [illegible] ইরাবত সিংহনা [illegible]

[illegible] ২৮, [illegible]

[illegible] অমসুং [illegible] লৈবাক [illegible] তাং ২৮ [illegible] সভাপতি [illegible] মনিপুরী [illegible] ইরাবত সিংহবু [illegible] মনিপুরী মহাসভাগী অনিশুবা [illegible] সভা [illegible] ইরাবত সিংহ [illegible] সভাপতি ওইরে । মহাসভাগী জেনরেল সেক্রেটরী ওইরিবা ইরাবত সিংহবু সহকারি সভাপ [illegible] ইরাবত সিংহনা, [illegible] অনিমক

পুবদি থুংঙাই । রাং নিহায়বদগী শ্রী ললিতমাধব শর্ম্মাবু মহাসভা
গী জেনরেল সেক্রেটরী হাপ্লে । মন্দনে সেসন অদুদা মনিপুরদগী
দেলিগেৎ মঙা হাওখি মীওই মঙা অদুদি :— শ্রীইরাবত সিংহ
শ্রী [illegible] মাধব শর্ম্মা, শ্রী [illegible] শর্ম্মা, শ্রীনোংমাইথেম
থানিল সিংহ অমসুং কাশিরাম শর্ম্মানি । অরোয়বা মুমিত্তা
ইরাবতনা সভাপতি ওইবা [illegible] মাধব শর্ম্মনা জেনেরেল
সেক্রেটরি ওইবা সেসন ২ন শাবা [illegible] মিটিং অমা থমখে ।
মনি[illegible] চংথিবা [illegible] সভাগী দেলিগেৎ [illegible] সেসন নোংথ-
[illegible] হাপ্লে [illegible] দেশতা [illegible] মচা
[illegible] শর্ম্মা । [illegible] সেসন [illegible]
[illegible] অমা [illegible] হাইনা [illegible] থাই । কংশোক
[illegible] মাথক্তা [illegible] হায়না ব্যবস্থা
[illegible] হাপ্লে । [illegible] হাপনখ্রে ।
[illegible] বিশ্রুপাই
[illegible] শগানা [illegible] লৈবা তমাং
[illegible] ঙাম্বা য়াদ্রে
[illegible] মহারাজ [illegible] শান্তি
[illegible] শান্তি [illegible] শান্তি
[illegible] তৌগনি ।
অনৌবা [illegible] ওইবরদি ব্যবস্থাদা হায়বদা
[illegible] থৌরাং [illegible] অনৌবা নত্রগা অশিবা
অহানবা লমিবা মকম থাদা [illegible] শান্তি হাযদোকপা ওইরবনি ।
শান্তি [illegible] হায়দোকপা সমুং । অনৌবা ওইরবসু [illegible] তৌবা
য়াবে । আশৌবা ওইরবসু [illegible] মকং ইনা পোংবোই-
গুনা শ্রাদ্ধ [illegible] চিবা তৌবা য়াবে । হায়রিবা শান্তি অসী
তৌদ্রিবদা ওইরবসু পোংবোইবা যাদবা অসিনা ! মতম

অতুদা নিখিল মনিপুর প্রজাগী লুচিংবা খগেন্দ্রজিৎসিংনচিংবনা মতুগী মাইয়োক্তা কয়া থেংনবগী। বন্না থেংনরবা কান্না মাংঙে হাবখিদে হায়বনচিংবা থৈদোক-থজিন তৌতুনা লৈরম্মী। মম্মথংদা খগেন্দ্রজিং সিংহ, ইবাবত সিংহ, ললিতামাধব শর্ম্মা অমসুং বংকবিহারী শর্ম্মা পুম্না ফম্মিন্নতুনা কুপ্না লৈনবে। মতুগী মতুংদদি অমাং অশে থেংনবসা মওং অম হোংলে, য়াম্না থেনা যনা লেংলে। মতম অতুদা মনিপুরগী প্রজা অয়াম্বনা হিন্দু ধর্ম্ম চংগা অসদি ধর্ম্মগী চংনবা মতুং ইন্না বামোংনা শ্রাদ্ধ শোনগ বনি হাযবা। ঐবা মরম্না শ্রীললিতামাধব শর্ম্মা অমসুং শ্রীবংকবিহারী শর্ম্মা হাওবকপদা থৌনা যবা হেনগংলক্রিবনী। মতুনগীদি ব্রহ্মসভানা মাংগে তিনবা যাওই হাযবতু হায়রিবা কাণ্ডলপ অসিনা চঙ্ক্না তিন্নবে, শেংদোকপি থু হায়বন্নে, মাংঙে হাযদি লা [illegible] গি। মযাম চঙতুনা ধর্ম্মগী চংনবা [illegible] যনা পোংনাইবে, বাক্ষ্যা শ্রাদ্ধ শোপে। ঈশ শর্ম্মা পুণ্ডিবস্ত মৈথোবতোম গোপাল সিংহনা মমোহনলাই শক্লে, ঐ কৈসাম বিশ্বরূপ অমসুং [illegible] বনিশোর শর্ম্মা অনিনা ধমাংবা বাণ্ডলপবী পাং যবে, অসুম তৌরক। অসিনা ইংশোক ১২৩৮ দদি মনিপুর অসী ব্রহ্মসভানা মাংঙে তিনবা যাদে হাযবা মীশিংনা মশীং হেনগংলক্লে। মতম অতুদা ব্রহ্মসভাগী ব্যবস্থাধারি শ্রীঅতোম্বাপু শর্ম্মাগী মখুত্তা ইংশোক ১২৩০ গী মহুংগী কেশ ৭ (অংম) মনিপুর স্টেট দরবারনা থাংগং থি অপানবা কেশনা শ্রীবং - বিহারী শর্ম্মনা থাগং নি মং: দরবার ক্রিমিনেল কেশ নং ৬ ওফ ১৯৩৮, অনিশুবা [illegible] বাবত সিংহনা তৌবনী। মতুনা দরবার ক্রিমিনেল কেশ নং ১৬ ওফ ১৯৩৮ অমসুং অহুম শুবা কেশনা শ্রীললিতামাধব শর্ম্মানা তৌবনী। মতুনা দরবার ক্রিমিনেল কেশ নং ৫৬ ওফ ১৯৩৮ নি। অসুম তৌনা তৌনা মতম অতুদা রাজ মন্ত্রী থবক তৌরিবা লাইখরাম খগেন্দ্রজিৎ

সিংহ, চোংথাম মেগ্রামচা সিংহ, ক্ষেত্রিমযুম তোম্বা সিংহ অসি নাচংবা নিখিল মনিপুর প্রজাগী মীওই কয়া নিখিল হিন্দু মনিপুরী মহাসভা যাওশিনখ্রে। রাজনৈতিকী মীওই কয়ানা মহাসভাদা যাওশিনখ্রপনা মরম ওইরদুনা সরকারগী কর্মচারী অমম্বা মহাসভাগী হন্দোকখ্রে। ইংরেজী ১৯৩৮গী ডিসেম্বর তাং ২৯ অমসুং ৩০ নুমিৎ নিনি চপ্পা নিখিল মনিপুরী মহাসভাগী ৪শুবা অধিবেশন চাংডাদা ফমখ্রে। চহী ১/২ অসিদা মহাসভাগী কর্মীশিংগা মহারাজগা নম্না মরা অহন্ন নম্বা যওবা অসুংগা মহাসভাদা রাজনৈতিক মীওই কয়া যাওশীনখ্রপনা মরম ওইরদুনা সরকারগী কর্মচারী কয়ানা মহাসভাদগী হন্দোকখ্রে মহাসভাগী চিংতাং সেনন্দা শরৎ সিংহনা সভাপতি ওইখি। চাংডা নমল অমসদনি মহাসভা অসি রাজনৈতিক মরা লৈনবা ... মাহুন তাখ্রে। পৃথ্বীদা ... সাসন পাংবা হায়রবা ... থাখ্রে। নিখিল হিন্দু মনিপুরী মহাসভা ... অহানবা নওবা মীশ যাওবা যানবগীদমক নিখিল মনিপুরী মহাসভাগী ... মনিপুর হোদোক্লো। হেজিংগী মহাসভা অসি রাজনৈতিক দল ওইরে। শ্রী হিজম ইরাবতপু প্রেসিডেন্ট, ... সিংহ জেনরেল সেক্রেটারী ... তোম্বা সিংহ, ... তোকপোক সিংহ, শ্রী ... খমিন সিংহ, ... মদনমোহন সিংহ ... নবকিশোর সিংহ, রাজকুমার রতনসনা সিংহ, শ্রী ... নগেন্দ্র সিংহ শ্রী ... খগেন্দ্রজিৎ সিংহ, শ্রী ... শাম কুঞ্জবিহারী সিংহ ... মরাংবু ... কমিটিগী মেম্বর ওইনা খনখ্রে।

মহাসভানা রাজনৈতিক দল ওইরকপহুদা মতম অহুগী মনিপুর স্টেট দরবারগী প্রেসিডেন্ট T.R.H Mac Donald, I. C. S.না তাং ২১-৩-৩৯ হংদা ওদ'র অম থোরক্লে। ওদর

অদুগী মরোলদি মহাসভানা হান্নদি কলচরেল ওর্গেনাইজেসন ওইনা লৈবম্বদগী হৌজিক্কি পলিটিকেল পার্টি ওইরবনিনা সরকারগী কর্মচারীশিংগা হান্না লৈ রসগুন্না পুন্না লৈবদু য়ারবোই। মরম অদনা সরকারগী ক.ারী ওইখিগে হায়বা মী মখেনা মহাসভা থাদোকপা তাই অদুগা মহাসভাদা অদুম্মক লৈরগে হায়রবদি সরকারগী থবক থাদোক্ক বনী হায়বা ওর্দরনী ওর্ডর আসগী মতুং ইন্না শ্রীব্রজমোহন সিংহ, চিংভাখম পিশক সিংহ, নবনিশ্বর সিংহ, গাণ্ডবুম র রতনসিংহ, লাইশ্রম যগেশ্বর সিংহ মথং মথং মহাসভাদগী থোক্লরে। মথক্কী মহা ভা ।।

কমিটিগী মেম্বর মভা অসী ইখালদা লৈবা জনস্টোন হায়স্কুলগী চন্দ্রচান্দ হায়স্কুল অমসু তোপীসনা হায়স্কুলগী ওজা ভাক্তনি সরকারগী নোটিশ থোক পা মতম অদু সোসিয়েল পাব বয়ানা, স্কু া ী ওত শিংনা স া থাদোক্কনা পাজ নাইডগা পথিবদু যানিদবনী বা । নন্না ননু খি। মতম অদু া মনিপুরগী হায়স্কুলগী ওজা ওইবা যাবা মীসু য়াম্না লেবম্ম নওবা অদুগী মথক্তা এক্সপিরিয়েন্স লৈরবা ওজা কয়ানা ছাত্র শেমগংপগী থবক তোক্ত প্রজাশিংনা যানি বনি। পব্লিক ওপিনিয়ন অসিসু ওজা শং অসিনা মহাসভা থাদোকপগী অচোবা ফেকব অমনি। শ্রীহিজম ইরাবত সিংহ, সদর-প যেংবা মেম্বর ওইবা তোওনা অমসুং শ্রীএ াংবম তোম্পোক সিংহ, নো ং শভগী (S. D ে. ওফিসরগী) দ কার দগী লোক্নুনা মহাসভাদা লেডনানা ।রে। শ্রী ললিতামাধব শর্ম্মা অমসুং শ্রী বংবিহারী শর্ম্মা অমসু তোপাসনা হায়স্কুলগী ওজা ওইরম্বদগী হায়রিবা সরকারগী নোটিশ অসী থোক্তিভগী মতম থরগী মমাংদগী তোক্রবনা। মহাসভাগী জেনরেল সেক্রেটরী শ্রীপিশক সিংহনা মহাসভা থাদোক্খিবদগী শ্রনো নাইথেম থানিন সিংহবু মহাসভাগী জেনরেল সেক্রেটরী হাপখ্রে। অদুগা শ্রী

মাইস্নাম গোপাল সিংহ শ্রীকারাম বিহুর সিংহ অমসুং শ্রীতখেলময়ুম অম্‌সেলুং সিংহবু কো-ওপসন্না মহাসভাগী ৱার্কিং কমিটিগী মেম্বর ওইনা লৌশিনখ্রে। মসিগী মতুংদগীদি মহাসভাগী মিটিং নচিংবা তৌরকপদা সরকারনা মখ ওইনা মহারাজনা কুপ্না য়েংশিনখ্রে। মোইরাংদা মহাসভাগী মিটিং অম ওর্গেনাইজ তৌগীদমক শ্রীএম কোইরেং সিংহগী মথক্তা অওং-অনৈ কয়া তৌখি। বিষ্ণুপুরদা মহাসভাগী মিটিং অম ওর্গেনাইজ তৌবগীদমক শ্রীতৈরাংবম চাউবা সিংহ, শ্রীথিংঙুজম উদ্ধব সিংহ, শ্রী খাইদেম রথসিংহ, এক্স-স্টেট মিনিস্টর, মোইরাংথেম যাত্রাসিংহ এক্স, আই, এন, এ, শ্রীহাওবোম থৈবোং সিংহ, শ্রীথিয়াম গোপাল সিংহ, অমসুং শ্রীয়ুমলেম্বম অতো সিংহনচিংবা বয়াবু মহারাজনা কোখংতুনা দিটেম কয়াবক তৌখি। ওইনামদা মহাসভাগী মিটিং অম ওর্গেনাইজ তৌবগীদমক শ্রীমুতুম নিংথেমজাও সিংহ, শ্রীমুতুম মেরা সিংহ অমসুং শ্রীমুতুম অম্‌তোম্বী সিংহগী মথক্তা অওং-অনৈ কয়া তৌখি। অহুম ওইনমক পাচ নাপেং শেনখায় চন্দন শেনখায় অমসুং নম্বোর ফৌখায়দি মতুং অহুংগীদি প্রজাশিংনা খম্নদবা য়াখ্রে।

বাংখৈ লৈকাইদা শ্রীলাইখুরাম খগেন্দ্রজিৎ সিংহ অমসুং কারাম বিহুর সিংহনা ওর্গেনাইজ তৌহুনা মহাসভাগী অচৌবা সভা অম ফমখ্রে। কারাম বিহুরনা সভাপতি ওইবা ব্রাঞ্চ কমিটি অমসু শেমখ্রে। খুরায়দা তখেলময়ুম অম্‌শেলুং সিংহনা ওর্গেনাইজ তৌহুনা মহাসভাগী অচৌবা সভা অম ফমখ্রে। খগেন্দ্রজিৎ সিংহগা তানহুনা অন্দ্রোদা মহাসভাগী মিটিং অম তৌহুনা ব্রাঞ্চ কমিটি অমগ শেমখ্রে। পুখাউদা নাওরেম অম্‌ সিংহনা ওর্গেনাইজ তৌহুনা মহাসভাগী অচৌবা মিটিং অম পাঙথোকখ্রে। খগেন্দ্রজিৎ সিংহ কারাম বিহুর সিংহ নাওরেম অম্‌ সিংহ অমসুং তখেলময়ুম অম্‌সেলুং সিংহবু মাংঙে হায়-

নচিংবা তৌরকপদগী কন্না ব্রাঞ্চংনরকপা মতমদা শ্রীঅতোম্বাপু শর্ম্মানা মাংঙি হায়খিদে হায়খি। ইংশোক ১৯৩৯ গী ফেব্রুয়ারী থাদা খগেন্দ্রজিংনা শীন্দুনা মহাসভাগী অন্দ্রো ব্রাঞ্চকী অধিবেশন অম ফমখি। মহুদা শ্রীইরাবত সিংহ, ললিতামাধব শর্ম্মা শিলেন্তগী য়ুম্নাম কৃষ্ণচন্দ্র সিংহ, নোংমৈথেমপম নবকিশোর সিংহ লাইশ্রম য়ুগেশ্বর সিংহ, রাজকুমার রতনসনা সিংহ, কৈসাম কুঞ্জবিহারী সিংহ অসিনচিংবা কয়াম কস্থ য়াওখি। মহুদা ব্রাহ্মন বৈষ্ণব ময়ামগা অন্দ্রো মীয়ামগা চাক চামিন্নখি। হৌজিক্কী মতমদা সিহ্মাল কাস্ট হায়রগা খণ্ডনরিবা অন্দ্রো, সেকমাই, চকপা ফয়েংনচিংবদা লৈরিবা মীওয়শিং অসিগা চামিন থকম ন্নবসী তৌনরমদবনী। অন্দ্রোগী মহাসভাগী অধিবেসন্দা চামিন্নবা অসিনা মনিপুরদা অহানবনী। ককচিংদা মহাসভাগী মিটিং অম ওর্গেনাইজ তৌনিংগীদমক ককচিং খুলেন্দা লৈবা ক্ষেত্রিময়ুম বকুলসিংগী মথক্তা থবক কয়া লৌখংখি। মহাক ককচীং পঞ্চায়েৎকী কেরানী ওইরম্নদগী তোকখি। বাংজিংদা মহাসভাগী মিটিং অম ওর্গেনাইজ তৌরবগীদমক শ্রীলাইশ্রম অমু সিংহবু ফাহুনা পোলিস কস্তদিদা দিটেন তেংহুনা থমখি। চরাংপাংতো মহাসভাগী মিটিং অম ওর্গেনাইজ তৌরবগীদমক শ্রীচনম ব্রজেশ্বর সিংহ (য়াইরিপোক বিষ্ণু নহা) গী মথক্তা অওং অনৈ কয়া তৌখি। মহাক য়াম্না রাগা খাঙখি। অস্তুম তৌনা মনিপুর তম্পাক্কী মফম পুম্নমক্তা শীনবা থুংনা মহাসভাগী মিটিং তৌখ্রে, ব্রাঞ্চ কমিটিস্থু শেমখ্রে। মরক অসিদা অতোম্বাপু শর্ম্মানা নিখিল মনিপুরী মহাসভাগী প্রেসিদেন্ট শ্রীইরাবত সিংহ অমসুং নমিপুর পাউজেন খবরগী ইদিটর শ্রীকৈশাম কুঞ্জবিহারী গী মথক্তা মনিপুর স্টেট দরবারদা কেশ অমা থাংগৎখি। মহুগী নং দরবার ক্রিমিনেল কেশ নং ২৮ ওফ ১৯৩৯ নী। কেশ অদুগী কান্নবা থোইনা লৈখিদে। শ্রীপোৎশংবম তোমাল সিংহনা

পাউজেল খবরদা আর্টিকল অম হাপ্লবগীদমক তোমাল সিংহ অমসুং পাউজেলগী খবরগী ইডিটর বৈসাম কুঞ্জবিহারী সিংহবু I. P. C, Section 500 গী মতুং ইন্না ফাহনা সদর পঞ্চায়েৎমা কেশ অ লৌখৎখি। পোৎশংবম তোমাল সিংহবু জেলদগী কেশকীদমক সাদর পঞ্চায়েৎ মৌনা মখুত্তা হাৎ বোরা চন্দুনা মনিপুরগী খ্বায়দগী চাউরবা খ্বাইরম্বন্দ বাজার ফাওহনা পুরক্পা উবদা খ্বায়রমবন্দ বাজারগী ময়ায়দা বৈথেল মুপী মায়ামগা লোয়নবা লাইশ্রম রাম সিংহনা তোমাল সিংহগী জয় হায়না লাউহুনা অশীর্ব্বাদ পীখি। শ্রীরাম সিংহনা মখা তানা লাউখি। মহৌদি: তোমাল সিংহগী মখুত্তা শিরিবসী সনাগী খুরিনী। মসিগী মপালনা মনিপুরনা মনিঙ তম্বা ফংগদৌরিবনী। অস্থুম তৌনা কোর্টকী কম্পাউণ্ড ফাওবা লাউহুনা লাকপদা শ্রীরাম সিংহবুস্মু ফাহনা থা ১ থবক শুবা জেলদা পীখ্রে। কেশ অহুদা শ্রীএলাংবম তোম্পোক সিংহনা শাক্ষিগীদমক কোর্টতা লাকখি। শ্রীতোম্পোক সিংহবুস্মু কোর্টকী জজশিংগা করিগুম্বা য়েংনবা অম লাকপদগী থা ১ থবক শুবা জেল পীখ্রে শ্রীতোমাল সিংহ অমসুং শ্রীকুঞ্জবিহারী সিংহ (কেশগী মপুং ওইরবা) অনি অসী কেশগী তারিখ য়ৈথোকখি। মথংগী তুমিংতা শ্রীতোমাল সিংহ অমসু শ্রীকুঞ্জবিহারী সিংহ অনিবু থা ৩/৩গী থবক শুবা জেল পীখ্রে। মখোয়গী কেশ নং ৮৪ ওফ ১৯৩৯ গী। A. R. H. MacDonald I C S. মনিপুর স্টেট দরবারগী প্রসিদেন্ট ওইবদগী মহাক্কী মতম শুরহুনা মনিপুর থাদোকখ্রে। মহাক চহী ১গী মমাংদা চহী ৩গী মহাক্কী মতম শুখ্রবনি। মনিপুরদা লাকখিবা দরবারগী প্রসিদেন্ট (ইংলিশমেন) শিংগী মরুংদা মনিপুরগী সাসন্দা মহাক্না খ্বাইদগী ফবা মীনি মহাক্কী টার্ম মতম খরগা শাংথবিয়ু

হায়না খগেন্দ্রজিং সিংহনচিংবা রাজনৈতিকী মীওই কয়ানা ভারতকী গভর্নর জেনরেলদা চে ইবদগী চহী ১ গী মতম শাংথ· খিবনী। মাগী মতুংদা চিংবোইদা পেট্রোলিয়মগী মেনেজমেন্ট বা থব পুরম্বা যাম্না নহা ওইরিবা মশাগী চহী ২৫ রোমতা ড্রাইবিবা Admini·trative knowledge অমসুং experience লৈরিবা F A. Sharp I. C. S. পু মনিপুর স্টেট দরবারগী প্রেসিডেন্ট ওইনা হাপ্লে। F A. Sharp চিংবোইদা ইকুই বর্মা করৈদা পেট্রোলিয়মগী শিন্মীশিংগী অচৌবা স্ট্রাইক অমসু থেংনরকপনা Sharp না প্রেসিডেন্ট ওইবা ইকুই কুই· খিবৈদা মথাং ইংলন্দদা শ্রীমান চাওবা সিংহ এম্, আই এল এ অমসুং শোরাজম বিদ্যেশ্বরী সিংহ অনিনা ওর্গেনাইজ তৌদুনা মহাসভাগী অচৌবা মিটিং অম তৌখি। মতম অদুদা শ্রী লাংবম তোম্পোক সিংহ অমসুং শ্রীলাইশ্রম বামসিং জেলদগী থোরকদুনা সভাদা যাওখিরমী। চাওবা অমসুং বিদ্যেশ্বরী সিংহ অনিবু মহাসভাগী মিটিং ওর্গেনাইজ তৌই হায়বগীদমক I. P. C. Section ১২৪ (ক) অমসুং ২৯৫ গী ইথুং ইন্না খাচনা মখোয অনিগী মথক্তা মনিপুর স্টেট দরবারনা কেশ চংখি। মখোযগী কেশ নং দরবার মিসিমেল কেশ নং ৫২ ওফ ১৯৩৯ নি।

অনিশুবা নুপীলান

ইংলোক ১৯৩৯ অসি ভারতকী রাজনৈতিক ইতিহাসতা য়াম্না মরু ওইবা মতম অমনী। ইংলোক ১৯৩৭ তা ভারতকী প্রদেশ কয়াদা প্রজানা খনজবা কনস্টিটুয়েন্ট এসেম্বলীগী মেম্বর- শিংনা মন্ত্রি ওইদুনা সাসন্দা শরুক য়ারম্বদগী মুসলিম লিগকা য়েংনবা লাকপদগী য়েংনবা মফম কয়াদা কংগ্রেসকী মন্ত্রি কয়া

ইংশোক ১৯৩৯ দদি মন্ত্রি ওইবা তোক্কনা স্বাধীনতাগী অন্দোলনগী থৌরাং তৌখৎখি। আমেরিকা অমদি বৃটেন্না জর্মনগী মথক্তা লান তৌরগনি হায়না ৱার দিক্লার তৌখ্রে। মতম অদুদা নেতাজী সুভাসচন্দ্র বোসনা ভারত কংগ্রেসকী সভাপতি ওই-রম্বদগী তোক্কনা ফোরৱার্ড ব্লোক শেমদুনা পৃথিবীগী অনিশুবা লানজাওগী মতম অসিদা বৃটিশকা য়েক্লবা কাণ্ডবুগী মতেং পাং-দুনা মখোয়গা লোয়ননা ভারত স্বাধীনতাগীদমক খুৎলায় পায়দুনা বৃটিশকা থেংনরগদবনী হায়না লাওথোকখ্রে। মদুদগী নেতাজীবু ফাদুনা জেলদা থমখ্রবা মতমনি। মনিপুরদসু কলচরেল ওর্গেনাইজেসন ওইনা লৈবম্না মহাসভানা রাজনৈতিকী মীওই পুন্নমক্তা লোয়ননা রাজনৈতিক দল ওইরক্কনা মহারাজ অমস্তুং সরকারগা মওং নযানা থেংনবগা লোননা মনিপুর তম্পাক্কী মফম কয়াদা মিটিং তৌদুনা মশা-মরেং শন্দোকখ্রবা মতমনি।

ইংশোক ১৯৩৯ নভেম্বর তংখায় চৎলকপা মতমনি। মতম অসিদা মনিপুরগী মফম পুন্নমক্তা চেং কন্না লোক্লরে। লৌমী শিংনা চেং লোকপা কন্না হোংনরিবগী মতম অসিদা নোংম নোংমগী চেং লোকনবা হোংনবদা চণ্ডদবা য়াদবা শেনজণ্ডগীদমক অহোং-বা মমলদা ফৌ তাশোক্লম্মী। মতম অদুদা শেঙ্গাও পায়বা কারবাররানা কয়ানা মখোয়গী এজেন্ট কয়া থাদোকতুনা লৌমীশিংগী মপুণ্ডগী অহোংবা মমলদা ফৌ খোমজী বা হোং-নরম্মী। মতম অদুদা মনিপুরগী সহরগী মনুংদা রাইস-মিল (চেং তক্লবা মিল) ১৩ অমস্তুং খুঙ্গংগী লমদা অরাং শেনমাইদা ১গা পুন্না মিল ৪ লৈরম্মী। মনিপুরনা মপান্দগী শেন পুশি-ল্লক্লবগী থবকসু ফৌ-চেং য়োনবা নত্তুনা অাতে লৈরমদে। মরম অদুনা মপান্দা চেং থাবগী থবক কন্না চংথরম্মী। মপান্দা

চেঙ থাদোকপগী এজেন্টস্না রাইস মিল ওনরশিংগী মরক্তা ওইরম্বী মতম অহুদা হৌজিক্কী মতমদা লৈবিবা সরকারগী চিঙ্গাক্কী গোদাউন, মতম অহুদা লৈরমদে। সরকারগী ওইবা চিঙ্গাক্কী পোলিসি লৈরমদে। মিল ওনরশিংনা মখোয়না ভপ্পা লেভেলদা ফৌগী স্টোক তেবদা সরকারগী অথিংবা লৈরমদে। মনিপুরগী লাইফ লাইন ওইরিবা দিমাপুর রোদ অসী চিঙ্গাক রাংতুনা লৈরিবা নাগালেন্দ কাওহনা চংলিবনী।

মতম অসিদা ইম্ফালদা ফৌ সংবায়দা (কেঃ জিঃ ৩০ রোমনা) ।. (মথায় অমতমক) (নয়া পৈশা ০.৫০) তমক পীরমী। লপাইগী তোঙান তোংঙানবা মফমদগী ফৌ বন গাড়িনা পুখংনরক্লগা লমলোঙ কৈথেল, কোংবা কৈথেল, শীংজমে কৈথেলদা প্রজাশিংনা ফৌ চোইনা-চোইনা থানবা অসী মনিপুরগী মতম কয়াগী মমংদগী চংনরক্লবনী। অহুবু হাযরিবা মতম অসিদদি প্রজাশিংনা শেনখোক লৈতবা মরম্না ফৌ শঙবায় ১ নত্রগা লিখায় ১ ফাওবা থনবা ভয়রক্লবা তানজা ওইরম্বি। ফৌ যোংগদবা কাংবুমসু কেথেলদা ফৌ গাড়ি ১ পুবরক্লগা মী ১না ফৌ থিখায় ১ (সবাযী তংখায়) ফাওবা রানবা (লয়বা) ভয়বক্লহনা মরম ওইরহনা কৈথেলদা ফৌ গাডা পুরকত্রে। মখোয়না মিল ওনবশিংনা পুবগা মখোয়না পুবক্লিবা ফৌ পুম্নমক পুন্না পুনা লৌবা মথম অহুদা যোনবহু পাম্নরম্খি। মহাদগী লৈাইদগী ইম্ফালদা পুখংলকপা ফৌ পুম্নমক কৈথেলদা য়োল্লকত্রে, রাইস মিল তান্না চংনরক্লে। মহুনা মরম ওইরহনা কৈথেলদা ফৌ শংলবত্রে। চেঙ ফৌগী মমল নোংম নোংমগী হেনগংলে। অমতে না দিসেম্বর তাং ৮ য়ে রক্লে। তেরাকৈথেলদা লেবী শ্রীমতি অরিবম ওংবী চাওবীতোন দেবী অসী খুমিং খুদিংগী খাইরম্বন্দ বাজারদা শঙ্গোম য়োমবীনী। চাওবীতোনগুম্না

মৈতৈ লুপী কয়ামুক খ্বাইরম্বন্দ বাজারদা শঙ্গোম য়েল্লম্মী। মুমিং খুদিংগী মখোয়না শংগোম য়েল্লগা কৈথেলদগী চেঙ ১দি য়েঙ্গাং মনা-মশীং কয়া লয়রগা মখোয়গী মচা-মগুশিং পীজহনা থাক্লিংমী হায়রিবা তাং ৮ অসিগী মকৈশাগুমনা কৈথেলদা চেঙ মরাং কায়না ফংনম্রে। মুমিং অহুদা শ্রীমতি চাওবীতোম্বনা লুচিংহনা বাজরদা লৈবা রাইস-মিল খরগী মনাক্তা চংলগা মৈতৈ নীপা যন গাড়িদা ফৌ পুহনা মিলদা ফৌ য়োনবগীদমক লৈরিবশিং অহুগী মফমদা ইবুং-ইপা পুম্নমক নখোযমা কৈথেলদা ফৌ য়োনদবা মরম্না খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা চেঙ মরাং কায়না ফংনদে, চেঙ ফংনরকত্রবদি প্রজাশিংগী য়াম্না অরাবহ ওইরক্লগনি। মরম অসিনা নখোয়মা পুরক্লিবা ফৌশিং অসি কৈথেলদা পুহনা য়োনবিয়ু, মিলদা য়োনবীরগনু হায়না হাযজংবদা মখোয়গী রা অহু কনামন্থু তাবীদে। গাড়ীৱালা শিংগী মরক্তা হান্নমা মিলদগী শেন চওরগা পৌ থীবা য়াওরিদনি। উপাই লৈতহনা শঙ্গোম য়েনবীশিং অহু হন্নরে। অফংবা খর লয়রগা মযুম মযুমগা হন্নরে। মুমিং খরনগী মতুংদদি তাং ৮দা ফংবা চাংদগী নোংম নোংমগী হন্থরকপগী মওং অহু উরকপদগী দিসেম্বর তাং ১১ দদি শঙ্গোম য়োনবীশিং অসিনা খোমহনা অতোপ্পা কৈথেল লুপা খরগা লোয়ননা পলিটিকেল এজেন্ট সাহেবতা হায়রসী হায়হনা চংলুবদা পলিটিকেল এজেন্ট সাহেবতি শুগ্রোমদ টুর চংখি হাহনা লৈরমদে মতুংদা লুপীশিং অহনা মনিপুর ষ্টেট দরবারদা হায়করসী হায়হনা দরবার তান্না চংখ্রে।

মতম অহুগী মনিপুর ষ্টেট দরবারগী ওফিসতি ফৌজিকী ওলদ সেক্রেটরিয়েৎ বিলদিং অসিদনি। দরবারগী মেম্বরশিং উনহনা রারী রাতাই শানরে। লুপীশিংনা হায়রিবা রাদি

লয়াইদগী ফৌ গারি পুম্নমক কৈথেলদা য়োমজ্রে, মিনদা লোইনা য়োমখ্রে। মরম অদুনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা ফৌস্নুবী শিংনা চেঙ পুখৎলম্ত্রে, মরম অদুনা কৈথেলদা চেঙ ফংদ্রে, চদবনা প্রজাশিং শিবা তারে। মরম অসিনা মিলমা ফৌ য়ানবা থিংবিরো। মপান্দা চেঙ থানবগীদমক ফৌ লৌদুনা মিলশিংনা চেং তকপনিনা মপান্দা চেঙ থাবা লেপ্পিরো মদুগা লোয়ননা মিনদ চেঙ তকপা লেপহনবিরো হায়বা দাবীশিং অসিনী নুপীশিংনা তাল্লিবসী ইমা ইবেনশিং পুম্নমক বাফম অসী হয়েং থন্নবসী মৎম অদুনা হয়েংমক ইমা-ইবেনশিং মযামসু লাকপিরো হায়না উনবা দরবার মেম্বর থরনা হায়বনখি। নুপীশিং অদুনা খ্বাইরম্বন্দ বাজারদা হনখ্রগা হয়েংদি নুপী মী-য়াম দরবারদা চংতবা যাদ্রে ঙম্না ঙম্না লাকপিরো হায়না পাউ-জেল অমা চেম্মোল্লম্মী। দিসেম্বরগী তাং ১২ অসিদা মনিপুরগী মায়কৈ কযাদগী নুপী মীয়াম্না খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল তম্না হায়গৎ-নরবখি। অযুক পুং ১১ রোম তারকপা মতমদা শ্রীমতি অবিরম চাউবীতোন দেবী লোইতাম তোম্বীমচা দেবী, লিসম ঙংবী ইবেম্মা দেবী (মোংজম লৈম) এন্দ চাবিময়ুম খম্বী দেবী অসিমচিংবা অসিনা মাং থংদুনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল্লোমদগী মনি-পুর স্টেট দরবার তান্না চংখিরম্মী। নুপী মযাম অসিনা দরবার যৌবা মতমদদি ঙরাং (তাং ১১ দা) উনখিবা মৈতৈমচা দরবার মেম্বরশিং অদু মখোয মখোযগী ফমফমদা অমতসু লৈরমদ্রে, উনবা ফংদ্রে, লৈরমলিবা হায়বদু দরবারগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা ব্রিটীশব .T A Sharp মথন্তমক লৈরমলে। নুপী-শিং অদুনা প্রসিদেন্টকী কাদা চঙদুনা উনদুনা ঙরাং দরবার মেম্বর অতৈগা হায়নবা রা পুম্নমক নৌহৌননা হায়নরে। মতম অদুদা প্রসিদেন্ট, T. A. Sharp না হায়রকপদি মহাকত্তি মহারাজগী মথাদা দরবারগী প্রসিদেন্ট ওইনা লৈজরনী, মপান্দা

চেঙ থাবগী ওর্দর, অমসুং এজেন্ট হাপ্পসী মহারাজনা তৌবা ঙাক্তনি। রাইস মিলগী পার্মিং পীবসু মহারাজগী ওর্দরনা পীবনি। মরম অসিনা ইমা-ইবেমশিংনা হায়রিবা রাশিং অসি মহাক্না তৌবা ঙম্বা থবক অমত য়াওদে, অদুগা মহারাজসু হৌজিক নবধীপ্তা লৈখি। হৌজিক মহাক্না তৌবা ঙমলিবা হায়বদু ইমা-ইবেমশিংনা হায়রিবা রাশিং অসি ঙসিমক টেলিগ্রাম তৌদুনা মহারাজদা খঙহনখিবমখৈদি ঙমগনি হায়রকখি। অদুদি করে টেলিগ্রাম ওফিস্তা চৈখোয়গা লোয়ননা চংলসী, হৌজিকমক মহারাজদা টেলিগ্রাম তৌবিরো হায়নদুনা দরবারগী প্রেসিদেন্টকা নুপী ময়ামগা লোয়ননা স্টেট দরবারগী ওফিস্তগী টেলিগ্রাম ওফিস তা চংমিন্নরে। চংপা মতমদা প্রেসিদেন্টনা মহাক্কী কারদা চংপা পামলম্মী, মদু নুপীশিংনা য়ানিংদবদগী খোঙনা চংমিন্নখিরম্মী। টেলিগ্রাম ওফিস য়ৌরবা মতমদা চাওবাতোন, লিসন ওংবা ইবেম্মাল দেবী, শ্রীমতি রাহেংবম তোংগৌ দেবী অদুম অসিগা প্রেসিদেন্টকা টেলিগ্রাম ওফিসকী মনুংদা ফমদুনা টেলিগ্রাম তৌননবগী থবক পায়খৎখ্রে। (হায়রিবা মতম অসিদা ইম্ফাল মিউনিসিপালিটিগী মহাও টাউনগী এদমিনিস্ত্রেসন তোঙানবা অমা লৈরম্মী! মদুবু টাউন ফণ্ড হায়না কৌই। টাউন ফণ্ডগী তোঙানবা পোলিস ফোর্স অম থনম্মী। মদুবু টাউন ফণ্ড পোলিস হায়না খঙনৈ) পলিটিকেল এজেন্ট সাহেবনা টাউনগী এদমিনিস্ত্রেসন পুব মরম্না মঙোন্দা এচি তৌবা পোলিস ফোর্সনি হায়দুনা এজেন্সি পোলিস হায়নসু খঙনৈ। টাউনফণ্ড পোলিসকী পোলিস ওফিসার দেবীশ্বর বরুরা, মহাক্কী ফোর্সকা লোয়ননা টেলিগ্রাম ওফিস য়ৌরক্লে। মহাক্না ওফিস মনুংদা চঙলক্লুনা প্রেসিদেন্টকী মনাক্তা লেপ্লুনা লৈরে। মনিপুর পোলিসকী ইনসপেক্টর খোমজ্জাম

থমচন্দ্র সিংহস্নু মহাক্কী ফোস'কা লোয়নবনা লাক্ক,না টেলিগ্রাম ওফিস য়োঁরক্লে টেলিগ্রাম ওফিসকী মাংগোন্দা শ্রীমতি নোংথোম্বম ওংবী খোংনাং দেবী, ক্ষেত্রিময়ুম ওংবী মুখি দেবী, লাইশ্রম ওংবী অমুবী দেবী সিনাম ওংবী ইবেমচা দেবী অসিনচিংবা লুপী থর লৈরে। টেলিগ্রাম ওফিসকী লম্পাক ফুন্না শোংনক কাওবা লুপীশিংনা টেলিগ্রাম ওফিস মরোল মরোল কোইশিন্দুনা লৈখ্রে। শ্রীমতি লাইতোম তোম্বীমচা দেবী অঙোম ওংবী রূপমঞ্জুরী দেবী শরোংখাইবম মোম্বা দেবী কৈসাম নিংথোল অমুক্তাওবী দেবী শরোংখাইবম তোলপিশক দেবী অসিনচিংবী লুপা লিনর কয়ানা টেলিগ্রাম ওফিসকী মনাক্তা দাবি মখাদা পোয়না চংতুনা ঈ চল ইমাওশিং ওসিদি হুন্নবা য়াবে হায়রগনা লাউগনা লৈরে। শ্রীমতি খুমুকচম য়াইস্বী দেবী, লক্ষ্মি দেবী, ঙাংবম ওংবী অঙাংজাওবী খুন্দ্রাকপম ওংবী চাউবী দেবী অসিনচিংবা লুপা কয়ানা টেলিগ্রাম ওফিসকী লম্বী দা খায়গী মাং থাদুনা লৈরে। ওইনাম নিংথোল বোক্সম ওংবী ইবেমন দেবী, তোংব্রম নিংথোল শবী দেবী অয়েকপম রজনী, লৈবাকপম দেবী, কুমারী দেবী' রাজকুমারী সনাতোম্বী দেবী অসিনচিংবী লুপা কয়ানা ইচেম-ইনেম পুন্নমক ওসিদি হন্নবা য়াম্রে হায়দুনা শোংরোক্তা লাউদুনা লৈরম্মী শোংরোক্তী নাবন্দা থাপ্না নীংনা কয়ামুক্সু নয়াম্না তৌরিবহু যেংদুনা লেরম্মী। মাপাশিং অহুবু নকশিল্লক্লমবস্মু হায়রম্মী। ঙাইহাক্কী মতুংদা প্রেসিডেন্ট শাপনা টেলিগ্রাম তৌরগা মতুংদা টেলিগ্রাম ওফিস মন্নুংদা লৈরিবা লুপীশিং অহুদা এনা তৌগদবা থবক লোইরে অহুনা এহাক বাংগলাদা চংলগে, ওসিগী লক্ষ লৌখ্রি; পুক য়ায়া লামলে হায়খি। মকম অহুদা তিল্লিবা নুপীশিং অহুদি চাদবনা য়ারবী, ময়ুমদা হনখ্রগা মচা পীজমবা লৈতবী, মচ না।

তাং ১১ । ১২ । ৩৯ ইংদা টেলিগ্রাম অফিসকী মুংথিলদা থোকখিবা নুপীলানগী থৌদোক অতুগী ফোটোনি।





ফোটো অসি এস ঐচ, গোপাল শর্ম্মা, পোক্লফম খবরগী ইদিটয়দগী কংজবনী।

ইমা চাক চারগে চাক পীরো হায়রকপা মতমদা করি হায়না খুমলুগদগে হায়বহুগী রাজরবী নুপীনা অয়াম্বা ওইরম্মী। চাম্রবদি শিবা তাবনিনা চুম্না দাবী খর তানবগী রাকম নত্তে, শিবা হিংবগী রাকম ওইশিল্লকপনিনা প্রসিদেন্টনা হায়রিবহু করিস্ত য়ানিংবা লৈত্রে। মতম ওহনা টেলিগ্রাম ওফিসকী মাংগোন্দা লৈরিবী খোংনাং অমসুং মুখিনা য়ারোই য়ারোই ঐখোয়গি চেঙ ফংনহুনা নুমিং নিনি চাক চারনত্রবনী ডরাংসু মেম্বরশিংনা ডসি লাকউ ঐখোয়গী রা খন্নবিগনি হায়রগা অমতসু লৈরমনে। সাহেবনা ডসী খর থেংবগীদমক রাকম থোকতে। মহারাজগী বা তাদিবা ফাওবা ঐখোয় পূন্না মফম অসিদা লৈমিংবগদবনী হায়রগে। রা অহু মপান্দা লৈরিবা নুপী ময়াম্না তারহুনা সাহেব চংপা য়ারোই। প্রসিদেন্ট সাহেব নুপী ময়াম্না পেরাও তৌরে। মতম অহদা প্রসিদেন্ট সাহেবনা পোলিস ওফিসার শেখর বাগগা তানরগা ফোর্থ আসাম রাইফলশকী কমান্দেন্টতা পাউ পীরে। ফোর্থ আসাম রাইফলসকী কমান্দেন্ট মিঃ Bulfieldনা সিফাহি ২৫ গা লোয়নহনা টেলিগ্রাম ওফিস য়ৌরক্কে। কমান্দেন্টনা প্রসিদেন্টকা ডাইহাক রারী শানরগা মংদা সিপাহি ১৩ বু প্রসিদেন্টকী গার্ডকীদমক থনম্লগা মহাক্তা সিপাহি অনিগা লোয়ননা হনগ্রে। ডাইহাক লৈরগা ডবল বেংগুন থোংবগী মখোয় তারম্মা মহুগী মতুংদা নুমিদাং বাইরম য়ৌশল্লকপা মতমদি ফোর্থ আসাম রাইফলসকী সিপাহি ময়াম্না নোংমেদা সংগিন পামশিল্লগা টেলিগ্রাম ওফিস তান্না লাক্রে। ডাইহাকী মতুংদা টেলগ্রামক ওফিসকী নম্বাদা লেপ্লীবা নুপীশিং অহুগী মথক্তা ফোর্থ আসাম রাইফলসকী সিফাহিশিং অহনা বেয়োনেৎ চার্জ তৌরে। নুপী কয়াগী মকোক্তা মরাইবক্তা সংগিন্না য়াখরে সোরোক্তা লেপ্লিব নুপিশিং অহুগী মথক্তা মনিপুরগী পোলিসনা লাঠী চার্জ তৌরে। অসুম তৌনা

টেলিগ্রাফ অফিসকী কম্পাউণ্ড মনুং অহুদা ঈতনা ঈচেলগুম্না চেনবা উরে। অশোকপা নুপী কয়ানা তাহুনা লৈরে শোরোক্ত লেপ্পুনা লৈরম্লগী পোলিসনা লাঠি চার্জ তৌহুনা শোক্লুবা নুপী কয়া তাহুনা লৈরে। শোকখৈদবশিং অহুনা মথং মথং ময়ুম কন্নখ্রে কুমিং অহুদা টেলিগ্রাফ অফিসতা রবারগী প্রেসিদেন্টপু যেরাও তৌবা নুপীশিং অহু চাউরাক্না ৩,০০০ (লিশিং অহুম) লোম ওইনা য়াই। নুপী কয়ানা হন্নথ্রবা মতমদা সোরোক্তা নুপী পোয়াম্না লেপ্পুনা লৈহৌরি মখোয়শিং অহুগী মনুংদা শ্রীমতি শচী দেবী, রজনী, কুমারী, স্নাতোম্বী, লৈবাকলে অসিনচিংবীশিংনী। মনিপুর পোলিসকী ইন্সপেক্টর শ্রীধনচন্দ্র সিংহগা। শবী দেবীগা রা অম অনি হায়নরকপদগী ধনচন্দ্র সিংহনা শবী দেবীগী মথবাক্তা খোংউপ্না নাবিদগী শবী দেবী অমদি মহাক্না লেংমিন্নরি। নুপী খব লৈপাক্তা ভুখি। পোলিসনা লাঠী চার্জ তৌবদা থানা শোকনা লৈপাক্তা তাহুনা লৈরবী ওইনাম নিংথোল দোজম ওবী ইবেম্মনগী মথক্তা অমসুং শবী দেবীগী মথক্তা হন্না হন্না খোংউপনা কাও চুনা ফুবা চৈবা য়াম্না তৌখি। মরক অহুদা দরবারগী প্রেসিডেন্ট, দেবীধর বরুয়াগা সোয়নবা বাংলাদা চংখ্রে। লম্বীদা লেপ্পুনা লৈরম্বা নাগাশিংগী মরক্তগী খাণ্ডবা ওমথ্রবা পোংশংবন তোমাল সিংহ, নৈশাম কুঞ্জবিহারী সিংহ, অরিবম কুঞ্জবিহারী শর্মা, লাইশ্রম কাই, লাইশ্রম কুলবিধু সিংহ অসিনচিংবা খরদি শংগিবা শোক্লিবীশি অহুগী মনাক্তা চঙহুনা সেবা তৌখ্রে। অশোকপগী সেবা তৌবরিবা নীপাশিং অহু পোলিসনা ফারে। তানজা অদুদা মহারাজ চুরাচান্দগী মচা ইবুংঙো অহন যুবরাজ বোধচন্দ্রনা নীপা খরগা লোয়নদুনা লাক্লম্মী। অদুগা পোলিসনা ফারম্লিবা নীপাশিং অহু লোয়না থাদোকখ্রে।

মল্লক্লবা মতমদা অশোকপশিং অহুগী ইরুং মচুংগী মী কয়া লাক্লরবা মতমদা যুবরাজনা মখোয় অদুদা শিন্নদুনা অশোকপা কয়ামুক সিভিল হোসপিটাল যৌহনখ্রে। থৌনা শোকপমক্তি মজ্ঞবশিং অহুমা ময়ুম ময়ুমদা পুহনখ্রে। যুবরাজ বোধচন্দ্রনা থোক্লিবা থেংদোকপশিং অহু ইরদুনা নবদ্বীপ্তা, মহারাজদা টেলি-গ্রাম অমা থারমলগা যুবরাজ হনখ্রে। মতম অহুগী টেলিগ্রাম ওফিস অহু হৌজিক হেদ পোষ্ট ওফিস লৈরিবা মফম অসিগী অদুগা মতম অহুগী সিভিল হোসপিটালনা হৌজিক ডিষ্ট্রিক্ট হোসপিটাল ওইরিবা মফম অসিগী (খোয়রম্বন্দ বাজারগী মনাক)। বাজার মনাক ওইবগা নুমিৎদদি 'সিভিল হোসপি-টাল অসি মীপাতনা ক্রক ক্রক ইন্নখ্রে। টেলিগ্রাম ওফিস তম্মস্থু মীপা বয়া বয়া লাংখিরম্মী। থেংনক্লবা মতমদা টেলি-গ্রাম ওফিস্তা তিল্লরি। মীপাশিং অহুবু তানথোক্লবগীদমক সিপাহিশিংনা নোংমৈ রাউণ্ড কয়ামূক কাপখি। অশোকপদি থোইনা য়াওখিদে। নুমিৎ অসিগী অহিং অথেংবদা এজেন্সী পোলিসকী এসিস্টেন্ট ওফিসার ওইদুনা লৈরিবা লাইশ্রম মনাওবী সিংহগা লোয়ননা পলিটিকেল এজেন্ট হল্লকখি! নুমিৎ অসিগী নুংথিলদা নুপী ময়ামগী ঈরাং অহু উরকপদগী দেবীধর বরুয়াগা তানরগা মনাওবী সিংহগা লোরি অম পুরগা শুগ্ন তান্না চংতনা শুগ্ন, এরিয়াগী চীংদা থোঙনা টুর চংখিবা পলিটিকেল এজেন্ট সাহেবপু কৌক্লবনী মতম অদুদা লম্বীস্থু যত্তে অহুগা সরকারগী গাড়ীস্থু লৈতবনা টুর চংপসী থোঙনা চংপনী। পোলিসকী লাঠি চার্জদা খাইদগী থীনা শোক্লবী নুপী ৩ অমস্থুং সংগিন্না শোক্লবী নুপী ৩৪ মী মিং মখাদা উংচরি।

পুলিসকী লাঠি চার্জনা থানা শোক্লবশিং

১। ওংনাম নিংঙোল কোসম ওংবী ইবেমচান দেবী, ৱাংখৈ লৈকাই। ইবেমচান দেবী নুমিৎ ২১ নি সিভিল হোসপিটাল দ ট্রিটমেন্ট তৌরগা মতুংদা থা ১ ৱোম ট্রিটমেন্ট তৌখি।

২। তোংব্রম নিংঙোল শবি দেবী, ৱাংখৈ নিংথেম পুখ্রি মপাল শবী দেবী নুমিৎ ১০ নি সিভিল হোসপিটালদা ট্রিটমেন্ট তৌখি মতুংদা নুমিৎ ১০ নিবোম ট্রিটমেট তৌরবা মতুংদা মথম তিন্নবা য়াঙবা ঙমখি।

৩ নিংথৌজম নিংঙোল শাপম ওংবী কবোকলৈ দেবী, ৱাংখৈ খুনৌ। কবোকলৈ দেবী, নুমিৎ ৫নি সিভিল হোসপিতাল দা ট্রিটমেন্ট তৌখি মতুংদা নুমিৎ ৫ নিবোম ট্রিটমেন্ট তৌরগা ফবকখি।

সংগিন্না শোকখিবী নুপীশিং:-

১। খুমুবম ওংবী য়াইস্বী দেবী, নোংমেবুং
য়াইস্বী দেবীগী লাইবঙা সংগিন্না য়ানথরকখি। মহাক্না থাবদগী শাথানা শোকপনি। সিভিল হোসপিতালদা থা ১ ট্রিটমেন্ট তৌরগা মতুংদা থা ২ ৱোম ট্রিটমেন্ট তৌবগা ফবকখি য়াইস্বী দেবী, পুন্সিগী ওইনা থবক অমত্তবা তৌবা ঙমখিদ্রে। মণিপুর সরকারনা ইং ১৯৫৮ দা ইন্টেরিম রিলিফ লুপা ৫ পীখি।

২। বাচস্পতিময়ুম নিংঙোল থ্যাম সময়ুম ওংবী লক্ষ্মি দেবী, খাগেমপল্লি পনখা, লুইনোম লৈকাই। লক্ষ্মি দেবী য়াম্না শাথিনা শোকখিবী মপান্থোম য়েংথংবদা সংগিন্না য়ান্থরকপনি। থা ১ সিভিল হোসপিতালদা ট্রিটমেন্ট তৌরগা মতুংদা থা ২ ৱোম ট্রিটমেট তৌরগা ফখিবনী।

লক্ষি দেবী, পুন্সিগী ওইনা থবক অকনবা তৌবা ঙমখিদ্রে।

৩। নোংথোম্বম নিংঙোল ঙাংবম ওংবী অঙাংজাওবী দেবী, ৱাংখৈ খুনৌ। অঙাংজাওবী দেবী; ওইথংবা পিশুম মথক্তা অমদি পাম্বোমদা সংগিন্না য়াম্বৱকপনি। নুমিৎ ২০ নি সিভিল হোসপিতালদা ট্রিটমেন্ট তৌৱগা য়ুমদা থা ২ ৱোম ট্রিটমেন্ত তৌৱগা ফৱকখি পুন্সিগী থবক অনমবা তৌবা ঙমখিদ্রে।

৪। খুন্দ্রাকপম ওংবী চাউবী দেবী, কাকৈথেল মোইৱাং পুরেন লৈকাই। নুমিৎ ২০নি সিভিল হোসপিতালদা ট্রিটমেন্ট তৌৱগা য়ুমদা থা ২ ৱোম ট্রিটমেন্ট তৌৱগা ফৱকখি। পুন্সিগী ওইনা থবক অকনবা তৌবা ঙমখিদ্রে। চাউবী দেবী, কুন্দ্রাকপম অমুবাসিংহবু পোকপানী।

৫। লাইয়্রিবয়েংবম ওংবী চাওবী দেবী লাইরিবয়েংবম লৈকাই নুমিৎ ১৫ নি সিভিল হোসপিতালদা ট্রিটমেন্ট তৌখি। য়ুমদা থা ১ ৱোম ট্রিটমেন্ট তৌৱগা ফৱকখি।

৬। খাইদেম ওংবী তোলহাইবী দেবী, নোংমৈবুং মাম্বমচুথেক নুমিৎ ১০ নি সিভিল হোসপিতালদা ট্রিটমেন্ট তৌৱগা য়ুমদা থা ১ ৱোম ট্রিটমেন্ট তৌখি।

৭। সোগ্রাকপম ওংবী থম্বাল দেবী, তেৱা কৈথেল। নুমিৎ ১০ নি সিভিল হোসপিতালদা ট্রিটমেন্ট তৌখি। য়ুমদা থা ১ ৱোম ট্রিটমেন্ট তৌৱগা ফৱকখি।

৮। গুরুময়ুম পিশক দেবী খোংমন মংজিন। নুমিৎ ৭নি সিভিল হোসপিটালদা ট্রিটমেন্ট তৌৱগা য়ুমদা থা ১ৱোম ট্রিটমেন্ট তৌৱগা ফৱকখি।

৯। নিংথৌজম নিংঙোল সেৱাম ওংবী পিশক দেবী চেবোম নুমিৎ ৭নি সিভিল হোসপিতালদা ট্রিটমেন্ট তৌৱগা য়ুমদা

থা ১রোম ত্রিটমেন্ট তৌরগা ফররকখি ।

১০। শণ্ডলাকপম নিংঙোল অংবী দেবী, লিয়া পুম্রিমপাল, নুমিৎ ৭নি সিভিল হোসপিটালদা ত্রিটমেন্ট তৌরগা যুমদা থা ১রোম ত্রিটমেন্ট তৌরগা ফররকখি ।

১১। ক্ষেত্রিময়ুম অনৌ দেবী, শীংজমৈ ক্ষেত্রি লৈকাই । নুমিৎ ৭নি সিভিল হোসপিটালদা ত্রিটমেন্ট তৌরগা যুমদা থা ১রোম ত্রিটমেন্ট তৌরগা ফখি ।

১২। লৈহাওথাবম ইবেমপিশক দেবী মোংমৈবুং । নুমিৎ ৭নি সিভিল হোসপিতালদা ত্রিটমেন্ট তৌরগা থা ১ রোম যুমদা ত্রিটমেন্ট তৌরগা ফখি ।

১৩। মাঙরেম ওংবী থোংম্বু দেবী, হৈরাংগোইথোং মাইবম লৈকাই । নুমিৎ ৬নি সিভিল হোসপিতালদা ত্রিটমেন্ট তৌরগা যুমদা থা ১ রোম ত্রিটমেন্ট তৌরগা ফখি ।

১৪। অংভোম ওংবী তেকপীমচা দেবী, খুরাই থাংজম লৈকাই নুমিৎ ৫নি সিভিল হোসপিতালদা ত্রিটমেন্ট তৌরগা যুমদা থা অমরোম ত্রিটমেন্ট তৌরগা ফররকখি ।

১৫। মৃতুম ওংবী তোম্বী দেবী, খুরাই অহোংগে । নুমিৎ ৫নি সিভিল হোসপিতালদা ত্রিটমেন্ট তৌরগা যুমদা থা অম রোম ত্রিটমেন্ট তৌরগা ফখি ।

১৬। য়েংখোম ওংবী চন্দ্রমুখি দেবী, হৈরা গোইথোং । নুমিৎ মঙানি সিভিল হোসপিতালদা ত্রিটমেন্ট তৌরগা যুমদা থা অমরোম ত্রিটমেন্ট তৌরগা ফখি—

নুমিৎ হুমনি সিভিল হোসপিতালদা লাইয়েংখিবশিং

১৭ সাইরোম তোম্বী দেবী, নিংথোম থোংজাউ ।

১৮। থোকচোম ওংবী অমুবা দেবী, খ্বায় পাউনম লৈকাই ।

১৯। মোংমাইথেম ওংবী থম্বাল দেবী, শীংজমৈ ক্ষেত্রি লৈকাই ।

২০। কুরাইশাংপম ইবেয়াইমা দেবী, হেরাংগোইথোং মাইবম লৈকাই।

২১। থোংঙাম ওংবী থাবল দেবী, কৈসাম্পাৎ থিয়াম লৈকাই।

২২। সলাম ওংবী মুপীমচা দেবী, খুরাই আহোংগে।

২৩। কোজম ওংবী কোশ্নী দেবী, খ্বায় লমাবম লৈকাই।

২৪। সরাইসম ওংবী ইবেমনি দেবী কাকৈথেল।

২৫। হাওবম জাতি দেবী, মোইরাংখোম

২৬। ফুরাইলাংপম ওংবী ইবেয়াইমা দেবী খুরাই অহোংগে।

২৭। সলাম ওংবী বিনোদিনী দেবী খুরাই অহোংগে।
অমোম নিংঙোম থাংজম ওংবী অঙাংকাওবী দেবী, পোরোম্পাৎ ক্ষেত্রি লৈকাই।

২৯। থাংজম ওংবী ইবেম্মাল দেবী, রাংথৈ থাংজম লৈকাই।

৩০ অঙোম নিংঙোল থোংবম ওংবী অমুবী দেবী, উরিপোক ভাগবতি লৈকাই।

৩১। অঙোম নিংঙোল থোদাম ওংবী সিঙ্গা দেবী, খুরাই থাংজম লৈকাই।

৩২। শোইবম ওংবী মেরা দেবী খুরাই শোইবম লৈকাই।

৩৩। নিংথৌজম নিংঙোল পাশম ওংবী করোকলৈ দেবী, রাংথৈ খুনৌ।

৩৪। হাজারিমযুম নিংঙোল শামুইলাংপম ওংবী চাউনুহম দেবী খ্বাই ব্রহ্মপুর।

তাং ১১ দা মুপী লিদবশিংগা উনখিবা, তাং ১২ দা মুপীশিং লাকপিযু রা খন্নসি হায়রকখিবা দরবার মেম্বরশিং অদুনা মখোয়-মখোয়গী ফমফমবা ফমদুনা লৈরম্বা থোক্রবদি অসিগুম্বা অকিবগী মশক ওইরবা শক্তম অসী উৎমদবসু য়াবনী। হায়রিবা দরবার মেম্বরশিং অদুনা লাকউ রা ভাংনসী হায়রগা

লৈরমদবহুনা মরম ওইরহুন প্রসিদেন্ট সাহেবনা হয়েং উনসী, মহারাজগী টেলিগ্রামগী পাউখুম ফংলগা রারোল খরসী হায়রবদা লুপীশিং অহুনা য়াবা ওমখিদ্রিবনী।

মতম অদুগী দরবার মেম্বরশিংগী মিং:—

১। I,A. Sharp (Britisher) — প্রসিদেন্ট।

২। রাজকুমার ভাস্কর সিংহ

৩। লাইবেলমযুম ইবুংঙোহল সিংহ,

৪। সেগাইজম সমরেন্দ্র সিংহ,

৫ সঞ্জেন্সম নদিযাচান্দ সিংহ;

৬। মহারাজকুমার প্রিযব্রত সিংহ,

৭।

তাং ১০। ১২। ৩৯ ইংগী অয়ুক্তা মোইরাংথেম চন্দ্রসিংহ না ওর্নৈবাইজ তৌহুনা পুরৈরোম্বা খোংনাংখোংদা পব্লিক মিদর নীপা ময়ামগী মীটিং তৌহুনা পলিটিকেল এজেন্ট সাহেবতা লুপীশিংগী দাবীশি অদুবু শোগৎলহুনা অমসুং খুৎলাই পায়দবা লুপীশিংগী মথক্তা সিপাহিশিংনা বেয়োনেং চার্জ তৌখিবহুগী মরমদা বেংশিন্নবগীদমক দরখাস্ত অম থাখি। দরখাস্ত অদুদা সহি তৌখিবা মিদবশিং অদুগী মিং মখাদা উৎচার।

(১) মোইরাংথেম চন্দসিংহ, খোংমন (২) অঙোম অঙৌ, (৩) হুয়াম লক্ষ্মন সিংহ, খুরাই (৪) অধিকারিমযুম হিরন্যগর্ভ শর্ম্ম (৫) চোংথাম ঙ্গবোবী, হৈরাংগোইথোং (৬) গোলাপ মিযা হাজি ওইনাম হাওরবী (৭) রাজকুমার লুখোইয়া সিংহ, য়াইস্কুল (৮) হাইস্নাম বীরহরি সিংহ, এলাংবম লৈকাই (৯) রাজকুমার হাইমোসনা সিংহ য়াইস্কুল (১০) তখেল্লম্বম বকুল সিংহ, সেগা লম্বী (১১) কেশাম কুনজবিহারী সিংহ, কৈশামথোং (১২) চিংগুবম শামুঙৌ সিংহ, লাইরিকয়েংবম লৈকাই

(১৩) লাইময়ুম স্নামতুম শর্ম্মা, শগোলবন্দ (১৪) ব্রহ্মচারিময়ুম গৌরমনি শর্ম্মা, কৈসামথোং (১৫) তখেলময়ুম তোম্বী সিংহ, খুরাই (১৬) থোঁদাম তোম্বাইমা সিংহ (এক্স, এম,এল এ) রাঙ্গোই (১৭) শুকর অহমদ মিয়া উরুপ (১৮) লাইময়ুম পদ্ম-নাভ শর্ম্মা, উরিপোক হুইদ্রোম লৈশাই (১৯) অবদুল মিয়া, ক্ষেত্রগাউ (২০) গুরময়ুম মেহারচন্দ্র শর্ম্মা নম্বাবম (২১) চমম তোম্বা সিংহ চিংঙামখা (২২) সেরাম চেন্নি সিংহ, য়াইস্কুল (২৩) অহন্থেম শামু সিংহ, হোদাম লৈরক (২৪) রাজকুমার দেবচন্দ্র সিংহ, ওইনাম থিংঙেন।

মথক্তা মিং পঞ্জরিবা লিদর ২৪ অসিনা P,A, দা থাবা দরখাস্ট অহুদা মসিমক্সু হায়রি মহারাজনা নবদ্বীপ্তা লৈখিঙৈ মরক অসিদা লুপীশিংনা হায়জরিবা কৈথেলদা চেঙ ফংলক্ত-বদগী চাবা ফংদহুনা য়ারিবসি পোক্লম। গীদমক মতম খরগী ওইনা রাইস মিলগী থনক লেপহন্নবিবা য়াই। মখোয়না মখল-মখলগী কারবার মওং কয়া শাল্লহুনা কৈথেলদা চেঙ ফংহন্দ-নবা অমসুং কৈথেলদা ফৌ য়োনহনদনবা শিল্লি। মরম অসিনা রাইশ মিলগী থনক লেপ্পবদি কৈথেলদা ফৌ অমসুং চেঙ খর খর ফংনরক্কনি হায়বা য়াথৈশিং অসিস্নু য়াওবা দরখাষ্টনি। তশেংবমকস্নু দিসেম্বরগী তাং ৩/৪ অহুরাইদা মিলদা ফৌ য়ায়া পুরকখিদে মতম অহুদা মিল ওনরশিংনা ফৌগী মমল য়ায়া থাংনা পীহুনা লৌখি মহুদগীদি গাড়িবালাশিংনা মিলদা ফৌ য়োনবদা শেল য়ায়া ফংনরে অহুগা কৈথেলদা য়োনবদদি মমলস্নু য়াংদে অহুগী মথক্তা প্রজাশিংনা শেল লৈতবনা মরম ওইরহুনা লাইতং, লাইতং মখাই রানবহুদা অম্নুম তৌনা চোই-না য়োনবগী খুদোং চাদবা কযা অহু লৈবদগী কৈথেলদা য়োন-জিংদবনি, মথৈথংদদি তাং ৭ তগী ১২ ফাওবা অসি কৈথেলদা ফৌ য়োনহনুনা মিল মরম অহুগী মফমদা লরাইদগী পুরকপা ফৌ গাড়ি পুম্নমক য়ৌখিরনি। অহুম ওইনমক মিল ওনরশিংনা

ফৌগী মমল হন্থনা পিরকপা মরম্না গাড়িওালাশিং অহুনা নিংবা অহুগদি মমল থেন্নরা ফংখি। মায়কৈ অমরোমদা লাইশ্রম খাঙ্কাই সিংহ, লাইশ্রম কুলবিধু সিংহ মচিংবা সেগালম্বীগী ভলম টিয়ার কয়ানা তাং ১৭ গী নুংথিলদা পোলিসলেও লম্পাক্তা থোকখ্রিবা থৌদোকশিং শরবীদমক প্রজা মীয়ামগী সভ অমা কৌখ্রে। মথোয়মনা মায়কৈ খুদিংদা কোয়না চৎতুনা, বৈথেল খুদিংদা চৎতুনা পাউজেল পীখ্রে।

পোলিস লেম্দা পব্লিক মিটিং

তাং ১৩।১২।৩৯ ইংগী নুংথলগী মতম ওইরকুনা মনিপুরগী মায়কৈ পুম্নমক্কী নীপা-নুপী কয়া চোন্না পোলিস লেও লম্পাক্তা তিল্লরে। শগোলবন্দ মাইবৈদা শ্রীমতি চাওবিতোন দেবী, খোংনাং দেবী, রজনী দেবী, কুমারী দেবী অসিনচিংবী কয়ানা খোমগংলকখি উরি-পাক থাংমবন্দ মায়কৈদগী শ্রীমতি লিসম নিংতোল ইবেন্মন দেবী (মোংজম লৈমা) মোইরাংথেম নিংতোল অমুবী দেবী, তায়েংজম নিংতোল অঙোবী দেবী অসি নচিংবী লুচিংবী কয়ানা খোমলকখি॥ খুরাই মায়কৈদগী চুঙ খাম ওংবি অনৌবী দেবী, মাইবম ওংবী রাজকুমারি বিধুসনা দেবী, ভাইরাংবম ওংবী ইবেমচা দেবী লৌরেম্বম ওংবী থম্বাল অঙৌ দেবী পুথেম ওংবী ইবেতোন দেবী অসিনচিংবী কয়া মা মী খোমগংলক্লে. ৱাংখৈ মায়কৈদগী থাংখুরাম ওংবী রাজ কুমারী থরোসনা দেবী (অগানবা পিনাক্ষস্থ শরুক য়ারকপী) মোংমাইথেম নিংতোল তোনাশং দেবী অসিনচিংবী কয়ানা মী খোমগংলক্লে, মোংবৈবুং চেকোন মায়কৈরোমদগী ওইনাম নিং-তোন মুখি দেবী, চিংতাথম নিংতোল ইবেমন দেবি অসিন চিংবী কয়ামা মী খোমগংলক্লে, বামোন লৈকাই-মহাবম মায়কৈ-রোমদগী লোইতাম ওংবী তোম্বামচা দেবী. রাজকুমারী সনা-তোম্বী দেবী, অঙোম ওংবী রুপমঞ্জুরি দেবী অসিনচিংবী

কয়ানা খোমগংলক্লে রাইস্কুল মায়কৈরোমদগী শ্রীমতি ব্রহ্মচারীময়ুম খম্বী দেবী, শরাংথেম ওংবী কোম্বী দেবী শরোংখাইবম ওংবি তোলপিশক দেবী, বৈশাম নিংথোন অমুজাওবী দেবী শারুংবম নিংথোল লৈমতোন দেবী অসিনচিংবী কয়ানা খোমগংলক্লে লাইসোম লৈবাকলৈনচিংবী করানা হৈরা গোইথোং খাগেমপল্লি মায়কৈরোমদগী খোমগংলক্লে, কাকথেল সেগা লম্বী মায়কৈরোমদগী লাইশ্রম নিংথোন ববোকলৈ. ইংগুদম ওংবি তোম্বী দেবী য়েংখোম ওংবী খোম্মে দেবী অসিনচিংবী কয়ানা মী খোমগংলক্লে। শ্রীমতি লৈশাংথেম নিংথোল শনসম ওংবী তোম্বীমচা দেবীগা লোয়ননা শিংজমৈ মায়কৈরোমদগী নুপী কয়ামুক লাক্লে অসুম তেৌনা খোমগংনরকপা অদুনা পোলিস লেগা লম্পাক অসিদা নুপী ৭,০০০ (লিশিং তরেৎ) লোম তিল্লে। মাপাসু ৫০০,৬০০ লোম তিন্নক্লে খুংলাই পায় দবা নুপিশিংগী মথক্তা ব্রিটিশকী সিপাহিশিংনা সংগিন্না থিন খিবা অদুগী শাউরবা মহারেল কয়াসু ময়ামগী মরক্তা তিন্নরে। শ্রী লাইখুরাম খগেন্দ্রজিৎ সিং কারাম বিদুর সিংহ অমসুং পেংশংবম তোমাল সিংগা তান্নরগা মিটিং হৌখ্রিভেগী মমাংদা নুপি লুচিংবী খরনা পলিটীকেল এজেন্ট সাহেব উনরুবা কৈ হায়না খন্নবদগী শ্রীমতি চাউবীতোন দেবী, তোংগো দেবী, খোমাং দেবী মুখি দেবী ইবেমচা দেবী অসিনচিংবী নুপী লুচিংবীশিং অদুনা রাজকুমার লুখোইসনা, রাজকুমার হাইমোসনাগা লোয়ননা পলিটিকেল এজেন্ট সাহেব. উনবা চৎলে। পলিটিকেল এজেন্ট (মিঃ জিমসন) সাহেব, অহিং তুম্মক্তবনে, খোকথ্রিবা পৌদোকশিং অদু খল্লুবনে, মনিপুরগী মশক নাইরবা নীপা ২৪না অয়ুক্তা দরখাস্ত অমগা পীশিল্লকপদুদা মহাক্তা করি তৌগদগে হায়বদু খন্দুনা লৈরিভে তাজ্ঞানি। নুপী লুচিংবীশিং অদুনা চৎখ্রগা উনরুবদা মহাক্তা হৌজিক করি তৌবা তাবগে হায়বদুগি

থন্দুনা লৈরমলিবনা হায়না মহাক্না হায়রকখি। পলিটিকেল এজেন্ট সাহেবকা চং শ্রবা ময়াম অহুগা ট্রেজরী ওফিসতা য়ৌরক্লে॥ ওফিসতগী টেলিগ্রাম ওফিস্তা মী থারুব। মহরাজনা প্রাসিদেন্টতা এদেশ তেবা P A, দা কপি ফোরৱার্দ তৌবা টেলিগ্রাম অমা থেংনহনা পুরক্লে। টেলিগ্রাম অহু P.A, না পাহৌবগা শ্রী মতি চাউবীতনগী মগুংতা শিন্নরক্লে॥ চংশ্রিবা ময়াম অহুনা মহারাজগী টেলিগ্রাম অহু পাক্লবা মতমদদি মহরাজ য়াম্না থুনা মনিপুরদা লাক্লগনি হায়না হায়রগপা টেলিগ্রাম ওইরম্লে। মুপী ময়াম অহু চংশ্রবা মতুংদা পলিটিকেল এজেন্ট জিমসন সাহেবনা লালপাশকী চেঙ মওনা মোনোপোলিগী চেঙ থাবহু থিংনগী ইন্টর্বিম ওর্দর অমা তৌরগা নোটিশ অমা থোকখি। নোটিশকী কাপি মখাদা উংচরি।

NOTICE

Under the orders of His Highness the Maharaja and the Darbar the export of rice from Manipur is stopped untill further orders, except supplies to Kohima and the Battalions of the Assam Rifles.

Sd/—C.Gimson
Political Agent in Manipur
Memo No.3665-77 S & T
Dated Imp l,the 13th. Dec. 1939


Copy forwarded to:—The President, Manipur State Darbar for information and wide circulation.

C.Gimson
I,C.S.
Political Agent Manipur
13 . 12

পলিটিকেল এজেন্ট সাহেবকী নোটিশ অসি দরবার না তাং ১৪।১২।৩৯ ইংদা ফংখি। মতুংগী R.R.No. 1778 of dt,14 | 12 | 39

পোলিসলেন্দগী সভা

মুংথিল পুং ৩ লোম তারকপা মতম অহূদা পোলিস-লেন্দা তিল্লিবা প্রজাশিংগী ফোমেল ওইনা সভা ফম্না হৌরে। সভা অহূদা শ্রীপোংশংবম তোমাল সিংহনা সভাপতি ওইরে।



পোংশংবম তোমাল সিংহ

তোমাল সিংহ মহাসভাগী এক্টিভ রারনরনি

ইংশোক ১৯৩৯ দা রানি গাইদেলুনু মনিপুরগী দরবারনা চহি তরেৎ ৭ ফাদোক পীখিবত্থ. মনিপুরগী লৈশাবী অমবু চহি ৭ ফাদোক পীবসি চুমনগী শন্দি পীবত নত্তে চপী ওইবাগী পুন্সি মাঙহনবনি হায়না পাউন্দেল খবরদা ইকুবগীইংশোক ১৯৩৯ দা তোমাল সিংহবু থাং ফাদোক পীখি। তাং ১৫-১২ ৩৯ গী মহাক্না সভাপতি ওইবা মীয়ামগী সভা অসিনা ব্রিটিশ অমদি মহারাজগী সরকারবু শিঙনতুনা আইন অমান্য অন্দোলন তৌগনি হায়না ফোংনা রারেপ তাখবসি মনিপুরদা মসিনা অহানবনি। মনিপুর প্রজা সম্মেলনগী রার্কিং কমিটিগী মেম্বর ওইখি। I.N.A, দা য়াওহুনা ভারতকী স্বাধীনতাগী লানফমদা

অরাবা কয়া থাগুখি। ইংশোক ১৯৪৭ কী আগাই থাদগী ইং শোক ১৯৪৮ ফাও মনিপুর কংগ্রেশকী প্রেসিদেন্ট ওইখি। ভারত সরকারনা ফ্রিদম ফাইটরগনি হায়দুনা তাম্র পত্র পীখি, পেন্সন পীরি।

মতম অদুগী পোলিসলেন্দ লম্পাক অদু হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিগদি যম্না খেন্নরম্মী। মতম অদুদা ট্রান্সপোর্ট ওফিস, অমসুং থাউগী কপেপনা লৈরমদে ত্রামাতিক ইযু নিয়নগী হোলশু লৈত্রি। শোরোক্কা তাইনবদা দুকান পরেং লৈরগা কেথেল পরেং ৭'৪ দং লৈবম্মী। মহু নওবা লম পুম্নমক অহাংবা লম্পাক ওইহনা লৈরম্মা। হৌজিক লৈরিবা মনিপুর রাইফলসকী মখা রোমথাপ। শারিবা শঙশিং অসি মতম অদুদদি লৈত্রি। মনিপুর রাইফলশকী লম্পাক অসিগা পোলিশগী লম্পাক্কা অনিগী মরক্তা ফুট ৭/৮ মম পাকপা খোংবান অমতমা। খরগা ইপাক পানমা লৈরম্মী। মতম অদুগী পোলিশগী কন্সটেবলশিং অদু টুপী উপমদে কোযেং অঙাংবা যেংলম্মী। কোয়েং অঙাংবা য়েংপা পোলিস কন্সটেবল মযাম্না মনিপুর রাইফলসকী লম্পাক্কা মমাংগী মখা ওইনা মিটিং তৌবিবা মাযকৈদা যেংহনা লৈবম্মী। পোলিসলেন্দ লম্পাক্কা তিন্নি। শাউগংহনা লৈবিবা প্রজাশিং অহনা পোলিশ মযাম্না পেংলেংহনা লেমহনা মশিংগী মায়কৈ-বোমদা যেংহনা লৈবা উদা হেনা কনা শাউগংহন্না ইবাং লাংহনা মিটিং চংথবা য়াখিদ্রে। খা পি অঙৌবা শেংপা মহোক্তা গান্ধীদেব উপ্নিবা, মনাক্তা ভারত কংগ্রেশকী মচু অঙম গী ফিবাল মাংলিবা অহংগা মনাক্তা ফিরাল মচা অমসু লৈরিবা পাং চাপরবা, সম্ভান্তি ওইবিবা তোম্বাল সিংহনা লৈবাক প্রজা পম্নমক শান্তি ওইবিনু হায়দা তারকত্রবা মতমদা চৌকিদগী হৌ-গংহনা মমাদা থারিবা টেবল অদুগী মথক্তা কাখৎহুনা

মচু অহুমগী ফিবাল মচা অতু পায়রতুনা শান্তি-শান্তি হায়দুনা ফিরাল অদুনা মায়পৈ পুন্নমক্তা লৈয়দুনা হায়রবপদগী ময়াম পুন্নমক শান্তি ওইনা লৈখিদুনা মখা চংথখি। মিটিং অদুদা নিপান্না সভাপতি ওইরবস্তু নিপা মহাক য়াওরবস্তু সভা অদোম্মক্তা নুপীশিংগী ওইবা সভা ওইনা চংথখি মতম অদুদা নুপীশিং অদুগী মবুংগী থৌনা ফরবী অমি বা লৈরবী রাংথবম ওংবী তোং খম্বী (বা তোংগী দেগী) না পাবেপ অমি থাংগৎলে। অাপনবা নবেপনা কেবিন পলিটিকেল এজেন্ট সাহেব নত্তু করিম্ন তেবিদো মহাক্তন্তু মপা ময়ীগী লাইবুংনি যবা টৌ লাম থাবম্পা, ঐতোয়না ময়া হেনপনা মশোয়মা তৌরবসি হেংনা মহারাজ লানপা ভাইনা নমতোকলে। ময়াম অসিনা ভনিমৎ চেঙ তানবা মিসা শং অসি মৌ। লাম চতুনা থুৎকপা বাবে। অমিং নোংথোক্নম এবা থোনাং লেবী তৈনিম্মুন ওবা নখি দেনীনা য়াবে য়াবে ময়াম লমি হরিপরনগ হায়রপপা শিতিপা কপা ময়াম অদুনা যাবে যাবে হায়দুনা অহান বা বপেপ পাশ তেবে। অমনবা নবেপনা নপান্দা চেঙ পুদুনা চৎপদপ দিমাপুর রকগী চৎলকপদা নপাশিংনা অহিং নেক্তুনা মপান্দা পুগদগা চেঙ গাড়ি অমা ওবা চংহনবা, থাদুনা থপ্না থাযবা বাবেপন। মতম খোনাং দেনা, মখি দেলীন-চিংবী ময়াম পুংমক্তা য়াবে য়াবে হায়দুনা পাস তেরে। অহুম নবা নবেপ থোংনা তেবানা পুনশং খাই মতম।

লৈবাক্তিদগী থোকপা বন গাড়ি অমতা মিনপা যোননগা লাইরীবা থিঙনা হায়রবা বাখোন। নবেপ অসিসু মখি দেবানচিংবী ময়াম্না য়ারে হায়দুনা পাস তেরে। শ্রীমতি অভোম ওংবী বপমঞ্জরি দেবীনা মরিশুবা নবেপ অমা থাগংলে। মতুদি—প্রজা মীয়ামগা বাদুনা নৈরিবৈ মতম অসিদা নুপী পুন্নমক্তা খায়রম্বন্দ কৈথেলদা চঙদুনা পোং য়োনবা অমদি লেপা তৌরং

লুশি নৈথেল পাবা লোইসি হাযব রা.বপনি । বপমঞ্জরী দেবী খাইবন্দ (হেশলা ঙা যোনব নি। শাব শাহবম ওংবী মোঙ্গী দেবী পরা য়োনব), ই শাং ফিংহেন অ পাওবী দেবী (ঙায়োনবী, অনিনা য়াবে যাবে ময়াম বরি হাযবিরিবগে হাযরকপদা ময়াম লুয়মনা যরে গা হু মবি বা বারেপ শ ঙ ব ঙ্ গা শ্রীমতি তোংগো (বানা হাযরকখি । চং নবোং, ঙাং মবন, রাহ মায বদগী লুপী মখ না হেইভি ম রংমহে চ খ কেত্তনা চেঙ গাড়ি থি বিরংবো অ গ দ লা পুন্নমক হোমিবমক কে- শামথাংনোম চংনা থা দম তোলচো সিহগী চেঙগী মিল হান্না থুলে বশা হাযনা থারক্লে ॥ মরগী মপুং ইন্না অলাং মাযৈগী লুপীমনা চীংমেয়োং। (ম্প শাহুনা নৈথো অরুপা তোংগো, খোনং, মুবি দোা, অমুাং, ইবেচা দেনা চিংহনা মযাং। বশামথোং লাম্বুনা যা দম (। চৌ সিক গী মিপযেননবা চংখ্রে। মল য়েখরবা মক্তমদা তোলচো সিংক লবমদে। লুনী মীয়ম অহুনা মিল অও থবক তেংবা যানবা থুদেকে, পৈহুনা লরঙ্গা চেঙ, ফো বযা চাইনায়রনে। লুপী মাযাম অহুনা অনাং পাংনা অ থাংমন্দ মপুং- দা চঙলক্রনা গনেশলাল পেমচখ মাইগী মিল থুদেকে, চেঙ- গো বযা চাকখাংদে । মতম্গা লুপিনা পুং লোম তাশিন্ন্রবা মকয় । মতম অও নিমতি তো বানা ইচেম ইনেম ঈচিল-ইনাওশিং পুমক রাংহে বনাংং অসনি হয়েং লংলি চংথবসি, ঙসিদি লুপিং কংনে যুম যুমদা হনবসি হাযনা হায- রকপদগী মযাং। যানবহুনা বুম লুমদা হংখ্রে ; বৃটিশকী মতমদা নৈবাক মীযাম হৌরনা অাংন. শাসনহুনা অাইন অমান্য অন্দো- লোন তৌবা হাযবহু লমিং অসিদগী ময়েং লানা হৌরবনি । থুংলাই পায়দবা শান্তি ওংনা অয়াবা লোকপিণ্ড হায়জকবা লুপী

কযাগী মথক্তা ব্রিটিশকী সিপ হিশিংনা শংগিনা থিনখিবা পোলিসনা লাথি চার্জ তৌখিবা অমসুং শাথিনা ওংখিবতুদগী মুপিশিং অহুনা শ্রীমতি তোংগেগী লমজিং মথাদা বিটিশ অমদি মহারাজগী শক্তি পুম্নমক শিন্নদুনা লানহৌ অমা হওবক্লে। মুপীশিংগী লানহৌ অসি থিংননবগীদমক পোলিস কযামুক শিজিন্নখি। অহুম পোলিসশিং অহুনা এবিস্ত তৌবা ওমদা। মুপিশিং অদুনা মথেকনা খাংহোক্লে হায়না নিঙংথবক পুম্নমক মপাঙ শানা পাংথোকখ্রে। পোলিসলেপ্ত লম্পাক্তা তিনবা মুপিদি ৭,০০ লোম ওইরমিনা মুপি ৪০০/ য়োয়া চাংমেয়োং তান্না চংথিহুনা চেঙ গাথা থি। হেংখবা অগা অতোপ্পা মুশি ৫০০ দা মা রাইস মিল থুদোকখিবনি। নৈহেখিবা মুপী ৬,০০০ লোম অহানা নীপা ০০ লোম অহুগা মুমিৎ মমলগবা ফাওবা পোলিসলেপ্ত লম্পাক্তা নৈহেরিবদু থোগাবনবগীদমক পোলিস ফোর্স চঙশিনখি। মতম অদুদদি মুপীশিং অহুগা পোলিসশিংগা থুবন চংনা নযাথোকখি মমেংদদি পোলিসনা নো ম রাইফল থামুক কাপ্পনা মথাম অতানথাইখি অশোক অপিদি থোয়না সাওখিদে। মাযন অমবোমদনা রাইস মিল অমি মুপীশিং অহনা নুদেকখিবা অদুদা মিল ওনব পুম্নমক্তা পলিটিকেল এজেন্ট সাহেবতা মুমিদাদা লাকনা আপত্তি তৌরে। মতম অদুদা পলিটিকেল এজেন্ট সাহেবনা মিল ওনবশিংদা প্রজা মযাম্না হওবক্লবনিনা মহারাজনা মনিপুরদা লক্তিব ফাওবা মিপগী থবক লেপ্পনা ফগনি॥ অহুগা লাল পাশকী চেঙ নহুনা অত মপান্দা চেঙ থাবা লেপনবগী নোটীশ অমসু থোকখ্রবনি হায়না হাযরকখি। মিল ওনবশিংনসু পাউতাক অহু যাখি। য়ানখিবা অহুগী মতুংইন্না তাং ১৪।১২।৩৯ ইংগী অযুক্তা (১) মতি লোইতাম ওংবী তোম্বী মচা দেবী (২) লিশম নিঙোল ইবেম্মান দেবী (৩) বাহেংবম ওংবী

তোংখোঙ্গী দেবী (৪) অরিবম চাউবীতোম দেবী (৫) ব্রহ্মচারিময়ুম খম্নী দেবান পলিটিকেল এজেন্ট সাহেবনা মহাক্কী বাংলাদা থোরগা, তং ১৩গী নুমিদাংদা মিল ওমর পুম্নমক্তা মতম খর মিলগী থবক লেপননবা মহাক্তা পাউতাক পাগ্রবনি, মখোয় পুম্নমক্তা মিলগী থবক লেপ্লগনি হায়না য়াগ্রবনি। লালপাশকী নভুনা অকৈ চেঙ থাদনস্তু মতম খর লেপননবা মোটিশ ভোগ্রবনি। মরম অসিনা নুপী মযায়া মিলগী মপাং-মচৈ থুদেকপা থুগাইবগী থবক চংথবীরগনু হায়না পলিটিকেল এজেন্ট সাহেবনা হায়খি। মতম অদুদা নুপীশিংগী মায়পাকদগী তোংগো দেবীনা হায়খি। সাহেব, অদু ওইরবদি সাহেবপুম্বা লোয়ননা ঐখোয় ময়াম চংতুনা য়েংমিন্নরুশি হায়রবদগী পলিটিকেল এজেন্ট মিঃ জিমসন সাহেবকা নুপা মযামগা মিলশিং য়েংমননবা থোরক্লে। বাংগলাগী কোম্পোংদদি খোংনাং দেবী, মুখি দেবী, অমুবী দেবী, ইবেমচা দেবী, বঙ্গনী দেবী, রাজকুমারি সনাতোম্বী দেবী; লেবাকলৈ দেবী অসিনচিংবা নুপী কয়ামুক মথং মথং লেপরম্লে লৈবমবা নুপী পুম্নমক্না লোয়ননা মিল পুম্নমক য়েংল্লে। মিলগী মপোং মচৈ শীদোক্তুনা চলাইবা য়াদননা তৌরঙ্গা অয়ম্বা মফমদা থেংনরে। অদুগা থবকমক তৌরমদবসু কিভম কাযদবা লৈরম্লসু থেংনখি। অদুগুম্না মিল অদুদা পলিটিকেল এজেন্ট সাহেবনী মমা মক্তদা নুপীশিং অদুনা মিল অদুগী মপোং-মচৈ থুদেকখি! নুমিং অসিদনীদি মিল অমত্তা থবক তৌখিদে, মিলগী থবক পুম্নমক পুমলেপ লেপ্লে। অদুম ওইননক নুপীশিংনা কেম্প শাতুনা গাড়ি থিংখিবতুনা মরম ওইরগনা লালপাশকী চেঙ পুবস্তু যাহনখিদ্রে। পুমথিং থিংখ্রে। লালপাশকী চেঙ হায়বদি কহিমাদা লৈবা অসাম রাইফলসকী সিপাহিশিংগী পীবা অদুবুনী নুংথিলগী মতম যৌরক্তুনা নুপি নুপা কয়ানা পোলিসলেন্দ লম্পাক্তা অনুক পুল্লরে। নুমিদাংবাইদা লইশ্রম

কাঙ্গাই সিংহনা সভাপতি ওইদুনা মীয়ামগী মীতিন অমা চংখরে। লাইশ্রম কাঙ্গাই সিংহ, গেকন্দা মচুগী কৈজোম অমা শেংলগা ঈংলব নিংথম থাগী মতম অহুদা ফুরিং অমত্তা লিংপা তৌদনা গেন্দ্রা মচুগী ফিরাং অম ইন্দুনা সভাপতিগী চৌকি অহদা ফমলিবনি। নুমি অহুদা নুপী ৮,০০০ লোম তিনখ. নাপা ৬০০ লোম তিনথি মীতিন অহুদা অরিনম কুঞ্জবিহারি শর্মানা রারেপ অমা থাংগংখি। মহুদি লৈবাক ঈরাং হওদুনা লৈবিঙে মতম অসিদা সিনেমা ড্রামানচিংবা হরাও কুম্ম পুম্নমক লেপকদবনি হায়বা করেপনি। রারেপ অহু মযাম পুম্নমকা য়াহুনা পাশ তোখ্রে। মতম অহুনা তৌজিক্কী মসজিদ রোদ হায়রগা খভনবিবা মফম অসিদ ডনা শাবা, ইনা কুম্ভা অচৌবা হোল অমা শারগা কস্তুরিচান্দনা সিনেমা উংনখী নোংম-মিনি লেপ্লবা মংদা পোলিস ফোংনা ডাক্লগা চংথখি। নুমিং থরগী তুংদদি সিনেমা হোল অহু মৈনা চাকখিহুনা উং ওনখ্রে। তাং ১৬ দা লেপনখিবা মতুংইনা খাইবম্বদ নৈথেন্দা পোংযোনবী নুপী অমত্তা কাম্রে, লেরে। চৈরাপ লপাক্তা থর কারে, পোলিস লেন্দা খব কারে। অম্নুম তৌনা থা ৮/৯ লোম খাইরম্বন্দ নৈথেল লেপখি।

তাং ১৫ ১২। ৩৯ কংগী নুংথিলদা পোলিসলেন্দা মীয়াম অমুক তিনবে। নুমিং অহুদা শ্রীথোকচাম অঙৌ সিংহনা সভাপতি ওইখি। অঙৌ সিংহ মৈতবংগী কৈজোম অঙৌবা অমা শেংলগা ঙবোং অঙৌবা অম ইন্দুনা সভাপতিগী চৌকিদা ফম্লি নুমিং অহুদদি অথাপা লমদগী নাপা নুপী বযাম্ন লাক্কুনা ময়াম তিন্নবহু যাওররে। হৈরোক রাংজিং মাইকৈদগী ব্রহ্মচারিযুম নুংশিরৈ দেবী, হৈখাম মিংঙোল অহুবম ওংবী মুঙারৈ দেবী, কোনসম মিংঙোল কোনু দেবী সগোলশেম মিংঙাল মোইরাংথেম ওংবী থম্নো দেবী, অসিন-

চিংবী কয়া য়ওরে। য়াইরিপোক মায়কৈরোমদগী তখেল্লম্বম নিংঙোল চনম ওংবি নুমিংতৈল দেবী, মথুরাবামিময়ুম ওংবী অশংবি দেবী লাইশ্রম নিংঙোল শোইবম ওংবী লৈমতোন দেবী অসিনচিংবী কয়া য়াওরে। লয়াই মায়কৈদগী রাজিবম নিংঙোল খুম্নোংময়ুম ওংবী তাতি দেবী (নমেং, তাঙরেম নিংনিংঙোল কোনজেংবম ওংবি লৈফোম দেবী অসিনচিংবী কয়া য়াওরে। শগোলমাং পুখাউ মায়কৈরোমদগী নুপী কয়া লাক্লে। নম্বোল মাযকৈদগী মোংজম ওংবী তোম্বী দেবীনচিংবী কয়া য়াওরে। নিংথেখোং মায়কৈদগী মোইরাংথেম খোংজাইবী দেবী, খাইরাকপম জানকিসানা অসিনচীংবী কয়া য়াওরে। অথাম্বদগী লাক্লীবশীং অহনা ইমালগী ঈরাং পুম্নমক কুপনা খঙদোক্লগা হল্লখী। মীটিং অসীদা ওইনাম নীংঙোল ইবেম্মা দেবী অমদী তোংবম নিংঙোল শবী দেবী অনিদা পোলিশনা খোংউপনা কাউখিবহুগী মরমদা প্রোটেষ্ট তৌবা রাকম অমা শ্রীমতি রঞ্জন দেবীনা পুখৎলকখি, রাকম অদু ময়াম্না য়ানখি।

মহারাজ নবদ্বীপ্পুগী থুংলরে।

তাং ১৬।১২।৩৯ ইংগী নুমিদাংবাইদা মহারাজ চূরাচান্দ সিংহ নবদ্বীপ্পুগী কাক্লনা ইমানদা থুংলরে। তাং ১৭।১২।৩৯ ইদ মনিপুর মহারাজ চুরাচান্দ সিংহদা শৈরাকপম মাঘ সিংহ; বঙ্কবিহারী শর্মা রাংখেম ওংবী কুমারী দেবী, চিংখাখম নিংঙোল ইবেম্মা দেবী অমসুং অয়েকপম ওংবী রঞ্জনি দেবী হায়রিবা মীশক মঙা অসিনা সহিতৌহনা দিশেম্বরগী তাং ১২গী নুমিদাংবাইদা খুংলাই পায়দবা মখোয়গী অরাবা কোকপিনবা হায়জবা চৎচরুবী নুপী কয়াগী মথক্তা সিপাহিশিংনা সংগিন্না থিনখিবহুগী মরমদা মহারাজনা থিজিনবিহনা লৌখৎপা য়াবা থবক লৌখৎপীয়ু হায়বগী মরমদা দরখাস্ট অমা থাখি দরখাস্ট অদুদা নুপীশিং অহনা হায়জরিবা

রাফমশিং অহুস্মু মহারাজনা রাখল" তৌবিবা য়াবা ঙাক্তুনি হায়বহুস্ু পনখি। মহারাজনা থোকখ্রিবা থৌদোক পুম্নমক অহু কুপনা থিজিল্লবা মতুংদা মতম থরদং রাইস মিলগী থবক লেপহনবা হায়বসি যাখিখি। মহুগা লোয়ননা মনিপুরগী য়ামগ্রবা মীয়াম্না চরাংনহুনা লৈরিবহু করি তৌরগা য়ারিনমখৈ থুনা মেমথহনগদগে হায়বনী রাখল তৌরম্মী। নুপী লুচিংবি কয়াবু মহারাজনা কৌনা পাউতাক পীবা, বিহনবা, দিটেন তৌবা কয়ামুক তৌখি! এজেন্ট কয়া থাদোক্নুমা লাম-হওদ্রিবা নুপীশিংগী মরক্তা লিংজেন মান্নদনবা শীনবন্ন কয়া য়াওরকখি। মনিপুরগা তাগ্রা অসিনা মপি লৈতবা যম্নাউগুম্না অস্থুপ যাম্না চরাংনহুনা লৈরিবা অসিগী মওঙ্ওইবা মরমদি মনিপুরগী অমত ঙাইজববা নিখিল মনিপুরি মহাসভা হায়বা রাজনৈতিক দল অসিগা রাকিং কমিটিগী মেম্বরশিংগী মরক্তা চাউনা খেন্নবা লৈবননি। মায়ক অমরোমদা শ্রীললিতা মাধব শর্ম্মা, বংকবিহারী শর্ম্মা অমসুং গাইবাকপম মাল সিংহ অহুম্না খনবা রাজনদি অশাক অপন নংলবা, অবাবা তারবা নুপীশি অমগা মতে পাংগনি হায়বা খাল্লন অহুগা মায়কৈ অমরোমদনা শ্রীলাইখুরাম খগেন্দজিৎ সিংহ, নাবাম ... র সিংহ অমসুং ঙাংগলমযুম অমুসেনং সিংহ মেম্বর অহুম অসিনা খহিরবনা নুপীশিং অসিগী মতেং পাংবগা লোয়ননা নুপীশিংনা লানহৌ অনা ওইনা হওবা মতম অসিদা নীপাশিংনসু রাজনৈতিক দল অমা ওইনা ভারতী মহম পুম্নমক্তা স্বরাজগী লাবায় ম্না তৌগুম্না নীপামখসু হওদনা। স্বরাজগীদমক অচৌবা অন্দোলন তৌবগী মতম চারে হায়বা অসিনি। হায়রিবা মতম অসিনা মহাসভাগী সভপতি ওইবিবা শ্রীহিজম ইরাবত সিংহদি মনিপুরনা লৈতে কাছাড়দা লৈখ্রি। সহকারি সভাপতিসু হাপতে। এরম অদুনা জেনরেল সেক্রেটরী ওইরিবা নোংমাইথেম

থানিল সিংহনা নবিস্নু পাংগল থোক্কবা তাঞ্জা অমা ওইরি। মরম অসিদগী ইবাবত সিংবু মনিপুরদা হুমা লাক্লগা পাউ থাক্রে শ্রী ললিতামাধব শর্মানসু মনিপুরদা [illegible] থেংদোকশিং অসি মপানগী মাশিংনা তাননা [illegible]দমক আসাম ত্রীবুন্দা পাউ অমা ফোংখী। মতম অদুগী থোক্কবা [illegible] পোলিসনা ময়াম তীন্নরুনা মতম অদুগী পৌথোকশিং অদু [illegible] লেপত্রি খুঙ্গংগী মায়বেরোম-দশু মায়কৈ মাযৈ অদুগী মপী ময়াম তিন্নরুনা ইখালনী মপী-শিংনা হে[illegible]রক্কুনা চংথবরিগা লামদম অসিদা খুঙ্গংদা লৈরি-বা ঐখোয়গী [illegible]গোয়গী থেদা তৌফম থোক্তই হায়না লেংক্রে। রাশেপ অদুগী মতুংদা লম লমগী মপীশিংনা মাগী মাগী লমদা ইফালগা ফো গাড়ি[illegible]দনবা, মিলদা [illegible] যোনবা চংতনবা হায়-তুম শাজেন তৌমখ্রে। অমুক তৌনা [illegible]রিউদা তাং ৩১।১২।৩৯ ইংগী অহিং অথেংবদা বাবেথেল মায়বেরোমদগী থৌ গাগী অমা মিলদা যৌ [illegible] [illegible]রক্খী। [illegible] লম্বাদা শ্রীমত [illegible] নিংডোল [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ফো [illegible]ময়ক চাইথাইখি।

Darbar Criminal Case No 1 of 1940

Under Section 143 I.P.C.

তাং ৮।১।৪০ হংগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] গাড়ি চাইথায়বগী মপী [illegible] [illegible] থাজিন-খ্রে। ফাখিবা মপাশিং অদুগী মিং মখাদা [illegible]।

১) লাইশ্রম নিংডোল নবোন দেবী।

২) ইঙুদ [illegible] ওংবী তোংবী দেবী।

৩) [illegible] ওংবী [illegible] দেবী।

৪) লাইশ্রম নিংডোল [illegible] ওংবী অংবা দেবী।

৫) লাইশ্রম ওংবী মপামচা দেবী।

৬) কৈসাম ওংবী কবোকলৈ দেবী।
৭) কৈসাম ওংবী লোইদাং দেবী।
৮) তখেল্লম্বম ওংবী চাউবীতোম দেবী।
৯) খুন্দ্রাকপম ওংবী লৈবাকলৈ দেবী।
১০) তিদাম ওংবী অপান্নী দেবী।

কেশ অসি গাড়ীরালা অহুমা তাং ১।১।৪০ ইংদা পোলিসতা রিপোর্ট তৌবদগী লাকখিবনি! হায়রিবা লুপি ১০ অসি খুমিং ৫নি হাঞ্জংতা থম্লগা মতুংদা I.P.C. Section ১৪৩গী মতুংইন্না দরবারদা ফাহুনা বিচার তৌখি। মখোয় খুদিংদা লুপা ১০/১০ জরিমানা তৌখি। জরিমানা অহু চয়োল অমগী মনুংদা থীগদবনি, শোয়রগ তুমিং ১৫ নি / ১৫ নি সিম্পল ইমপ্রিজনমেন্ট পীবা হায়না রাই তাখি। মখোয় পুম্নমক জরি থীদোক্লগা জরি থীবা নুমিং/নুমি' অহুদা থাদোকখি। মতম অহুমী শেল লুপা ১০/-অসি কৌবোং ৮ রানবা ফংলবা শেনফমনি।

নিখিল মনিপুরি মহাসভাগী বার্কিং কমিটীগী মিটীং

মতম থর কাহারদা লৈবরবা হিজম ইরাবত সিংহ; মনিপুরগী ইরাংগী পাউ তাবদগী লাক্লুনা তাং ৫-১-৪০ ইংগী নুমিদাংর ইদা ইফালদা থুংলরে। মহাক্না ইফালদা হেক থুংলবগা মহাসভাগী জেনেরেল সেক্রেটরী মোংমাইথেম থাম্বিল সিংহগা উনহুনা তাং ৭-১-৪০ ইংগী অয়ুক পুং ৮ তাবদা মহাসভাগী বার্কিং কমিটীগী ইমর্জেন্সী মিটিং অমা ফমনবগীদমক জেনেরেল সেক্রেটরি থাম্বিল সিংহনা নোটিশ তৌরে।

তং ৭-১-৪০ ইংগী অয়ুক পুং ৮ ত্তাবদা থ্বায় নাগ-মপান্দা লৈবা থ্বায়রাকপম মাঘ সিংহগী য়ুমদা নিখিল মণিপুরী মহাসভাগী ৱার্কিং কমিটিগী মিংটি ফমল্লে। ইরাবোত সিংহনা সভাপতি ওইরে। মিটিং অহুদা লাকখিবা মহাসভাগী ৱার্কিং কমিটিগী মেম্বরশিংগী মিং মখাদা উৎচরি।

১) হিজম ইরাবত সিংহ - সভাপতি
২) নোংমাইথেম থানিল সিংহ - জেনরেল সেক্রেটরী
৩) লাইময়ুম ললিত'মাধব শর্ম্মা - মেম্বর
৪) গুরুময়ুম বংকবিহারী শর্ম্মা — "
৫) থ্বাইরাকপম মাঘ সিংহ - "
৬) লাইথুরাম খগেন্দ্রজিৎ সিংহ — "
৭) এলাংবম তোম্পোক সিংহ — "
৮) কৈশাম কুঞ্জবিহরী সংহ - "
৯) কারাম বিহুর সিংহ — "
১০) তখেলময়ুম অমুশেলুং সিংহ — "

ৱার্কিং কমিটিদা মেম্বর ১১ লৈবগী মনু দা লমশাং বাজার-দা লৈবা মাইশ্নাম গোপাল সিংহদি মিটিং অ সদা লাকখিদে।

মিটিং অসিদা থু লাই পায়বা ফুপাশিংনা শান্তি ওই-না মখোয়গী অৱাবহু কোকনবগীদবক সযদাওদা হাযজনবদা ব্রিটিশকী সিপাহিশিংনা ব্যোনেৎ চার্জ তৌদুনা ঈনা লৌ-থোংগুম্' চেংহনখিবা অহুগীদমক, মহুগী লমন থুম্না ওইনা সরকার অসিগী মথক্তা মহাসভানা অচৌবা মীয়ামগী অন্দো-লন অমা তে বা হায়না ৱারেপ অমা সভাপতি ইরাবত সিংহ-না থাগংলে ৱারেপ অসি খগেন্দ্রজিৎ সিংহ, করাম বিহুর সিংহনা সৌগংলে। তখেলময়ুম অমুশেলুং সিংহসু ৱারেপ অসি শৌগৎতুনা ৱা ঙা লে। মায়কৈ অমৱোমদনা থ্বাইয়াকপম মাঘ সিংহনা হায়খি। তাং ১২ : ২ : ৩৯ ইংদা সংগিন্না শোকঙবা মতুংদা

তাং ১৩ ১১ ৩৯ ইংদা পোলিসলেন্দা প্রজা মীয়াম তিন্নরগা কৈশামথোংগী থাংজম তোলচৌ সিংহগী রাইস মিল অমসুং খ্বায়রম্বন্দ বাজারদা লৈবা গনেশলাল প্রেমসুখ রাইগী রাইস মিল থুদোকখ্রে অহনতসু মহুনা অতৈ মিল থরস্থ থুদোকখ্রবনি। লালপাশগী চেঙথাবা অমসুং মোনোপোলি লওহনা থারম্মা চেঙ পুমমক মুপীশিংনা থিংহনা থাম্জনবনী, লরাইদগী চেং পুজরকপসু লবীদা মু পশিংনা ফাহনা চাইখাইরবনী। হায়রিবা ময়াম অসিনা সংগন্না শোকখিবা অহুগী লমন পুম্নমক হায়না লৈবা য়ারে। মরম অসিনা দৌজিক মহাসভানা অন্দোলন তৌরবসু অশোক অপম নংখ্রবীশিং অমসুং অবাবদা তারগনবা মুপিশিংগী অরাবা কোক্লনবা শাস্তি ওইবা পাম্বনা অন্দোলন তৌবা মতুম মহাসভানা মখোইগী মতেং পাংবনা হেন্না! যগনি হায়না রারেপ অহু অপোজ তৌখি ললিতামাধব শর্মা অমসুং বংকবিহারী শর্মানসু শ্রীমাধগী রাকম অহুদা সপোর্ট তৌখি। অসুম তৌনা কুইনা নৈনরক্লবা মতুংদা ভোং লৌনবা তারকহুনা ভোং পৌমখি ভো লৌনরকপা মতমদা জেনরেল সেক্রেটরী ওইরবা নোংমাইথেম থানিল সিংহদি ভোং পীখিদে। মেম্বর ৯ না ভোং পানরকপদা সভাপতিগী রারেপ অহু শোগংপগী ভোং ৪ তমক ফংলে। অহুগা রারেপ অহু অপোজ তৌরিবা মাধব সিংহগী মায়কৈদা ভোং ৫ ফংহনা সভাপতি ভোংতা মায়থিরে। অসুম তৌনা নরেন্না ইশিল্লবা মতুংদা মিটিং অহু লোইশিল্লে। মনিপুরগী প্রজা মীয়ামগী মহাসভাগী রার্কিং কমিটি ডায়নরম্বহুগী রাখল অহুগা তারিবা রারেপকদি চানবা রাংলে।

<u>মনিপুর প্রজা সম্মেলনা।</u>

মহাসভাগী রার্কিং কমিটিগী মিটিং লোয়রবা মতুংদ মাইনোরিটি তারবা মেম্বরশিং অহুনা ইরাবত সিংহগা লেয়নহনা লাক্লগা মোইরাংথোম জন্মস্থান্দা ইরাবত সিংহগী য়ুমদা ইরাবত সিংহনা সভাপতি ওইহনা মাইনোরিটী তারবা মহাসভাগী রার্কিং

কমিটী মেম্বর লাইখুরাম খগেন্দ্রজিং সিংহ কারাম বিদুর সিংহ, অমসুং ড. খলমযুম অমুশেলুং সিং ৪ অসিনা মিটিং অম চংখরে।




কারাম বিদুর সিংহ



হিজম ইরাবত সিংহ



লাইখুরাম খগেন্দ্রজিং সিংহ



তখেলমযুম অমুশেলুং সিংহ

মনিপুরদা লৈরিবা মীশিংনা ভাবদগী কাছারদা লৈকুবা ইরাবত সিংহনা মপানগী পাউ তাবা হেল্লখী। হায়রিবা মতম অসিদি ভারতকী মফম পুম্নমক্তা ব্রিটিশকী মথক্তা ভারত স্বাধীনতাগী কল্লবা লানফমথোংনরবা মতম্নি। ভাঙ্গা অসি ঐখোয়না নাপ্তোক হনবা চুমলোই হায়বসি ইরাবত সিংহনা হায়রখী। অতে মেম্বর শিং অহুম্মু বাখল অহ চপ মাটে। ওসিমক পোলিসলেন্দা প্রজা মায়ামগী ওইবা অচৌবা পব্লিক মিটিং অম তৌরগা মনিপুর প্রজা সম্মেলনী কৌবা রাজনৈতিক দল অমা শেমলগা লৈবাক মীয়ামগী ওইবা অচৌবা অন্দোলন অমা হওননবা হোৎনসি হায়না লেপ্পরে। পোৎশংবম তোমাল সিংহ, লাইশ্রম কাঙ্গাই সিংহ, লোংজম বজয় সিংহ, লাইশ্রম কুলবিধু সিংহ অনি-চিংবা কম্মি কয়ামুক্তি লুচিংবশীগী রা অদু তাপ্দবগী ভাইদু-না লৈরিবনী। লুচিংবশিংগা রারেপ অহ হেক খণ্ডবগা মখোয়না শোয়না চেন্দুনা পাউজেল পীখ্রে।

পব্লিক মিটিং

তাং ৭। ১ ৪০ ইংগী লুংলি পুং ২ তাবা মতমদা পোলিসলেন্দ লম্পাক্তা শ্রীলাইশ্রাম খগেন্দ্রজি সিংহনা সভা-পতি ওইদুনা প্রজা মীয়ামগী ওইবা অচৌবা পব্লিক মিটিং অম তৌরে। মিটিং অহুগা এলাংবম তোম্পোক সিংহস্মু য়াও-ররে। মহাসভাগী কম্মি কয়ামুকস্মু লাক্তুনা য়াওররে।

শ্রীহিজম ইরাবত সিংহনা মপীশিংগী হওরক্লিবা লানফম অহুবু শোগংতুনা শাংলবা ভাষন অম পীরে। চেঙ খুয়া ১ ফংনবগী চোংনদা ঈ খুয়া অনি মাঙবা. ব্রাহ্মনি য়াওনা মুপী কয়াগী ঈনা লৌখোংগুম চেনখিবা মনিপুরগী প্রজাশিংনা মহুগী মতিক চাবা লমন খুমগদবনি। মনিপুরদা ব্রিটিশনা লৈরি-

বা মথৈ লৌ-ইংখোলগী খাজনা থীদবা, চৌং, পাৎ পুন্নমক প্রজাশিংনা লেম্না চাবা ইংখোলদা হওবা তেরা পাম্বী পুন্নমক রাম্বেক্কদবনী, তুরেলদা হি লানবগী-থোং লানবগী খেরা পীরোইদবনী, পাচ্চ-মাপেংকী শেমখায় চন্দন শেমখায় পীরোইদবনী, পোংথাঙ-শন্দ্রি তৌররোইদবনি ! হায়রিবা থবক ময়াম অসি প্রজা পুন্নমক্না লিংজেল মান্নমা পুকচেল অমত্তা ওইনা তৌরসি। শান্তি ওইনা খুৎলাই-পাইদনা মথোয়গী অরাবা কোবপিযু হায়জকবী মুপীশিংদা ব্রিটিশকী সিপাহিশিংনা শংগিন্না থিন্দুনা ঈনা লোংশোং চেলহনখিবতুগীদমক নম্‌ংকো ওপরেসন অমসুং সিভিল দিশ-ওবিদিয়েন্স মুভমেন্ট হওতুনা আইন-অমান্য অন্দোলন তৌরগা ঐখোয় পুন্নমক্না জেলদা চংতুনা লমন মতিকচাম খুমগদবনি। ইরাবত সিংহগী রাকম অসিদা তিল্লিবা মীযাম্না খুবাক প্রোপ-প্রোপ খুতুনা য়ারে য়ারে হাযনা লাউনরকখি। অশুম তৌনা ইরাবত সিংহগী প্রপোজেল পুন্নমক মিটিং অদুনা যেংনবা ৈতনা পাশ তৌখি। অসিগুম্বা চাউরবা থবকশিং অসি পাঙথোক্নবগীদমক মনিপুর প্রজা সম্মেলনমী হায়না কৌবা রাজনৈতিক দল অমা শেম্মে। দল অসিগী রার্কিং কমিটিগী মেম্বর শংন খনখে।

রার্কিং কমিটীগী মেম্বরশিং

১) হিজম ইরাবত সিংহ —সভাপতি
২) এলাংবম তোম্পাক সিংহ —জেনরেল সেক্রেটরি।
৩) লোংজম বিজয় সিংহ - এশিস্টেন্ট "
৪) লাইখুরাম খগেন্দ্রজিৎ সিংহ - রার্ঙ্কং মেম্বর
৫) কারাম বিদুর সিংহ — " "
৬) ভবেলমযুম অমুশেলুং সিংহ — খুরাই "
৭) খোকচোম অঙৌ সিংহ — পীংজবৈ "

৮) হাওম্লাম নিত্যাই সিংহ — শীংজমৈ মেম্বর
৯) পোংশংবম তোমাল সিংহ — হৈরাংগোইথোং "
১০ লাইশ্রম কান্হাই সিংহ - সেগালম্বী "
১১) তখেলম্বম বকুল সিংহ — " "
১২) লাইশ্রম কুলবিধু সিংহ — " "
১৩) তখেলম্বম ইবোতোম্বী সিংহ - হোদাম লৈরক মেম্বর
১৪) তেনসুবম লক্ষেল সিংহ - তোপ "
১৫) মাইবম কোকচাং সিংহ — নহাকুপ "
১৬) লাইশ্রম রাম সিংহ — খুরাই "
১৭) লাইখুরাম ইবোবী সিংহ - রাঙ্খে "
১৮) মাইস্নাম গোপাল সিংহ - লমশাং "
১৯) অরিবম কুঞ্জবিহারি শর্ম্ম — য়াইস্কুল "
২০) মাইমোম মধুমঙ্গোল সিংহ — নম্বোল "
২১) ওক্রম ইবোমচা সিংহ — " "
২২) কারাম মনিক সিংহ - যুরেম্বম "
২৩) হাইশ্নাম চাউবা সিংহ —চৌংতামখা "
২৪) য়েন্সেম্বম গুলামজাং সিংহ - হৈরাংগোইথোং "
২৫) য়ুংখাম অঙৌ সিংহ —লাইরিকয়েংবম লৈকাই "
২৬) লোইতাম য়াইমা সিংহ —ব্রহ্মপুর নহাবম "

বার্কিং কমিটিগী মেম্বরশিং খল্লবা মতুংদা সভা লোইশিনখ্রে। মিটীংগী মফমদা মিটিং হৌক্লিঙৈ মমাংদগী পোলিসকি মীওই কয়া লাক্লুনা লৈখি। অদুম ওইনমক মিটিং অহৌদি মপুংফানা পাংথোকখ্রে। মথংগী নুমিৎতা পোলিসনা মনিপুর প্রজা সম্মেলনীগী প্রেসিডেন্ট ইরাবত সিংহগী মথক্তা কেশ অম লৌথখনবগীদমক থোরাং তৌখ্রে। মায়কৈ অমরোমদনা লাইশ্রম কুলবিধু সিংহনা লুচিংলুনা শেগালম্বিগী ভলন্টিয়ার কয়ানা জাং ৭ কী পব্লিক মিটীং হেক লোইবগা মনিপুর প্রজা পুম্নমক

ব্রিটিশ সরকারগী মথক্তা সিভিল দিশ-ওবিদিয়েন্স অমসুং নন-কো ওপ রেসন মুভমেন্ট হওখনবগী খারেপ লৌরে । অসুম তৌনা হওগদৌরবা চাউরবা অন্দোলন অসিনা ব্রিটিশকী সিপা-হি'শিংনা খুৎলায় পায়দনা শান্তি ওয়না অরাবা কোকপিয়ু হায়জকবী তুপীশিংগী মথক্তা শংগিন্না থিনখিবা অহুম লমন খুম্রগদবনি । তেংগদৌবিবা অন্দোলন অসিদা মনিপুরগী প্রজা পুম্নমক্না মপুংফানা শরুক য়াবিযু হায়না সহরগী মফম পুম্নমক্তা শাউহুনা চংখ্রে ।

তাং ৮ : ১ '৪০ ইংগী নুংথিলগী মতম ওইরক্লে । হায়রগুম্না পোলিসলেন্দ লম্পাক্তা প্রজা মীয়াম তিন্নরে । নুমিৎ অসিদা শ্রীঅরিবম কুঞ্জবিহরী শর্মানা পব্লিক মিটিং অহুগী সভা-পতি ওইখি । সভা হৌগংলকপা মতমদা শ্রীলাইশ্রম কুল-বিধু সিংহ ময়ামগী মরক্তগী পোলিসনা ফাখ্রে অমসুং জেল-দা থাজিনখ্রে । নুমিৎ অদুগী মিটিং অদু মহৌশাগুম্না শান্তি ওইনা মাংথিনা চৎথখিদ্রে । পোলিসকী মীওইশিংগা প্রজাশিং-গা খৎনা-চৈনবা কয়া থোরকপদগী মিটিং অদু অহুম্মক লোই-শিনখ্রে । মতম অদুদা খাইরম্বন বাজার, সেক্রেটরিয়েৎ ওফিস লৈরিবা অমসুং ফোর্থ আসাম রাইফলসকী কম্পাউণ্ড অসি মখে ব্রিটিশ রিজার্ভ হায়হনা লৈরম্মী । ব্রিটিশ রিজার্ভকী এরিয়া অসিদদি প্রজাশিংনা মিটীং নচিংবা তৌবা য়ারক্তবনা পোলিস-লেন্দা প্রজাশিংনা মিটিং তৌহনা লাকপনি । মদুসু C,R,P.C. গী ধারা ৪৪ জারিখ্রে, পোলিসলেন্দসু মিটিং তৌবা থিংখ্রে ।

ইরাবোত সিংহ ফাবা

তাং ৯ । ১ । ৪০ ইংগী অযুক অঙনবদা শ্রীহিজম ইরাবত সিংহ য়ুমদগী পোলিসনা ফাখ্রে ইরাবত সিংহবু পোলিসনা কাত্রিভৈগী মমাংদা, অদুক অঙনবদা ইরাবত সিংহগী য়ুমদা লাই

খুরাম খগেন্দ্রজিৎ সিংহ, লোংজম বিজয় সিংহ অমসুং লাই-ময়ুম ললিতমধব শর্ম্মা লাকখি। ললিতামাধব শর্ম্মাদি ডাই-হাক্তুং রারী শাসরম্লগা হনখি। খগেন্দ্রাজিৎ সিংহ অমসুং লোংজম বিজয় সিংহ অনিগা মখা চৎথগদৌরিবা সিভিল-দিশওবিদিয়েন্স অমসুং নন-কোওপরেশন মুভমেন্টকী মরমদা অকুপ্পা রারি শনখি। মখোয়না ডায়হাক্কী মতুংদা ইরাবত সিংহবু ফা-রগনি হায়বসি খঙলম্মী। মরম অহুনা ইরাবত সিংহনা জেলদা লৈরুবা মতমদা মতৌকরম্না অন্দোলন চৎগদগে হায়বহুগী মরমদা কুপ্পা নৈনখি। পোইন্ট কম্নামুক নৈনরবতুংদা ইরাবত সিংহ, মনিপুর প্রজা সম্মেলনীগী প্রেসিদেন্টকী থবক্তা য়েংশিন্ন-নবা খগেন্দ্রজিৎ সিংহদা শিন্নখি। ডাইহাকী মতুংদা পোলিস ময়াম লাক্নুনা ইরাবত সিংহ ফারে। পোলিস স্টেশন্দা য়ৌ-রম্লগা জেল তন্না পুরে মহু ফাওবা খগেন্দ্রজিৎ সিংহ, লোংজম বিজয় সিংহনচিংবা কম্নি' নয়া লোয়নরম্মী।

নন-কো-ওপরেসন

অমসুং

সিভিল দিশ-ওবিদিয়েন্স মুভমেণ্ট

তাং ৯।১।৪০ ইং ইরাবত সিংহবু ফাখিবা মুমিৎ অহু-মক্তদগী হৌরহুনা মুভমেন্টকী মরমদা প্রজা শম্মেলনীগী রাকিং কমিটিগী মরুওইবা মেম্বরশিং না থন্নবা হৌখ্রে। পোলিস লম্পাক অসিসু সি,আর,পি,সিগী ধারা ১৪৪ চলাইখিবা মরম্না মী তিন-বা য়াদ্রে। মরম অসিনা তাং ১১।১।৪০ ইংদা লফেলপাংতো পব্লিক মিটিং অম তৌরগা প্রোশেসন অম চৎনবা শেম-শাদ্রে। হ'য়রিবা নুমিৎ অসি। থোকচোম অঙৌ সিংহনা সভাপতি ওই-দুনা লফেল পাংতা অচৌবা পব্লিক মিটিং অম তৌরে মিটিং লোয়রবা মতুংদা প্রেশেসন অমা চংলে। প্রোশেসন অহু উরি-

পোক্কী শোরোক্কা লাক্লগা মপুল মপাল চৎলগা বৈশাখথোং লাম্মোক্তুনা পোলিসলেন্দ লম্বী চৎলগা রাংখৈ শোরোক চৎতু না মিনুথোং লাক্লগা লফেংা পাংতা লোয়শিন্নবগী খোংচৎখি। মিটিং অদুদা জুপী ময়াম য়াওরবসু প্রোসেশন অদুদাদ নুপী-শিং য়াওহন্দ্রে॥ প্রোসেশন অদু লাইশ্রম কান্হাই সিংহনা মচু অহুমগী ফিরাল অম পায়দুনা খ্বাঙ্গী মাঙদা চংখি। থাংগপাং মপাল য়ৌরকপা মতমদা মহারাজগী ওদরনা প্রোসেশনগী ময়াম অদু ফাদুনা সনাকোন্থংদা দিটেন তৌদুনা থমখি। মতম অদু-দা সিপাহিশিংনা ফুবসু য়াওখি।

নুমিৎ তারকপা মতমদা প্রোসেশনিস্ট ময়াম অদু থা দোকখি। ময়াম অদুগী মরক্তগী কারাম বিদুর সিংহ, তখেল-মযুম অমুশেন্দুং সিংহ অমসুং পোৎশংবম তোম্বা সিংহ (খা-পোংশংবম) অহুম অসি পোলিস্তা শিন্নখি। মীওইশিং অসি মথংগী নুমিৎতা পোলিসনা জামিন্দা থাদোকখি প্রোসেশন অদু দা মহারাজনা দিটেন তৌখিবা মীওইশিং অদু মী ২০০ রোম ওইগনি। মদুগী মনুংদা য়াওবা মীওই খরগী মিং মথাদা ঙংচরি। (১) লাইশ্রম কান্হাই সিংহ, (২) খোমচোম অঙৌ সিংহ (৩) পোৎশংবম তোমাল সিংহ, (৪) হুইশ্নাম নিত্যাই সিংহ, (৫ তেনসুবম লখেল সিংহ (৬) কারাম বিদুর সিংহ (৭) মাই-বম কোনঙাং সিংহ (৮) লাইখুরাম ইবোবী সিংহ (৯) পোৎ-শংবম তোম্বা সিংহ (১০) তখেলমযুম অমুশেন্দুং সিংহ (১১) শারুংবম নরতম সিংহ (১২) মোংজম ইবোচাতোম্বী (১৩) শা-রুংবম ইবোহল সিংহ (১৪) তখেলময়ুম বকুল সিংহ (১৫) অরি বম কুঞ্জবিহারী শর্ম্ম (১৬) বৈশাম বিশ্বরূপ সিংহ অসিনাচংবনি।

প্রোসেশন অসিদা লায়খুরাম খগেন্দ্রজিৎ সিংহ, এলাং বম তোম্পাক সিংহ জেনরেল সেক্রেটরী মণিপুর প্রজা সম্মেলনী

অমসুং লোংজম বিজয় সিংহ এসিস্টেন্ট সেক্রেটরি অহমদি য়াও-খিদে। ইরাবত সিংহবু ফাখিবদগী হায়রিবা মীশক অহুম অসি-দি অন্দরগ্রাউন্দা লৈবগুম্মা অহুপকী মতিক চেকশিন্না লৈখি। মনিপুর প্রজা শম্মেলনীনা হওগদোরিবা চাউরবা অন্দোলন অসিগী অকুপ্পা প্রোগ্রাম শেম্না তাবা অমসুং মহুগী চউরবা দায়িত্ব অহু লৈব মরম্না মখোয়না চেকশিন্না লৈখিবনি।



এলাংবম তোম্পোক সিংহ

মনিপুর প্রজা সম্মেলনীগী সভাপতী ইরাবত সিংহ, সরকারনা ফাদুনা জেলদা থমগ্রবা তুংদা চাওরবা অন্দোলন অদুবু তোম্পোক সিংহনা জেনরেল সেক্রেটরী ওইনা থোরা, তোথী মশামকন্না অন্দোলন্দা চঙশিনবদগী থা ৫ জেলদা লৈখি। তোম্পোক সিংহ, নিখিল মনিপুরী মহাসভাগীসু জেনরেল সেক্রেটরী ওইখি।



লোংজম বিজয় সিংহ

মনিপুর প্রজা সম্মেলনগী সভাপতি ১সুং জেনরেল সেক্রেটরি অনিমকা জেলদা লৈখ্রবা কান্দা এসিস্টেন্ট সেক্রেটরী বিজয় সিংহনা অমত ঙাম্নরবা ওফিস পুবা ওইনা অন্দোলন অহংগী মেনেজ তৌখি। ইংশোক ১৯৪৩দগী I.N.A. দা য়াওদুনা ভারত স্বাধীনতাগী লানকমদা শরুক য়াখি।


রাজকুমারী খোমদোনসনা দেবীগী

মেমোরেন্দম


মনিপুর প্রজা সম্মেলনগী প্রেসিদেন্ট ইবাবত সিংহগী লোয়নবী রাজকুমারি খোমদোনসনা দেবীনা তাং ১৬।১।৪০ ইংদা শিলংদা চংদুনা আসামগী গভর্নরদা হায়থেংননা মেমোরেন্দম অমা সবমিং তৌখি। রাজকুমারী খোমদোনসনা দেবীনা তাং ১৩।১।৪০ ইংদা ইম্ফালদগী শিলংগীদমক খোঙ লানখি। য়াইরিপোক বিষ্ণুহাদা লৈবা নিখিল মনিপুরি মহাসভাগী য়াইরিপোক ব্রাঞ্চ কমিটিগী সেক্রেটরি চনম ব্রজেশ্বরসিংহগা

লোয়নখিবনী হাকুমারিগী মেমোরেন্দম অদুগী মরু ওইবদি মনিপুর অসি চিঙাক হোঙবা অমদি মরাং কায়বা স্টেট অম ওইরবস্থু চেঙ তাঙহুনা প্রজাশিংবা চাবা ফংদবা তাঙা অম ওইরক্লে। মদুগীদমক অরানা কোক্লবা হায়দুনা মনিপুর স্টেট দরবারগী প্রসিদেন্টনা হায়জখী নুপী কয়াবু তাং ১১।১২।৩৯ ইংদা বেয়োনেট চার্জ তৌহনা অশোক-অপন কয়া থোকখি। শোক্লবা নুপীশিং অদু হৌজিক সিভিল হোসপিতালদা লাইয়েংলি। মপুরোইবা প্রজা সম্মেলনীগী প্রসিদেন্ট ইরাবত সিংহ হৌজিক্তি সরকারনা ফাদুনা জেলদা লৈব্রে। মরম অসিনা গর্ভনরনা হৌরম অসিদা য়েংশিনবীয়ু হায়বা মেমোরেন্দমনি।


তাং ১৩।১২।৪০ ইংদা রাইস মিল থুদেবলুবগীদমক রাইস মিলগী ওনরনা কেস অম তৌরকপদগী তাং ১৮-১-৪০ ইংদা নুপী লিদর মঙা পুলিসনা ফাখ্রে।




বাহেংবম ওংবী
তোংখোম্বী দেবী




সিনাম ওংবী ইবেমচা দেবী



নোংথোম্বম ওংবী খোংনাং দেবী



ওইনাম নিংথৌজা ফেজিময়ুম ওংবী মুখি দেবী



মোইরাংথেম নিংথৌজাম অমুবী দেবী

তাং ১৮-১-৪০ ইংদা পোলিসনা ফাখিবা নুপীলানগী লিডর (১) শ্রীমতি রাজকুমার ওংবী তোংখোম্বী দেবী (২) নোংথোম্বম ওংবী খোমাং দেবী (৩) ওইনাম নিংথৌজা ক্ষেত্রিমযুম ওংবী মুখি দেবী (৪) মোইরাংথেম নিংথৌজা অমুবী দেবী অমসুং (৫) সিনাম ওংবী ইবেমচা দেবী নুমিৎ অমমক্তদা জেলদা থাজিনখ্রে।

য়াইরিপোক মায়কৈরোমদা লৌ ইংখোলগী খাজনা থৌবগীদমক মহৌশাগুম্না রিভিনিয়ু দিপার্টমেন্টকী কেরানীমচিংবা লাকপা মতমদা লাইশ্রম মেরা, থিয়াম নিংথৌজাও সিংহ অমসুং চনম ব্রজেশ্বরমচিংবা মহাসভাগী য়াইরিপোক ব্রাঞ্চ কমিটিগী মেম্বর শিংনা প্রজাশিংদা য়াইরেক সম্রি চঙহনখিস্রে। মখোয়না ইম্ফালদা হল্লগে পোৎ পুবিয়ু হায়বদগী কনা অমত্তনা পুবিজহন্না মখোয় মশা মশানা মখোয়গী মপোৎ মচৈ পুহন্না চৌকিদারগা লোয়ননা ইম্ফালদা কাখ্রে। ইম্ফাল য়ৌরগা ওথোরিটিদা রিপোর্ট অম থাগৎখ্রে।

খুর'য় মায়কৈগী নুপী মীয়াম্না চুংখাম ওংবী অমৌবীগী লুচিংবগী মখাদা লম্বীদা চৎপা কৌ গাড়ী অম কাদ্না চাই খাইখ্রে। মদুগী কোর্টতা রিপোর্ট তৌখ্রে।

হৈরোক রাংজিং মায়কৈরোমদগী নুপী ময়াম্না হৈরোকতা লৈবা ফোরেস্টকী টোল ষ্টেসন থুগায়খ্রে! খুঙ্গাশিংনা শীংদগী শীং খর খর যাঙ্গবদা করিগী মাগুলৌগদৌরীবনো হায়দুনা থুগায়খীবনী। কৌ গাড়ী অমসু ইম্ফাল কাগদবগী থৌরাং তৌদুনা লৈরমলে হায়দুনা নুপী ময়াম্না চাইখাইখ্রে। মদুগী রিপোর্ট তৌখ্রে।

নম্বোলদসু মোংজম ওংবী তোম্বী দেবীনা লুচিংদুনা নুপী ময়াম্না নম্বোল পঞ্চায়েৎ থুগায়খ্রে। মদুগী রিপোর্ট থাগৎখ্রে।

হরাওরৌ তাংখম মায়কৈগী প্রজাশিংনা মনিপুর প্রজা সম্মেলনীগী জেনরেল সেক্রেটরী এলাংবম তোম্পাক সিংহগী লুচিংবদা মখাদা লম্ফেলশোয় পাট্টা কুমহুনা প্রজা মীয়াম্না পাংকী পাট্টাদারগী অয়াবা য়াওদানা ঙা ফাদোক্লে। মদুগী রিপোর্ট থাগৎখ্রে।

শগোলমাং উয়ুমপোক মায়কৈগী প্রজা মীয়াম্না তখেলময়ুম অমুসেগুংগী লুচিংবগী মখাদা ইরিল তুরেলদা কুমহুনা পাট্টাদারগী অয়াবা য়াওদানা নমহুনা ঙা ফাদোক্লে। পাংকী পাট্টাদার মোংথোম্বম তাম্র সিংহনা কোর্টতা রিপোর্ট তৌখ্রে।

পুখাউ মায়কৈদসু মামুম অমু সিংহগী লুচিংবগী মখাদা পুখাউ পানা ৪গী প্রজাশিংনা ইরিল তুরেলদা কুমহুনা পাট্টাদারগী অয়াবা য়াওদানা নমহুনা ঙা ফাদোক্লে। পুখাউ ইতুপকী পাট্টাদার, শীংজমৈ ওক্রম লৈকাইদা লৈবা সাইখোম ভগৎ সিংহনা কোর্টতা রিপোর্ট তৌখ্রে।

পুখাউ ইরানফমদা লৈবা খেরাগী হি অহুসু শেল পীবা লৈতনা প্রজাশিংনা নমহুনা হি লাম্লে। মদুগীদমক খেরাগী পাট্টাদার শ্রীমধু সিংহনা কোর্টতা রিপোর্ট তৌখ্রে।

পাংশোই-য়ুরেন্সম মায়কৈগী খুঙ্গং কয়াগী প্রজাশিংনা য়ুরেন্সম দা লৈবা কারাম মনিক সিংহগী লুচিংবগী মখাদা রিভিনিয়ু দিপার্টমেন্টকী থান্না থেঁবা লাকপদা পোংথাঙ- শক্তি চঙখিব্রে মহুগী রিপোর্ট থাগৎখ্রে ।

লম্বান তেরা-উরক্লচিংবা মোংচুপ মায়কৈদা, উরিপোকতা লৈবা হিজম শামু শিংকমা ইংখোলদা হওবা তেরা শাম্বী পুন্ন-মক য়'ংখোকখ্রে য়াম্বোরবা উশিং অহ ইংখোল মপু মপুদা শীং থামজবা পীখোক্লমলে । মহুগীদমক শামু সিংহগী মথক্তা কেশ অম থাগৎখ্রে ।

মোংপোক কমেংদা লৈবী রারিবম নিংঙোল খুম্বোংময়ুম ওংবী জাক্তি দেবীনা তাউরেম নিংঙোল কোজেংবম ওংবি লৈ-ফোন দেবী (মুংশোয়)গা লোয়নমা ওর্গেনাইজ তৌহুমা লম্লাই চলৌ পুংদোংবম, শেক্তা অসিমচিংবা খুঙ্গংগী নুপী ৫০০ রোমনা ওখ্রুল রোদকী থালতাবীদ' তুকান ফম্লিবা খুল্লাকপম থম্বৌ সিংহ, লৈরেন সিংহ অমিগী গোদাউন থুগায়খ্রে । গোদাউনশিং অহুদা লৈরম্বা ফৌ-চেঙ,থোইদিং লশিং পুন্নমক চাইথাইদুনা মাঙহনখ্রে । হায়রিবা নুপী ৫০০ রোম অসিনা লম্লাই কৈথেলদা পুল্লগা মাইল ৭ লোম (কিলোমিটর ৯/১০'রোম লাপনা মখোঙনা চৎলগা হায়রিবা থবক অসি পাঙথোক্লুরিবনি । মথংগী নুমৎতা হায়-রিবা নুপী ৫০০ রোম অসিন ইম্ফালতান্না প্রোসেশন লাকখি ।

তাং ১৩।১২।৩৯ ইংগী পব্লিক মিটিংগী ররেপ মতুংইন্না খ্বায়রম্বন্দ কৈথেলদা নুপীশিংনা কৈথেল কা-খিব্রে। পোলিসশেন্দা থর অতুগা থরনা চৈরাপ লম্পাক্তা কাখ্রে । মতম অহুদা উরিপোক শগোলবন্দ মায়কৈদা লৈবা নুপিশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌনখি। পোলিসনা ঙাক্তুনা তু-কান থোং হাংদুনা পোং য়োলহনখি । তুকান্দগী ফিমচিংবা লয়রকবগা পুরনপশিং অহু নুপিশিংনা মুন্দুনা শেগায়বা ফাওবা য়াওরখি । মহুদগী থৎন-চৈনবা কয়া য়াওখি । ফাহুনা জেলদা

পীবমু য়াওখি। খ্বায়রম্বন্দ বাজারগী রাথে ক্তা শরুক য়াখিবীশিং-গী মরক্তা পনবা য়াবা মরগী মিং পমজরি শ্রীমতি তায়েন-জম নিংথোল মাইবম ওংবি অঙোবী দেবী, গুরময়ুম নিং-থোল মমোরময়ুম ওংবী ইন্দুমখি দেবী, হজারিময়ুম নিংথোল শামুরাইলাৎপম ওংবি চাওবাহন দেবী, চম্ দেবী, মাইপাকপি দেবী, রাজকুমারি সুমজাওবী দেব (তেরা কৈথেল)। নোংমা তুকান্দগী ফি লৈকদুনা থোরবপা মীপা অম, মহাক্না লৈশরি বা ফি অদু রাজকুমারী স্নাজাওবিনা মূরবদগী ফি মূন্নবদা মীপা অদুগী শেংলিবা ফৈ জাম অদু পায়দুনা চিংনুবগীদমক এজেন্সি পোলিসনা মনাজওয়ী দেবীবু ফাদুনা ফেংদা পীখি শ্রীমতি লৈবাকলৈ দেবীনা নোংম মীপা দগী ফি লৈরুবদগী মূল্লুবগীদমক ফাদুনা লৈবাকলৈ দেবীবু পি এ না শা ১গী জেল পীখি লৈবাকলৈ দেবীবু পোলিসনা জেল তান্না পুবগী লম্বীদা শ্রীমতি শবী দেবীনা লৈবাকলৈবু জেল পীবা য়াবিংদে হায়-দুনা পোলিসকী মখুৎতগী মুমখি। মদুগীদমক তোংব্রম নিংথোল শবী দেবীবু পোলিটীকেল এজেন্ট সাহেবনা থা ৬ ফাদোক পীখি।



তোংব্রম নিংথোল শবী দেবী

Darbar Criminal Case No. 2 of 1940
of dt. 8.3.40
Under Section 188 I.P.C.
Manipur State
Vs.
Laishram Kulabidhu Singh of Kwakeithel.

লাইশ্রম কুলবিধু সিংহ, তাং ৮। ১। ৪০ ইংদা পোলিসলেন লম্পাক্কী পোলিসনা ফাহুনা জেলদা লৈরকপনি। মণিপুর ষ্টেট দরবারনা তাং ৮। ৩। ৪০ ইংদা বিচার তৌরগা I.P.C. গী Section ১৮৮ গী মতুং ইন্না মরাল লৈরে হায়দুনা থা ৪ থবক শুদবা জেলদা (simple imprisonment) কাদোক পীখি। কুলবিধু সিংহ য়াম্না নহা ওইনা ইংশোক ১৯৪৪ দা লৈখিদ্রে।

Darbar Criminal Case No. 4 of-1940
dt. 12/3/40
Under Section 124(A) I.P.C.

তাং ৯। ১। ৪০ ইংগী অয়ুক অঙনবদা ময়ুমদগী পোলিসনা ফাহুনা জেলদা থমখিবা ইরাবত সিংহ, মণিপুর ষ্টেট দরবারনা তাং ১২। ৩। ৪০ ইংদগী বিচার তৌবা হৌখ্রে। মসিগী মমাংদা পোলিস ষ্টেসন্দা পুথোক্নুনা তাং ১৭। ১। ৪০, ২৩। ১। ৪০, ৬।২।৪০ ৫। ৩। ৪০ ইংদা ইস্ত্রোগেসন চৎথখি। বিচার হৌখ্রবা মতমদসু তাং ১৯। ৩। ৪০ ইংদসু পোলিসনা ইস্ত্রোগেসন চৎথখি। মণিপুর ষ্টেট দরবারনা তাং ১২। ৩। ৪০ ইং ১৩। ৩। ৪০, ১৪। ৩। ৪০, ১৮। ৩। ৪০ অমসুং ২১। ৩। ৪০ ইংদা কেশ চৎথখি। তাং ২১। ৩। ৪০ ইংদা লোইরদুনা জজমেন্ট পাশ তৌখি। দরবারগী

জজমেণ্ট অদুদা ইরাবত সিংহনা তাং ৭ । ১ । ৪০ ইংগী পোলিসং লেন্দগী পব্লিক মিটিংদা পীখিবা ভাষণ অদুগী মথক্ত, চার্জ তৌহুনা I P C. S.ction ১২৪ (ক) গী মতুং ইন্না চহী ৩ থবক শুদবা জেলদা ফাদোক পীবগী বাই তাখি। মণিপুর ষ্টেট দরবারগী জজমেণ্ট মথাদা উৎচরি।

In the Court of Manipur State Darbar
Criminal Case No. 4 of 1940
Manipur State
Vs.
Hijam Irabot Singh, s/o Late Ibungohal Singh of Yaiskul, Janmasthan.

Judgement Passed on 21/3 40

The prosecution story is that the accused delivered a lecture in the Police Bazar on the 7th Jan 1940.

During the course of which he made remarks of a seditious nature P.W.No. 2&3 were present at the meeting and made notes recording the portion of speech which, in their opinion, were seditious.

One of the passage recorded and reported by P.W. 2 is as follows :

"Remember the telegraph office incident. We b gged for rice and in return recieved bayonate wounds and wound from gunbutts. For one-handful of rice we paid two handfuls of blood. Had we not paid blood we should not have succeded in closing the export of rice. The export of rice has been stopped and the mills closed at the

cost of blood of Brahmani. Woman folk have shed their blood for the sake of food and the man folk should no longer remain silent through fear of arrest and going to jail. Be determined, it is no right to be afraid of jail walls. See what was the condition of Japan and Russia. Rise up and be united. The Women's work is finished and now has come the time for the man, let us take revenge for the split blood of the Brahmani...........!"

In the circumstances the Darbar maintained the accused' speech which was a gross misrepresentation of fact was ne which would be highly succesful in bringing int hatred and exciting dissatisfaction towards the state authority.

The Darbar, therefore, find the accused guilty of making a seditious speech under section 124(A) I.P.C sentenced him to a term of three years S.I.

Sd/- T. A. Sharpe. Sd/- L M.I.H Singh
Sd/- Bhaskar Singh. Sd/- M K. Priyobrata Singh.
Sd/ S N Singh. Sd/-S S Singh. 21/3 40.

Darbar Criminal Case No. 10 of 1940
dt. 16/3/40
Under Section 107 I.P.C.
Manipur State
Vs.

(1) Wahengbam Ongbi Tongkhonbi Devi (Tongou Devi) of Wahengbam Leikai.
(2) Nongthombam Ongbi Khongnang Devi of Sagolband

(3) Oinam Ning 1Kshetiimayum Ongbl Mukhi Devi of Wangkhei Angom Leikal
(4) Moirangthem Ningol Amubi Devl
(5) Sinam Ongbi Ibemcha Devi, accused.

একুইজদ মঙা অসি তাং ১৮।১।৪০ ইংদা ফাহনা জেলদা থমখী-বনি। তাং ১৬।৩।৪০ ইংদা মণিপুর ষ্টেট দরবারনা বিচার তৌবা হৌরে। তাং ১৯।৩।৪০ ইংদা থা ২গী মতুংদা বিচার লোইরে। বিচারগী রাই অহুদা শ্রীমতী তোংখোম্বী দেবী, খোংনাং দেবী, মুখি দেবী অমস্তুং অমুবী দেবীবু I P.C. Section ১০৭ কী মতুং ইন্না থা ৯।৯ থবক শুদবা জেলদা (simple imprisonment) তা ফাদোক পীবগী রাই তাখ্রে। অহুগা ইবেমচা দেবীগী মরাল চাউনা লৈতে হায়হনা থাদোকখ্রে।

Darbar Criminal Case No. 11 of 1940
dt. 14/3/40
Under Sectlon 188 I.P.C.
Manipur State
Vs


1. Wangkheimayum Bokul Singh of Pechi.
2 Puyam Mohori Singh of Wangkhem.
3. Huidrom Ningthou Singh of Yairipok Huidrom Leikai.
4. Mahamdali Mia of Singa.
5, Chanam Brojeshor Singh of Yairipok Bishnunaha
6. Khangembam Tollangou Singh of Pechl.
7. Oinam Angahal Singh of Pechi.
8. Khangembam Manaoton Singh of Pechi.
9. Thingom Angaton —do -

10. Charam Ahongjao Singh of Bishnunaha.
11. Laisbram Mera —do—
12. Thiyam Ningthoujao Singh of Charangpat.
13. Akojam Chaoyaima Singh of Bishnunaha.
14. Keisham Bokul —do—

মথক্কী মীওই ১৪ অসি লৌরুংশংগী কেরানীনা খাজনা থোৌবা লাক-পদা প্রজাশিংবু পোৎথাত সল্পি চঙদনবা অন্দোলন তৌবগীদমক তাং ১০।৩।৪০ ইংদা পোলিসনা ফাখি।

মীওই ১৪ অসিগী মনুংদা লাইশ্রম মেরাসিংহ, থিয়াম নিংথৌ-জাও সিংহ অমসুং চনম ব্রজেশ্বর সিংহ অহুম অসি জেলদা থাজিন-খরে অতুগা মীওই তরামাথোইবুনা মথংগী মুমিত্তা জামিন্দা থাদো-কখ্রে। তাং ১৪।৩।৪০ ইংদগী বিচার হৌরে। তাং ৬।৪। ৪০ ঈংদা বিচার লো ইতুনা জজমেন্ট পাস তৌরে। (১) লাইশ্রম মেরা, (২) থিয়াম নিংথৌজাও সিংহ, (৩) চনম ব্রজেশ্বর সিংহ (৪) কৈশাম বকুল সিংহ (৫) কোইজম চাওয়াইমা সিংহ (৬) হুইদ্রোম নিংথৌ সিংহ (৭) পুয়াম মুহোরি সিংহ (৮) মহ-মদালি মিয়া (৯) রাংথৈময়ুম বকুল সিংহ অমসুং (১০) খাঙে-ম্বম তোল্লঙৌ, তরা অসিবু আই, পি, সি, সেক্সন ১৮৮গী ইতুং ইম্না মথোয় খুদিংদা লুপা ২৫।২৫ জরিমানা তৌরে। জরীমানা অসি ওর্ডর তৌবা মুনিৎ অসিদগী চয়োল ১গী মনুংদা থীগদবনি। থী-হৌদবশিং অতু মুনিৎ ১৫।১৫ নি থবক্ক শুবা জেলদা ফাদোক পীবা হায়না রাই তারে। অতুগা ওইনাম অঙাহল, খাঙেম্বম মনাওতোন সিংহ, থিংঙোম অঙাতোন অমসুং চনম অহোংজাওবু থানিং তৌরগা থাদোক্লে। লাইশ্রম মেরা সিংহ, থিয়াম নিংথৌজাও সিংহ অমসুং চনম ব্রজেশ্বর সিংহ জরিমানা থীদবগীদমক ফাদোক্ পীখ্রে। কৈশাম বকুল সিংহ, কোইজম চাউয়াইমা নিংহ অমসুং হুইদ্রোম নিংথৌ

সিংহ অহুমদি জরিমানা থীরদ্রে অদুগা মশা মশাসু লংফৈদা চংথি- বদগী মখোযগী মচাশিং জামিন্দারশিং অদু তাং ২২।৪।৪০ ইংদা ফাহুনা জেলদা থম্মে। পুযাম মুহোরি সিংহ, মহমদালি মিযা, বাংখৈমবুম বকুল সিংহ অমসুং খাঙেম্বম তোম্বঙৌ সিংহবুনা মতম চানা জরিমানা থীদোকপদগী থাদোকখ্রে। মতম অহুগী শেল লুপা ২৫ অসি ফে রানবা তাববদি ফৌবোং ২০ দি ফংলবা মতম্নি। কৈশাম বকুল সিংহ অমসুং কোইজম চাউযাইমা সিংহ ২না এপ্রিল ৩০ দা লংফৈদগী হল্লক্লগা জরিমানা থীদোক্নু না মখোযগী মচাশিং জেলদগী লৌথোকই। হুইদ্রোম নিংথৌসিংহনা ওক্তোবর ২৯দা লংফৈদগী হল্লক্লগা জরিমানা থীদোক্নুনা মহাক্কী জমিন্দার অহু জেলদগী লৌথোকই। লাইশ্রম মেরা অমসুং থিযাম নিংথৌজাউ



শ্রীলাইশ্রম মেরা সিংহ

সিংহ অনিদি জমি থীদবগী ফাদোক পীরবা মতুংদ জমি থীদবগী- নি হাযহুনা মন্নৌ নিলাম লাউথোকখি। লাইশ্রম মেরা সিংহগী নিলাম লাউখিবা লৌ অহুগী পাট্টা নং $\frac{102}{4224}$ নী। নিলাম তৌরিবসি ওদরগা চানদে হায়হুনা মতম শাংনা লৌশালস্থ পীদনা দখল তৌহুনা লৈরবপদগী দিক্রি তাহুনা দিক্রি নং $\frac{149}{50}$ গী মতুং হন্না

মহাক্কী (লৌ পরি ১ য়োম চাউবা ইংখোল) পাট্টা নং $\frac{102}{1}$ য়ুম; শংগোই. কয়া পুন্না নিলাম লাউখ্রে। লৌ পাট্টা নং $\frac{102}{554}$, $\frac{102}{429}$, $\frac{102}{003}$ লৌ পরি অমগা মরাক হেনবস্থ নিলাম লাউথোকখ্রে। মেরাসিংগী পুন্না মাঙখ্রিবা অসি হৌজিক্কী মতমদা পারবদি লুপা লাক্ষ অহুমলোম ওইবা য়াই।

JUDGEMENT

Copy of Order Passed on 6.4.40

All accused are present.

Accused No. 1 (W. Bokul). 2. (P. Muhori), 3. (H. Ningthou), 4. (Mahamdali Mia). 5. (Ch. Brojeshore), 6. (Kh. Tollangou). 11. (L. Mera Singh), 12. (Th. Ningthoujao), 13. (K. Chaovaima), and 14. (K. Bokul) admit that they have refused to give santry and assert that they will refuse to give santry in future. All the accused are found guilty of disobedience of lawful orders U/S 188 I.P C. and are ordered to pay a fine of Rs 25/- each. In defauit 2 Weeks R. I. Fine to be paid within 1 Week' time.

Accused No. 7. (O. Angahal), 8. (Kh. Manaoton), 9 (Th Angaton) 10. (Ch. Ahongjao) all say that they intended (blurred and found In term conditions) of joining santry. As it is possible that they are mislead by certain ringleaders.

The Darbar have decided t6 let them off with a warning.

Sd/- Illigible Sd/- S.S, Singh Sd/- Piiyobrata

6.4.40

বারুনী লম্বীগী থেৱা থুগায়বা।

ম্যাওশঙ মতুং ওইদুনা বারুনী মুমিং নকশিল্লরবা মতমদা কারাম বিদুর সিংহনা লুচিংদুনা নহারূপ তোপ মায়কৈদা লৈবা মণিপুর প্রজা সম্মেলনীগী মেম্বরশিংগা কুপ্পা তান্নদুনা লৈরে। বারুনী মুমিংকী লোংমগী মমাংদা ইরিল মপান্দা লৈবা মরু ওইনা তোপকী প্রজাশিংগী মতেং লৌরগা ইরিল তুরেলগী মথক্তা অনৌবা বাগী থোং অমা শাবে। ইরিল তুরেল লানবগী থেৱাগী থবকীদমক সবকায়না নিলাম তৌদুনা যোল্লগা তুরেল অদু থোং শান্দনা নত্রগা হিদা লানবা মতমদা মী খুদিংদগী পৈশা লৌবনী। মতম অদুদা মী অমদা পৈশা ২।২ লৌই। প্রজাশিংনা অনৌবা শারিবা থোং অসিদা লানবদি প্রজাশিংবু শেল তিংহন্দ্রে, ফ্রিদা লালহল্লে। থোং শারিবদুসু মদুগীদমক্তনি। ঠিকাদারনা হান্না শারিবা থোং অদুদি অমনবসু ওইরে, কনবসু থবা য়াংলে অদুনা শেলসু লৌবানিনা প্রজাশিংনা থোং অহনবা অদুতদা অয়াম্বা লান্নবে। ঠিকাদার কাজি সনাজাওবনা রিপোর্ট তৌবদগী দববারগী প্রেসিদেন্ট T. A. Sharpe মশামক ম্যাওনা স্পোর্ট ইনক্যারী লাক্লমলে।

মথংগী মুমিত্তা থোং শাবগী থবক্তা লুচিংদুনা অন্দোলন তৌরিবা অন্দোলন কারিশিংবু কাননবগী পোলিস পার্টি অমা লাক্লে। কারাম বিদুর সিংহ, বাংখৈ, তেনসুঙম লক্ষ্মণ সিংহ, তোপ, মাইবম কোকঙাং সিংহ, নহারূপ, নামৈরাকপম নীলসিংহ, নহারূপ, খোকচোম সেলুং সিংহ, নহারূপ অমসুং নিংঙোম্বম সঙ্গাইনিংখো সিংহ, নহারূপ হায়রিবা মীওই তরুক অসিনা তৌরিবনি হায়দুনা ফারে। মথংগী নুমিত্তা জামিন্দা থাদোরক্লে। তাং ৩০।৩।৪০ ইংদা মণিপুর ষ্টেট দরবারনা বিচার তৌরে। কারাম বিদুর সিংহগী মথক্তা লুপা ৫০ জরিমানা তৌরে অদুগা অতৈ ৫ অদুবুনা লুপা

২৫/২৫ জরিমানা তৌরে। জরিমানা অসি চয়োল অনিগী মনুংদা থীগদবনি। মতুংগী মনুংদা থীদ্রবদি কারাম বিচুররবুনা থ' ২ থবক শুবা জেলদা কাদোক পীবা অতৈ মঙা অহুবুনা থা ১।১ থবক শুবা জেল-দা কাদোক পীবা হায়না রাই তারে। থোকচোম সেলুং সিংহ, নিংথোম্বম সঙ্গাইনিংথৌ সিংহনা মতমচানা জরিমানা থীদোক্কুনা থাদোক্লে। কারাম বিচুরগী লৌ-লৌরাক অমগা য়ুম অমগা ইংখোল অমগা নিলাম তৌতুনা য়োম্থোকখ্রে। লম্ফেল সিংহ, কোকভাং সিংহ, নীলসিংহদগীসু মতম থরা চঙনা হোংনরগা জরি-মানা অতু ফংননবা হোংনতুনা পোং-চৈ মংতুনা য়োম্থোকখি। মতুং-দদি খেবাগী নিলাম তৌখিদ্রে।

Darbar Criminal Case No. 15 of 1940
dt. 27/4/40
Under Section 143 I.P C.
Police F I.R. Case No. 111 of 1939-40

Manipur State
Vs

1. Chungkham Ongbi Anoubi Devi of Khurai Lamlong.
2. Angom Ningol Thoudam Ongbi Sija Devi of Khurai.
3. Leishungbam Ongbi Tombi Devi of Khurai.
4. Chirom Ongbi Chaobi Devi of ,,
5. Soibam Ongbi Mera ,, ,, ,,
6. Wahengbam Ongbi Tombi Devi , ,,
7. Mutum Ongbi Chaobi ,, , ,,

8. Pukhrambam Ongbi Ibemni Devi of Khurai.
9. Senjam Ongbi Chaobi Devi of Porompat Kshetri Leikai.

মথকী কেশ অসি লমলোং বাজারদা লম্লাইরোমদগী অহিংদা ফৌ গাড়ী অমা কারকপাকান্দা খুরাই মায়বৈগী মুপী ময়াম্না গাড়ী অতু ফাদুনা চাযথাইখিবগী মরমদা ফৌ মপু অদুনা তৌরকপা কেশকী মতুং ইন্না মুপী ৯ অসিবু তাং ১৯।৩।৪০ ইংদা পোলিসনা ফাদুনা জেলদা থাজিনখি। মুমিং মঙানিগী মতুংদা জামিন্দা থাদোকখিবনি। মণিপুর ষ্টেট দরবারনা তাং ২৭।৪।৪০ ইংদা মখোযগী কেশ অসিগী বিচার তৌরে। I.P.C. গী সেক্সন ১৪৩ গী মতুং ইন্না মখোয খুদিংদা লুপা ১০।১০ জরিমানা তৌখি। জরিমানা অদু পেডর তাবা নুমিত্তগী চযোল ১গী মনুংদা থীগদবনি। মদুদা শোযবগা নুমিৎ ১৫ নি ১৫ নি থবক শুবা জেলদা ফাদোক পীবা হংবনা রাই তারে। রাই অদুগী মতুং ইন্না মখোয খুদিংমক মতমচানা জরিমানা থীদোক্কনা থাদোকখি।

Darbar Criminal Case No. 16 of 1940
Dt. 25 5.40.
Under Section 143 I.P.C.
Poiice F.I.R. Case No. 112 of 1939-40

Manipur State
Vs

1. Takhelchangbam Ningol Nungsirei Devi of Wangjing
2 Chirom Ningol Thambal Devi of Wangjing.

3. Laishram Ningol Leirenjaobi Devi of Lamding.
4. Moirangthem Ongbi Leimaton Devi of Lamding.
5. Naorem Ongbi Keina Devi of Wangjing.
6. Konsam Ningol Konu ,, ,, Heirok
7. Khumanthem Ningol Malika Devi ,,
8. Khundrakpam Ningol Thokchom Ongbi Thaballei Devi of Heirok.
9. Laishram Ningol Ningthoujam Ongbi Khumallei Devi of Heirok.
10. Laishram Ningol Moirangthem ,, Kondollei Devi of Heirok.
11. Oinam Ningol Angomcha Devi of Thoubal Athokpam
12. Laishram Ongbi Tampha Devi of Heirok
13. Khoidongbam Ningol Nongmaithem Ongbi Chaobi Devi of Wangjing
14. Phijam Ningol Moirangthem Ongbi Keina Devi of Wangjing
15 Ngangbam Ningol Chongtham Ongbi Thamballei Devi of Wangjing.

হৈরোক অমদি বাংজিংগী নুপী ময়াম অহুনা সিভিল দিস-ওবিদিয়েন্স অমদি নন-কো-ওপরেসন মুভমেন্টকী শরুক ১ ওইনা হৈরোক্কা লৈবা কোরেষ্টকী তোল ষ্টেসন অমা থুগায়খি। ঠিকা-

দারগী রিপোর্ট মতুংইন্না মথক্কী নুপী ১৫ অসি তাং ২২।৩।৪০ ইংদা পোলিসনা ফারগা জেলদা থাজনখি।

য়ুম্নাম নিংভোল থমজেৎ দেবী, ৱাংজিং, য়েন্দ্রেম্বম নিংভোল শবী দেবী, লমদিং, য়েন্দ্রেম্বম ওংবী অঙাংপেম্মা দেবী, লমদিং, নহাকপম ওংবী বারুনী দেবী, লমদিং, নিংথৌজম ওংবী লৈরিক দেবী, হৈরোক, তোঙ্গম ওংবী লৈহাউ দেবী, হৈরোক, হায়রিবা নুপীশিং অসি পোলিসনা মখোয়দা হংবা য়াবা মথৈ হংলগা মখোই-গী ষ্টেটমেন্ট লৌরগা থাদোক্লমলে। জেলদা ফাতুনা থমখিবা নুপী ১৫ অতু তাং ৩১।৩।৪০ ইংদা জামিন্দা থাদোরকখি। তাং ১।৪।৪০ ইংদা মণিপুর ষ্টেট দারবারনা কেশ রেজিষ্টার তৌরগা তাং ২।৫।৪০ ইংদা বিচার তৌননবগী ওর্ডর তৌখি। তাং ২।৫ ৪০ ইংগী বিচার গী নুমিৎতা মখোয় ১৫গী মনুংদা ১০ দমক কারক্লে, ৫দি কারক্তে। কারকপা ১০গী ষ্টেটমেন্ট লৌরগা তাং ২৫।৫।৪০ ইংদা অমুক বিচার তৌনবগী লেপ্লে। মতুদা মখোয় পুম্নমক কারক্লবগী ওর্ডর তৌরে। কেশতা কারকখিদবা নুপী মঙাদুগী মমিং উৎচরি—(১) কোন্সম নিংভোল কোন্থু দেবী (২) খুন্দ্রাকপম নিঙোল থাবল্লৈ দেবী, (৩) মোইরাংথেম ওংবী কোন্দোল্লৈ দেবী, (৪) লাইশ্রম ওংবী তম্ফা দেবী অমসুং(৫)খোইদোংবম নিংভোল চাউবী দেবী, মঙা অসি-নি। তাং ২৫ ৫।৪৯ ইংদসু খুন্দ্রাকপম নিঙোল থাবল্লৈ দেবী, মোইরাংথেম ওংবী কোন্দোল্লৈ দেবী অমসুং লাইশ্রম ওংবী তম্ফা দেবী অহুম অসিদি কারকত্রে, অতৈ ১২ দি কারক্তুনা বিচার তৌরে। কেশ অনিরক কারকতবা নুপী অহুম অসি, মখোয়-গী জামিন য়ারিবশিংগা লোয়ননা ফাগৎলগা তোপ্পা বিচার তৌরগনি হায়না রাই তাথ্রে। অতৈ ১২ অদুগী মনুংদসু (১) নুংশিরৈ দেবী (২) থম্বাল দেবী (৩) লৈরেনজাউবী দেবী (৪) লৈমতোন দেবী অমসুং (৫) নাউরেম ওংবী কৈন্যা দেবী মঙা অসি মখোয়গী অতোপ্পা কেশ অমদসু চেন্নকা মীশক ওইবা

অমসুং কেশ অদুসু দরবার ম্নৌবক্তা না দরবার ক্রিমিনেল কেশ নং ২২ দা রেজিষ্টার তৌদুনা লৈরবনিনা তোঙানবা কেশ অদুগী বিচার তৌবদা পুন্না বিচার তৌরগনি হায়না য়াই তারে। লেমহৌরিবা লুপী ৭কী বিচার লোইরে। মখোয়শিং অসিগী মথক্তা I P. C. গী সেক্সন ১৪৩গী মতুং ইন্না দণ্ড পীখ্রে। হায়রিবা লুপী ৭ অসিগী মমুংদা। (১) কোন্সম নিংথোল কোম্নু দেবী, (২) খুমন্থেম নিংথোল মালিকা দেবী, (৩) লাইশ্রম নিংথোল খুমন্লৈ দেবী, (৪) ওইনাম নিংথোল অঙোমচা দেবী, (৫) খোইদোংবম নিংথোল চাউবী দেবী (৬) মোইরাংথেম ওংবী কৈন্যা দেবী, ৬ অসিগী মথকতা মখোয় খুদিংদা লুপা ১০।১০ জরিমানা তৌবগী য়াই তারে। হায়রিবা জরিমানা অসি নুমিৎ ১১নিগী মমুংদা পীগদবনি। শোয়রগা নুমিৎ ১৫নি থবক শুবা জেলদা ফাদোক পীবা হায়না য়াই তারে। অদুগা ভাংবম নিংথোল চোংথাম ওংবী থম্বাল্লৈ দেবীগী মথকতদি লুপা ২০ জরি তৌরে। নুমিৎ ১৫নিগী মমুংদা পীদ্রগা থা অমা থবক শুবা জেলদা ফাদোক পীবা হায়না য়াই তারে। জজমেন্ট কপি মখাদা উৎচরি।

TRUE COPY OF JUDGEMENT

2.5.40.

Examind 5 P.W S. and statements of accds No. 1,2,3 4,5,7,9,11,14 and 15 taken. Accd. No. 6,8,10,12 and 13 absent case adjourned till 25 5 40 Accd as bef.re. Issue notice to the bailors of the Accds who are not present to day to show cause why they should not be punished.

Sd/- Illigible
President, Manipur State Darbar
dt. 2 5.40

25.5.40.

Accds are brought except accd nos. 8,10 & 12 6 P.W S. statements recorded, accds examined They are given the chance of defending themselves. It is proved and admitted that the accds mobbed the tall station. It is proved beyond any resonable doubt that accd. No. 15 Ngangbam Nungol Thamballei was the leader of the mob. Now the Darbar find the accds Nos. 6 7.9.11 13 and 14 to a fines of Rs. 10/- each to be paid within a forthnight in default 15 days R. I. And No. 15 to a fine of Rs. 20 - to be paid within a forthnight in default one month R.I. accd. No. 1 to 5 were dealt with in a seperate case on 2 5.40 (Criminal Case No. 22 of 1940). Arrest the other accd no 8.10 and 12 with their surities. Their case will be tried in a seperate case. Out of the fine Rs 4) 0) will go to P. W. 2 if and when realised.

Sd/- Priyobrata Singh Sd/- S S. Singh
Sd/- L.M I H. Singh Sd/- S N. Singh
Darbar Members. dt. 25 5.40.

থুন্দ্রাকপম নিংঙোল থোকচোম ওংবী থাবল্লৈ দেবী, হৈরোক, লাইশ্রম নিংঙোল মোইরাংথেম ওংবী কোন্দোল্লৈ দেবী হৈরোক, অমসুং লাইশ্রম ওংবী তম্ফা দেবী হৈরোক অহুম অসি তাং ২।৫।৪০ ইংদা অমসুং তাং ২৫।৫।৪০ ইংগী কেশকী তারিখশিং অসিদা কারক্তবগীদমক কোর্টকী ওর্ডর নতুং ইন্না তাং ২০।৭।৪০ ইংদা পোলিসনা ফারগা জেলদা থমলে। তাং ২৩।৭।৪০ ইংদা মণিপুর ষ্টেট দরবারনা বিচার তৌদুনা মখোয় অহুম্মক থা ১।১ থবক শুবা জেলদা

ফাদোকপীরে। মখোয় তাং ২২।৮।৪০ ইংদা জেলদগী থাদোকখি হায়রিবা মীশক অহুম অসি মখোয় খুদিংমক্না কোর্টকী আইন্না থা ৩।৬ পুল্লবা মীশক ওইগ্রবনি।

Darbar Criminal Case No. 22 of 1940
Dt. 1.6.40
Under Section 143 I.P.C.
Police F.I.R. Case No. 124 of 1939-40

হৈরোক অমদি বাংজিং—লমদিং মায়কৈগী নুপী ময়ামনা অহিংদা কৌ গাবী অমা ইম্ফালদা পুথৎনবা তৌরম্বা থেংনবদগী কৌ গাবী অদুদা য়াওবা কৌ পুম্নমক চায়থাইক্রবগী কেশনি। পোলিসনা তাং ২৫।৩।৪০ ইংদা ইনকারী তৌখি। নিংথৌজম ওংবী অচৌবী দেবী, খুমন্থেম ওংবী সনানু দেবী, খোকচোম ওংবী থাবল্লৈ দেবী, খোকচোম ওংবী রুহিনি দেবী, খুন্দোংবম ওংবী চিক্লাং দেবী, হৈরোক বস্তিগী নুপী মশা অসি পোলিস পার্টিনা মখোয়গী ষ্টেট-মেন্ট লৌরগা থাদোক্লমলে। অদুগা বাংজিংদা লৈবী তেকচম ওংবী তেম্বী দেবী, তেকচম ওংবী চমু দেবী, মোইরাংথেম ওংবী থরো দেবী, অহৈবম ওংবী মুক্তারৈ দেবী অমসুং লাইশ্রম ওংবী থাবল্লৈ দেবী হায়রিবা নুপী মশা অসি কাহুনা পুরক্লে। মথংগী নুমিৎতা জামিন্দা থাদোক্লে। কেশ অসিদা মরুওইনা চেন্নরিবা নুপী ৫দি জেলদা লৈরি। মখোয়শিং অদুদি—ওখেলচংবম নিংথৌজম নুং-রিরৈ দেবী, চিরোম নিংথৌজম থম্বাল দেবী, লাইশ্রম নিংথৌজম লৈরেনজাওবী দেবী, মোইরাংথেম ওংবী লৈমতোন দেবী অমসুং নাওরেম ওংবী কৈন্যা দেবীনি। তাং ২।৫।৪০ ইংদা মণিপুর ষ্টেট দরবারনা ক্রিমিনেল কেশ নং ২২দা রেজিষ্টার তৌরে।

তাং ১৩।৬।৪০ ইংা মখোয়গী বিচার তৌরে। নুংশিবৈ দেবীনচিংবী কোরেষ্টকী টোল ষ্টেসন থুগায়বদসু য়াওরুবী নুপী ৫ অদুগী মথক্তা আই, পি, সি, সেক্সন ১৪০ গী মতুং ইন্না লুপা ১৫। ১৫ জরিমানা তৌরে। অদুগা তেকচম ওংবী তোম্বীনচিংবী নুপী ৫ অদুবুনা লুপা ৫।৫ জরিমানা তৌরে। জরিমানা অসি চয়োল অনিগী মনুংদা থীত্রগা নুম্বিং ১৫।১৫ নি থবক শুবা জেলদা কাদোক পীবা হায়না য়াই তারে। মখোয় থুদিংনা অকরবা মতমগী মনুংদা জরিমানা থীদোকখিবা মরম্না কাদোক তাবদি য়াওখিদ্রে।

পোৎথাও সক্তিগী অহুমশুবা অন্দোলন


এপ্রিল থাদা লৌরুংশঙগী কেরানীনা পেচি থুলদা খাজনা থৌবা লাকখি। মতম অদুদা য়াংথৈমযুম বকুল সিংহ অমসুং খাঙেম্বম তোল্লঙৌ সিংহনা লুচিংদুনা মীয়াম খোমদুনা য়াইরেক সক্তি তৌখিদ্রে, পোৎথাও পুখিদ্রে। মদুতসু নত্তনা চন্দন শেনখায়, পাচা-নাপেৎকী শেনখায়নচিংবসু অমত্তা পীখিদ্রে। অন্দলোন-কারি লিদরশিংগী মথক্তা লৌরুংশঙনা (রেভিনিউ দিপার্টমেন্ট) না চৌকিদারগা লোয়নননা রিপোর্ট অমা থাগৎলে।

শগোলমাং পুখাউ নুপীশিংগী থৌদাং

শিজগুরুমযুম নিংঙোল চৌধুরিমযুম ওংবী মনি দেবীনা লুচিংদুনা শগোলমাং অমদি পুখাউগী নুপীশিংনা কন্না হোৎনবদগী মাঙ্কৈ অদোমদগী ইম্ফালদা কৌ পুখৎখিদ্রে।

Darbar Criminal Case No 25 of 1940
Uuder Section 332 I P C,
Manip r State
Vs
Phurailatpam Daoji Sharma
alias Bedagarbha Sharma

অমিশুবা নুপীলানগী মতমদা খায়রম্বন্দ বাজার অসি থা ৬/৭ চুপ্পা কৈথেল কাদবদগী সরকারগী মাঙকৈদগী করিস্নুবা উপাই খরা তৌদুনা মে থা য়েৎরকপা কান্দদি খর খর কাব হৌরক্লে। মতম অদুদা মফম থাদিংদা খংনবা চনবা তোয়না থোকখি। নোংমা খায়রম্বন্দা তৌরাংবম নিত্যাই সিংহ কৌবা নীপা অমগা থোংবাজাবম চুলহ কৌবা অমগা মখোয় অমিনা নুপী লান্দা শরুক য়ারবাদি হায়না ময়াম্মা খঙনবা শ্রীমতি চমু দেবীমচিংবী খরবু কৈথেল পূগায়নবা তৌনমলে হায়না নুপীশিং অদুবু মখোয় নীপা অনিনা থীনা ফুখি। নুপিশিং অদুনা কৈরাপ কোর্টতা রাজংশদগী চৈবাগ কৌদিনা হায়রিবা নীপা অনি অসিবু ফাদুনা বিচার তৌখি। অদুগনবা চুমিংতা বিচার লোইদবা মরম্মা মথুংগী কেশকী তারিখ অদুফাওনা জেলদা থম্মা হায়না রাই তাখি। রাই অদু তদ্রিংগী মমাংদা জামিনদা থাদোক্লনবা কন্না হোৎনখি অদুবু কৌবা জামিন পাখিদে। মরম অদুদা মাপানশিং অদুগী মতম-চানা সিপাইশিংনা নীপা অনি অসিবু জেল য়ৌদনবা হোৎনবা ইরাং উরকপদগী নুপী ময়াম ইন্নখি। জেলগী কোম্মোং যেংদুদা সিপাইশিং অদুনা নুপীশিং অদুদা ফুবা হৌরকখি। সিপাহীশিংগী লুচিংলিবদি গুলাপ সিংহ জমান্দারনী। মতম অদুদা ফুরাইলাৎপম বেদগর্ভ শর্মনা নুপীশিং অদুগী মীচঙদা লেপ্লুনা গুলাপ জমান্দারদা থাখি



ফম্বাউলাংপম বেদগর্ভ শর্মা

মতুংদা নিংথৌ মহারাজ বেদগর্ভ শর্মা (মাউজা শর্মা) দা কুরক-পান্নী থীবা লোক্তুনা থাকহুনা খি। সপাইশিংনা মিখিল হোমশিঙানদা পুথনা থমলই। মথংগী মুমিংঙো বেদগর্ভ শর্মাবু কংমা জেল পিখি দরবারনা বিচার তৌরগা I. P. C. Section ৩০২ গী মতুং ইন্না বেদগর্ভ শর্মাবু থা ১৮ থবক চুদবা জেলদা (S I) থাদোক পীখি।

লমলাই মাইকৈগী কেশ

মমলঙাবা চিংখোংদা পোদাউন চাইথাগী মনীদা পোলিশনা এনকায়েরী অম চংখি মতুদা নহেংদা নৈবী ব্রারিবম কাংহ্লান খুমেংমতুম ওংবী জাতি দেবী নুংগোয়দা নৈবী তাউরেম নিংথাল কোংজেংবম ওংবী নৈকোম দেবী, পোলিসনা ফারগা জারিমনা থাখি এদেংঙী মতম্গা দরবারনা বিচার তৌরগা I. P. C. Section ১৪৩ গী মতুং ইন্না মখোয় খুদিংদা লুপা ১০/১০ জরিমানা হৌরে। জরিমানা অসি চয়োল অনিগী মতুংদা

নীত্রবদি মখোয় খুদিংমক নুমিং ১৫।১৫ নি থবক শুবা জেলদা কাদোক পিবগী য়াই তাখি। মখোয়না জরিমানা পীথোকখি-বগী কাদোক তাখিরে।

Darbar Criminal Case No 29 fo 1940

Dt, 8: 5: 40

কারাম মনিক সিংহনা লুচিংলুবা য়ুরেম্বম, পাংশোই মায়কৈ-গী প্রজাশিংনা পোংথাঙ সন্ত্রিগী মায়োক্তা অন্দোলন তৌখিবগী মরমদা তাং ২১-৪-৪০ ইংদা পোলিসনা এনকারি তেরে। য়ুরে-ম্বমদগী কারাম মনিক সিংহগা লোয়ননা মী ৫, পাংশোইদগী ওইনাম অঙাংতোন সিংহগা লোয়ননা মী ৬, বমদিয়ারদগী লাইশ্রম বাবুসিংহগা মী লোয়ননা ৩, চনম থলসিংহ, মোইদাংপোকতগী ঙাইরাংবমদগী খাইদেম তোম্বী সিংহ লুকেরদগী লাউরেম কাহ্নাই সিংহ, মাক্রুংদগী মোইরাংথেম তোম্বা সিংহ চৌকিদার নং ৯৩ কা লোয়ননা মী ২. সাইরেম খুলদগী ক্ষেত্রিময়ুম রতন সিংহগা লোয়ননা মী ২, কাচি খুলদগী ..ইবম নিংথেমজাউ সিং, হায়রিবা মী ২৭ অসি কাহনা পুংক্রে। পোলিস স্টেসন য়ৌরগা লুচিংবা ৯ দু জেলদা থাজিল্লগা মী ১৮ বু না জামিন্দা থাদোকখ্রে। মনিপুর স্টেট দরবারনা তাং ৮।৫।৪০ ইংদা বিচার তৌবা হৌরে। তাং ৭।৬.৪০ ইংদা বিচার লোইরে। বিচারগী মতমদা মখোয় খুদিংনা মখোয়না পোংথাঙ মন্ত্রি চঙদবগী মরমদি প্রজা ময়াম্না সরকারগী মী লাকপা মতমদা শন্ত্রি চঙলমসি, পোংথাঙ দুরসী হায়না লেপ্পখি হায়বা ভাবদগী মখোয়ন,, প্রজা ময়াম্না লেপ্পপ্রবনিনা হায়রিবা থবক অসি ত্রৈখোয়না তৌফম থোক্তে, হায়দুনা তৌদবনি হায়না খুমখিরম্মী। লেপ্পখিব অদুনা বনা-বনানো অদুগী পাউ শন্দোকপা মীনা বনা-বনানো হায়বর সরকারগী মায়কৈদগী পুথোকপা ঙমখিদবদগী কেশ অদু তাং ৭।৬।৪০ ইংদা দরবার-

মা কক্থংখি । কেশ অহুদি কক্খি হায়ববু লুচিংবা ৯ অহুদি লুমিং ৪৭ ৪৭ দি জেলদা লৈখি । মীওই ১৮ অহুম্ লুমিং ৪৭ ৪৭ নিদি কেশ অসিনা পুনখি । ইমুং মচুংগী মী কয়ামা য়ামা য়ানখি ।

Darbar Criminal Case No, 35 of 1940
Under Section 188 I.P.C.
Manipur State
Vs

1. Khangembam Tollagou Singh of Pechi
2. Wangkheimayum Bokul Singh ,,
3. Yumnam Modhu Singh ,,
4. Wangkheimayum Gopal Singh ,,
5. Laishram Tomba Singh ,,
6. Abujam Bhegya Singh ,,
7. Chakpram Thambal Singh ,,
8. Khangembam Tompishak Singh ,,
9. Thingom Angaton Singh ,,
10. Ningombam Kala Singh ,,
11. Laishram Mangi Singh ,,

এপ্রিল থাদা পেচিদা লৈ ইংখোলগী খাজমা খোংবা চংলুবা রিভিনিয়ু দিপার্টমেন্টকী মীওইশিংগীদমক সন্ত্রি চঙদবা অমসুং পোংথাঙ পুদবগী অদোলন অমা তৌখিবগীদমক তাং ১০।৫।৪০ ইংদা পোলিসনা মীওই ১১ অসি ফাবগা লুমিং ৪ দি জেলদা থম্মগা জামিন্দা থাদোকখি । তাং ১১।৬।৪০ ইংদা অমসুং ১৪।৬।৪০ ইংদা মখোয়গী বিচার তৌখি। মখোয় খুদিংমক লুপা ১৫/১৫ জরিমানা তৌখি । জরিমানা অহ চয়োল অনিগী মচুংদা থীগদবনি । শোয়বা খোরুগা লুমিং ১৫/১৫ নি থবক শুবা জেলদা ফাদোক পীবা হায়বা দরবারনা য়াই তাখ্রে।

দরবারগী য়াই অসিগী মতুং ইন্না মখোয় খুদিংনা মতম চামা চামা জরিমানা থীদোকখিবদগী ফাদোক তাখিত্রে ।

তেরা যানবগী কেশ

উরিপোক্তা লৈবা হিজম শামু সিংহনা লম্বান, তেরা-উবক কাংচুপ অসিনচিংবা নোংচুপ মায়কৈগী খুঙ্গংশিং অদুদা চংভুনা ইংখোলদা হৌবা তেরা পাম্বী পুম্নমক ইংখোল মপুগা তানরগা যাম্নোকলে। শামু সিংহনা প্রজাশিংদগী শেল খাযরগা ইংখোল মপুশিং অদুদা অয়াম্নন পীরগা যালহনবনী। যাল্লবা উ পাম্বী অদুমক শীঙ থাদনবগীদমক ইংখোল মপুদা পীখোক্লম্মী অহগা অহুগুম্না যুমশিং অদুদা তেরা যানবদা মশাগনী হাযভুনা চে অমমম ইবগা সহি তৌদুনা শামু সিংহনা পীরম্মী।



হিজম শামু সিংহ তেরাচংবা

তেরা য়াংখোকখিবগী মথংদা পোলিসনা এনক্বায়রী পাংথোকপা মতমদা শামু সিংহনা ইদুনা পীরম্মা চে মযাম অদু খোমজিল্লগা তাং ১৫।৬।৪০ ইংদা শামু সিংহবু ফাদুনা জেলদা থম্মখি। মনিপুর স্টেট দরবারনা শামু সিংহগী মথক্তা বিচার তৌগা থা ৬ থবক শুবা জেলদা ফাদোক পাখি। ইংখোলদা হৌবা তেরা, সরকারগী ভইরস্ব মযাম অদু যানথর্বশিং হাযবগীদমক

হিজম শাবু সিংহবু মনিপুরদ প্রজানা তেরাকংবা হায়বা মিংখোল পীখি।

লংখনশোয় পাং নৈখায়বগী কেশ

মনিপুর স্টেট দরবারনা লক্ষেলশোয়গী পাংতা হৱাউরো, তাংখম, খুন্দ্রাকপম, চাংখু মাযকৈগী প্রজাশিংনা, মনিপুর প্রজা শম্মেলনীগী জেনরেল সেক্রেটরী এলাংবম তোম্পোক সিংহগী লুচিংগী মথাদা পাং নৈখাযহুনা ঙা ফাদোক্ন্রবগীদমক তাং ১৭।৬ ৪০ ইংদা পোলিসনা এনকারি তৌহুনা (১) এলাংবম তোম্পোক সিংহ, চিঙমখা, (২) উশম গন্ধার সিংহ, চাংখু (৩) রাজকুমার সনাতোম্বা সিংহ, তাংখম (৪) লৈরেম্বম কাওমচা সিংহ, যুম্নাম খুনো (৫) লৈতান্থেম বাপু সিংহ, পাংগৈ (৬) শগোলশেম আদোর সিংহ, সিনাম (৭) পাঙম্বম তোল্লঙৌ সিংহ, শিনাম (৮) অকবম মনাও সিংহ, যুম্নাম খুনৌ হাযরিবা মীওইশিং অসি পোলিসনা ফাহুনা জেলদা থাজিনখ্রে। চয়োল অমগী মতুংদা এলাংবম তোম্পোক সিংহ নত্তনা অতৈ মী ৭ অসি জামিন্দা থাখ্রে। তাং ২।৮।৪০ অমস্থং তাং ১৪।৮।৪০ ইংদা মনিপুর স্টেট দরবারনা বিচার তৌরে। এলাংবম তোম্পোক সিংহবু রিংলিদরনী হায়হুনা থা ৩ (অহুম) থবক শুবা জেলদা ফাদোক পীরে। অতৈ মীওই ৭ অসিনা লুপা ২৫/২৫ জরিমানা তৌরে। জরিমানা অহু চয়োল অনিগী মতুংদা থীগদবনি শোয়রগা থা ৯১ থবক শুবা জেলদা ফাদোক পীবা হায়না রাই তাখ্রে। মতম অহুদদি শেম্ভোক নৈনদবমিনা জবি বিমিংঙাই নৈতহুনা থীদোক্নখিদে। অহুবু সরকারনা মখোযবু ফাদোক পীবগী মহুত্তা লৌ-ইংখোল যন্নচিংবা ফাগংলগা নিলাম তৌহুনা যোম্ভোক্নগা জরিমানাগী শেনফম অহু শাগংখি।

শগোলমা' অমসুং উয়ুম্পোক ইতুপ মৈখায়বগী কেশ

ইরিল তুরেল অসি মনিপুরগী মসুংদা থ্ব য়দগী শাংবা, থ্বায়দগী পাকপা অমসুং থ্বায়দগী লুবা তুরেলনী। মনিপুরগী তুরেল অতৈদগী চাউবা-শাংবা হেনবত নত্তবা ওাস্থ য়াম্না লৈবা তুরেলনী। মরম অদুনা খুল-খুলগী মপা-মপা অদুগী মতুপ অমমম মম্বর পাল্লগা ফিসন্নৌগী নিলাম তৌদুনা চৈটকী ইনকম লৌখৎপনি।

মনিপুর প্রজা সম্মেলনমীগী ওর্গেনাইজর অমা ওইরিবা তখেলময়ুম অমুসেলুং সিংহগী লুচিংবগী মখাদা শগোলমাং, যুম্নাম পাংলৌ, ৱাখোং অমসুং খেৱা কম্পানীগী প্রজাশিংনা ইরিল তুরেলগী শগোলমাং ইতুপ নৈখায়খ্রে। পাট্টাদারগী অম্নাবা য়াও-দানা ওা ফাদোক্লে অদুগা উয়ুম্পোকী প্রজাশিংনা উয়ুম্পোক ইতুপ মৈখায়খ্রে। শগোলমাং ইতুপ অমসুং উয়ুম্পোক, অমি অসিগী পাট্টাদার কোংবা বাজারদা লৈবা নোংথ্রোম্ব তাম্রসিংহনা কেশ তৌরকপদগী পোলিসনা তাং ১৫।৭।৪০ ইং দা এনকারী ~মা চৎথখি।

( ) তখেলময়ুম অমুসেলুং সিংহ খুরাই, (২) লাইশ্রম খম্বামজাউ সিংহ পাংলৌ. (৩) সাইখোম ইবোমচা সিংহ, শগো-লমা , ৪) শোম ম তোমচা সিংহ, শগোলমাং. ৫) ওইনাম গৌরো সিংহ; শগোলমাং ৬) সরাংথেম শেলুং সিংহ, শগোলমাং ৭) শরাংথেম খোম্বা সিংহবু ফাদুনা জেলদা থাজিনখ্রে। মখাগী মী ওই ২৮ অসিবুনা ফারগা জামিন্দা থাদোকখ্রে। মীওয় ২৮ অদুগী মিং মখাদা উৎচরি।

শগোলমাংগী মীশিং

১) তেকচম শেলুং সিংহ, ২) ওক্রম খোমদোন সিংহ ৩) শগোলশেম অবুং সিংহ ৪) শগোলশেম অঙৌপানবা সিংহ ৫) শোয়াম বাপু সিংহ ৬) শোয়াম তোম্বা সিংহ ৭) শনজেম্বম

রূপো সিংহ ৮) লাইশ্রম ইরাবত সিংহ

বাখোঙ খুলগী মীশিং

৯) পুখ্রম্বম তোম্বা সিংহ ১০) শরাংথেম তোমচা সিংহ ১১) শরাংথেম অমুবা সিংহ ১২) শরাংথেম গুলামজাং সিংহ ১৩) থাংজম তোম্বা সিংহ ১৪) তেকচম তোল্লঙো সিংহ

যুম্নাম পাংলোগী মীশিং

১৫) খরিবম তোম্বা সিংহ ১৬) শমশ্রাবম বোকুল সিংহ ১৭) লাইশ্রম ইবোতোন সিংহ ১৮) নাম্বেৎবম মংগি সিংহ ১৯) পুখ্রম্বম থম্বৌ সিংহ ২০) সাইরেম থম্বো সিংহ ২১) অরুবম মনাও সিংহ ২২) লাইরেল্লাকপম মেরা সিং

উয়ুম্পোক্পী মীওইশিং

২৩) বায়েমবম লৈবাকমচা সিংহ ২৪) মুমলেম্বম চাওলেন সিং ২৫) মোংথোম্বম যুগোল সিংহ ২৬) শগোলসেম খেলস্রো সিংহ ২৭) লোরেম্বম যাইমা সিংহ ২৮) মুমন্দম্বম মংলেম সিংহ

জুলাই থাগী ফাহনা লৈরিবা শাংবু অসিগী মথক্তা তাং ৪।৮।৪০ ইং, ৮, ৮ ও ৪০ অমসুং ১৬ ৮ ৪০ ইংদা মনিপুর স্টেট দরবারনা বিচার তেরে। অখেলমযুম অচৌবা সিংহনা লিদরগী হায়রকনা থা ৬ থবক শুবা (S,I) জেলদা থাদোক পীরে। জেলদা লৈরিবা মাউন্ট অহুমনা লুপা ২৫ ২৫ জরিমানা তেরে। চয়োল অনিগী মনুংদা জরিমানা থী-দোক্কদবদী, শোয়রগা থা ১/১ মম (R, I) থবক শুবা জেলদা থাদোক পীবা হায়না লাই তারে। জামিন্দা লেপি। মীওই ২৮ অহুমনা মখোয় খুদিংদা লুপা ১০/১ জরিমানা তেরে। চয়োল অনিগী মনুংদ জরিমানা থীদোকদবনি, শোয়রগা মুমিং ১৫ ১৫ নি (R.I.) থবক শুবা জেলদা থাদোক পীবা হায়না রাই তারে। মী খরদি জরিমানা থীদোকখি, অয়াম্বনা জরিমানা থীবা উমদহনা জরি থীখিদে। মখোয়বু থদাবপীবগী মথক্তা

মরৌ-ইংখোল, মন্নচিংবা ফাগৎতুনা নিলাম লাউদুনগা জরিমানাগী শেনফম অদু শাগথি মন্নামগী মসুংগী তেকচম তোল্লবৌ সিংহদি জরিমানা লুপা ০ অদুগী খবরদা রা চুনা কংবেদা চৎথিবদগী হৌজিক ফাওবা (ইংশোক ১৯৮৭ ফাওবা) যুমদা হএকথিন্রে, মফম বদাইদা লৈবগে কয়দুম্ব খংতি।

পুখ্রাউ ইতুপ নৈখায়বগী অমসুং খেরাগী কেশ

ইরিল তুরেলগী পুখাউ ইতুপ অমসুং পুখাউ ইরান-ফমগী খেরাগী মীয়ম থুগায়দুনা নাম্রম অমুসিংহগী লুচিংবনী মথাদা ইরিল তুরেলগী পুখাউ ইতুপ হায়বা ফিসরিগী নিলাম তৌরিবা মফম অসিদা পুখাউ পানাগী প্রজাশিংনা কুমদুনা ভা ফাদোনলে অদুগা পুখাউ ইরনফম হায়বা মফম অসিদা ইরিল তুরেল লানবগী হি নহগা থোং শারগা অরানবা মী খুদিংদগী খেরাগী শেল লৈবগী থবক অদু থুগায়দুনা প্রজাশিং-না তোঙনবা হি অমা থৌরাং তৌদুনা ঠিকাদারগী তি অদুদা লান্নে, শেলসু পীজে। মদুগীদমক ফিসরি পাটাদার সাইখোম ভগা সিংহ অমসুং খেরাগী ঠীকাদার মধু সিংহনা তেবা কেশ কী মতুংইন্না পোলিসনা তাং ২০-৭-৪০ ইংদা এনক্বাবি তৌরগা নাম্রম অমু সিংহনচিংবা মীওই তরামঙা ফারে, মীওই ১৫ অদুগী মিং মথাদা উৎচরি।

১) নাম্রম অমুসিংহ। ২) লৈমপোকপম কালাচান্দ সিংহ।
৩) ওইনাম চাউবা সিংহ, ৪) সেরাম পাকা সিংহ,
৫) কোয়জম গোকুল সিংহ, ৬) যাইখোম বিজয় সিংহ,
৭) ওংনাম খোইদোং সিংহ, ৮) মোংমৈকাপ্পম গুণাপ সিংহ,
৯) নাম্রম শেলুং সিংহ ১০) রাইখোম তোম্বা সিংহ
১১) নাম্রম বীরচন্দ্রা সিংহ, ১২) রাকেংবম ইবোমচা সিংহ,
১৩) থৌনাওজম চুগেং সিংহ, ১৪) খুরাইজম তোম্বা সিংহ,
১৫) এলাংবম গুণাপ সিংহ।

মীওই ১৫ অনিগী মনুংদগী মাঙ্গম অমু সিংহ, রাইখোম তোম্বী অমসুং খুরাইজম তোম্বা সিংহ অহুম অসিনা জেলদা থাজিল্লগা অতৈবুনা জামিন্দা থাগ্রে।

তাং ১১ ৮।৪০ ইং অমসুং ২৪।৮।৪০ ইংদা মণিপুর স্টেট দরবারনা বিচার তৌরে মাঙ্গম অমু সিংহবু রিং লিদরবি হায়ঠনা Simple imprisonment তা (থবক শুদবা জেলদা) থা ৬ কাদোক পীরে। রাইখোম তোম্বী সিংহ অমসুং খুরাইজম তোম্বা সিংহ অনিবু লুপা ৫০ ৫০ জরিমানা তৌ'রে জরিমানা অসি চয়োল অ'নিগী মনুংদা থীত্রগা থা ১।১মম থবক শুবা জেলদা কাদোক পীবা হায়না রাই তারে। অদুগা অ'তে মীওই ১১ বুনা লুপা .০১০ জরিমানা তৌরে। জরিমানা চয়োল অনিগী মনুংদা থীগদবনি, শোয়রগা লুমিং ১৫।১৫ নি থবক শুবা জেলদা কাদোক পীবা হায়না রাই তারে। রাইখোম তোম্বী সিংহ অমসুং খুরাইজম তোম্বা সিংহ জরিমানা থীখিদে। অদুগু সরকারনা মদু'র অহু এমেন তৌদুনা মরো ইংখোল মংতুন নীলাম তৌরগা জরিমানা অদু লৌখংখি। অতৈগু খরনা জরিমানা থীখি। খরনা থীখিদে। থীদবশিং অহুম্ম মপোং-মচৈ মণ ইরোইনচিংবা মংতুনা নিলাম তৌদুনা যোমখোক্লগা জরিমানাগী শেনফম অদু লৌখংখি।

নন-কো-ওপরেশন মুভমেন্ট

নন-কো-ওপরেশন হায়বসি করিনো হায়বদু প্রজা পুম্নমক্না খঙনরবা রাকমনী। ব্রিটীশ অমদি মহারাজগী সরকার অসিদা প্রজাশিংনা করিগুম্বা মথংগী মতেং অমতা পীদবা হায়বনি। শাং বৈবমু, খেরাগী শেল পীদবস্মু অন্দোলন অসিগা মরী লৈনৈ হায়না লৌবা য়াই মদুগা লোয়ননা মীয়ামগী ওইনা লৌ-ইংখোলগী খাজনা থীদবগী অন্দোলন অম তৌরক্লবনী।

মনিপুরগী মশীং য়ামগ্রবা প্রজাশিংনা লৌ-ইংখোলগী খাজনা থীদবদগী লৌ অমদি ইংখোল সরকারনা নিলাম লাউহুনা য়োন-খিবসি মশিং য়ামগ্রবনী। মরম অসিগী মরক্তগী শরবা য়াবদি নিখিল মনিপুরী মহাসভাগী অন্রো ব্রাঞ্চকী সভাপতি শমজেং-শাংনম সনাজাউ সিংহগী রাকম পনবা য়াই। মহাক্না লৈরিবা ইংখোল লৌ হায়না খঙনবা খুল্লক্না লৈবা লৈকমনি। শরক খরদা ইংখোল ওইনা লৈরগা অয়াম্বা শরুক্না লৌ উবনি। মহাক্না খাজনা থীররোয় হায়হুনা থীদবদগী মগী লৌ অহু সরকারনা নিলাম তৈহুনা য়োম্বোকখ্রে। মহাকী মহু মত্তবা অতোপ্পা লৌ নম্রগা ইংখোল লৈতে। সরকারনা মাঙোন্দা তোমবা খাজনাগী শেনকমদগী নিলামদা হেন্না শিংপা মরম্না অহেনবা শেনকম লৌররো হায়না কৌবদা লৌখিদ্রে। নিলাম ওক-লিবা নীপা অহুনা মমৈথংদা মহাক্কী য়াম্না শাখিনা মাঙগদৌ-রিবহু খুনবদা মহাক্কী শেম মহুৎ অহুদা পীবীয়ু, শেন্দোং পীবী রগনু। মহু পীরগা লৌকম অহু কারদনা অহুম্মক মশাগী ওইহুনা লৈগু হায়রবদসু সনাজাউ সিংহনা য়াখিদ্রে। মমৈথংদা মহাক্না মচানুপী অহলগী যুমদা মতম শুর লৈরম্লগা ঈশ্বরগী থুয়া তারখি। হৌজিক্কী মতমদা মহাক্কী মাঙখ্রিবা লৌকম অসিগী মমল লুপা লাক্ষ অনিরোম ওইবা য়াই।

নিখিল মনিপুরী মহাসভাগী থোৱাল শেসন

থোৱাল তোমজীংদা তাং ২৪।৮।৪০ ইং অমসুং তাং ২৫।৮।৪০ ইংদা নিখিল মনিপুরী মহাসভাগী ৫ শুবা অধিবেশন ফমুনবগীদমক জুন থাগী থবক পায়খৎপা হৌখ্রে। পায়খৎলিবা থোৱাং অসি মনিপুর স্টেট দরবারনা পার্মিসন নিবদা তাং ২৬।৬।৪০ ইংদা দরবারগী প্রসিদেন্টনা পর্মিসন পীরকপদগী থবকশিং অসি পায়খৎখিবনি। নিখিল মনিপুরী

মহাসভাগী থৌবাল ব্রাঞ্চ কমিটিগী প্রেসিদেন্ট লাংপোকলাকপম চাওয়াইমা সিংহনা চেয়ারমেন ওইবা রিসেপসন কমিটি অমা শেমদুনা রিশপেসন কমিটিনা, 'দল্লিগেটশিংগী চান-থরুকবা অসিনচিংবা শেসন ফম্বা য়াননবা থৌরাং পুমমক লোইরে। তানজা অসিগা মনিপুরগী মহারাজগী মেমো নং ৬৫০৫ তাং ২৩।৮ ৪০ ইংগী ওর্দর অমনা, দরবরগী প্রেসিদেন্টনা তাং ২৬।৬।৪০ ইংদা মহাসভা ফম্বা য়াননবা পীখিবা পার্মীসন অহু কবলে, সভা ফম্বা য়ারোই হায়না ওর্দর থোরকলে। মহাসভনা P A দা অপিল অমা তৌবদা P A গী এদভাইস মতুং ইন্না দরবারগী প্রেসিদেন্টনা থৌবাল তোমডীংদ নত্তবা অতোপ্পা মফমদা মহাসভা ফম্বা য়াংগনি হায়না পার্মীসন পীরকপদগী থৌবালগী কৈথেল মনাক্তা তুরেলগী নোংচুপ থংবা তোর্বান্দা মহাসভা ফমনবা থৌরাং তৌদুনা ফংখি। ইরাবত সিংহনা জেলদা লৈখিবা মরম্না মহাসভাগী সভাপতি অসি ইরাবত সিংহগী মহুদা তাং ২১।৭ ৪০ ইংদা ফংবা মহাসভাগী রাকিং কমিটিনা ললিতমাধব শর্মাবু সভাপতি হাপখ্রে। জেনরেল সেক্রেটরী নোংমাইথেম থানিল সিংহনা জেনেরেল সেক্রেটরীগী থবক্তগী পোংথাখিবা মরম্না কৈশাম কুঞ্জবিহারী সিংহনা জেনেরেল সেক্রেটরীগী চার্জ পুরে। তাং ২৫।৮ ৪০ ইংগী নুংথিল পুং ৬ মিঃ ৩০ তাবদা লৈরেম্বম গোকুলকিশোর সিংহগীদা সবজেক্ট কমিটিগী মিটিং তৌখি। মিটিং অহুদা শ্রীহট্ট জিলাগী লাকপা দেলিগেট, ভানুবিল ব্রাঞ্চ কমিটিগা সেক্রেটরি হুম্নাম কৃষ্ণচন্দ্র সিংহনা সভাপতি ওইখি।

সবজেক্ট কমিটিগী প্রপোজেল

১) শোক প্রকাশ: —মমাশিঙ লৈখিদবগী, ময়াম্বুং ইবুংঙো দিগেন্দ্র লৈখিদবগী, মহাসভাগী মোইরাংগী কর্মি

অম, য়াইমা লৈখিদবগী, অমসুং কবোরাকচীংগী লাই-
শ্রম ফৈজাউ লৈখিদবগী।

২) আইন সভাগী াবী।

৩) রাজনৈতিক বন্দি পুম্নমক বিনা শর্ত্তদা থাদোকপিয়ু।

৪) ভিটরিনরি হোসপিটাল মশিং হেনগৎপিয়ু।

৫) ইংখোল মনুংদা লৌবাতেরা, ইংখোল মপুবু ফংহনবিয়ু।

৬) উরোকথোং পাস্সে হাপ্পিয়ু।

৭) লো-ইংখোলগী খাজনা লুপা ৬ থিরিবশিগী মহুত্তা ফো
শংবাই ৬ পীবা।

৮) ৎনক ব্রাহ্মনশিংগা চামিন্ন-থবমিন্নবা।

৯) খম্বা-থোইবীগী ফি মিয়ুজিয়মদা থম্মিয়ু।

১০) মনিং ুগী ইতিহাস ইবা হেপ্পরে।

১১) মৈতৈময়েকী লাঈংতগী বেঙ্গলি ময়েক্কা শিন্দোনবা।

১২) মহাসভাগী বর্ম্মিশিংনা 'অাতাঙ্গা' দলদা য়াওবা য়াদবা।

১৩) অরাং মায়কৈদা দিসপেন্সরি থম্মীয়ু।

রার্কিং কমিটিগী মেম্বর ওইননবগী

প্রপোজেল

১) ললিতামাধব শর্ম্মা

২) কৈশাম কুঞ্জবিহারী সিংহ

৩) য়ুম্নাম কৃষ্ণচন্দ্র সিংহ

৪) থাঙ্গৈরাকপম মাধ সিংহ

৫) বংকবিহারী শর্ম্মা

৬) গৌরকিশোর শর্ম্মা

৭) বাপু শর্ম্মা

৮) বালাচান্দ শর্ম্মা

৯) ব্রজেশ্বর সিংহ

১০) এলাংবম তোম্পাক সিংহ—সহকারি জেনরেল সেক্রেটরী

১১, কারাম বিদ্বর সিংহ

২) লাইরেল্লাকপম তোম্বীমচা

১৩] এলাম য়াইমা

১৪] ওক্রম ইবোমচা সিংহ {কবিরাজ} মখোল ।

সবজেক্ট কমিটিগী ১২শুবা রারেপ অসিদা মহাসভাগী কর্মিশিংনা অতোপ্পা দলদা যাওবা যাদবা লায়বা অমা য়াওরি । অদুগা লাকিং কমিটিগী মেম্বর ওইনবগা তৌরিবা প্রপোজেল ৩সিমরুচা মনিপুর প্রজা সম্মেলনীগী প্রেসিডেন্ট মরিগী মথুংদা অম ওইরিবা কারাম বিহুর সিংহ, প্রজা সম্মেলনীগী জেনরেল সেক্রেটরী ওইবা মতম অদুদা জেলদা লৈরিবা এলাংবম তোম্পোক সিংহ অমসুং সম্মেলনীগী ৱার্কিং কমিটিগী মেম্বর ওক্রম ইবোমচা সিংহ যাওরি ।

সবজেক্ট কমিটিগী প্রপোজেল অনি অসি য়েংশুরগা ফজবা থর রাংলে হায়না প্রজাশিংনা ঙাংনখি । তাং ২৫ । ৮ ৪০ ইংগী নুংথিল পুং ৩'/ তাবদা লেরেম্বম গৌরকিশোর সিংহগী যুমদগী সভা ফমগদবা মফম অদু তাম্না কর্মি ৯ যাম ললিতামাধব শর্ম্মানা পুচি দুনা সভাযাত্রা অমা চংখি । সভাযাত্রা অদুদা ইরাবত সিংহগী জয় তোম্পোক সিংহগী জয় হায়না স্লোগান লাউদুনা চংখি । সভা হৌদ্রিদুনা মমাংদা মহাসভাগী সভাপতি ললিতামাধব শর্ম্মানা ভারত কংগ্রেশকী মচু অহুমগী ফিবাল চিংখৎখি । কৈশাম কুঞ্জবিহারী সিংহনা জেনেরেল সেক্রেটরীগী রিপোর্ট অমা পারগা সভা মপুং ফানা ফমখি সবজেক্ট কমিটিগী প্রপোজেল পুম্নমক সভানা পাস তৌরগা মু মদাংদা সভা লোযশীনখী ।

সভা লোইববতুংদা নুমিদাংদা অরোইবগী চরা অম রিসেপসন কমিটিনা লাংখি । চরা অদু চামিন্নরগা থংগী নুমিংকী অয়ুক্তা দেলিগেৎশিংনা সেসনগী মফম থাদোক্তুনা হন্নখি ।



মনিপুরী প্রজা সম্মেলনী অমসুং নুপী লানগী অপুনবা ফোটোগ্রাফ

তাং ১৯-৮-৫৮ ইং থাংজ নুমিৎকী নুংথিল পুং ২ তাবা। ব্রহ্মপুর ভাগবতি লৈকায়দা (ভাগবতাশ্রমদা) মনিপুর পলিটিকেল সফররস এসোসিয়েসনগী জেনরেল মিটিং তৌখি। ডাক্তর বসন্তকুমারমনিনা সভাপতি ওইখি। সেক্রেটরী এল. ইবোবী সিংহনা রিপোর্ট অমা পাথোক্লবা মতুংদা বৈসাম কুঞ্জবিহারী সিংহ অমসুং পোৎশংবম তোমাল সিংহনা রা ঙাংখি। অরোইবদা সভাপতিনা ভাষন পীখি। সভা অসিদা ফ্রিদম ফাইটর ৭৮ তিনখি। ডাক্তর বসন্তকুমারনা চারলেন অমা লাংখি মতু পুন্না চামিন্নবগা মিটিং চৎথখি নাওরম অমু, তখেলময়ুম অমুসেলুং, সিনাম চাউবা, লাশ্রম কাঙ্কাই সিংহ, কারাম বিজয়, তেনসুবম লক্ষেল সিংহ, কোবঙাং সিংহ, মুতুম মেরা সিংহ, লাইশ্রম মেবা, তখেল্লম্বম ইবোতোম্বী, পুয়াম মুহোবী, ভুইদ্রোম নিংথৌনচিংবা লাকখি। নুপীশিংগী মনুংদা তোংগো দেবী, শবী লৈবাকলৈ, ওইনাম নিংঙোল বৈনা দেবী, চুংখাম অনৈবী, ব্রহ্মচারিময়ুম নুংশিরৈ দেবীনচিংবী রয়া লাকখি য়াইরিপোক শগোলমাং পুখাউ, হৈরোক ব্রাংজীংগী মী রয়া লাকখি। খুম্মোংময়ুম যাতি দেবীসু য়াওখি।

Darbar Criminal Case No, 69 of 1940
Under Section 38 of Defence of Ordinance Act.
Manipur State
Vs
Gurumayum Neher Chandra Sharma
Bramhapur Thangapat Mapal

গুরুময়ুম নেহার চন্দ্র শর্ম্মা বিভোল্লসমরি ওইবা অহল ওইরবা ব্রাহ্মন অমনি। মতম পুম্নমকতা রাজনৈতিক অমসুং ধর্ম নিতিগী ক্রিতিক অমা ওইনা লৈবা মীশক্তি। অনিশুবা খুপী লানগী মতমদা ব্রিটিশকী সিপাহিশিংনা খুপীশিংগী মথক্তা বেয়োনেৎ চার্জ তৌহুনা ব্রাহ্মনী খুপী য়াওবা খুপী কয়াগী ঈনা টেলিগ্রাফ ওফিসকী কম্পাউণ্ডা পুমডা' ঙাংনা তাখিবহুগী মরমদা অমদি ইরাবত সিংহনচিংবা মনিপুর প্রজা সম্মেলনীগী লুচিংবা কয়া ফাহনা জেল পীখিব, খুপী কয়াবু ফাহুনা জেলদা পীখিবা ময়াম অসিগী ক্রিটসাইজ তৌহুনা পমফ্লেট কয়া চাইরকপদগী তাং ৬।১১।৪০ ইংদা পোলিসনা ফারগা জেলদা থমখি॥ তাং ২১ ১২।৪০ ইং অমসুং তাং ৩১।১২।৪০ ইংদা বিচার তৌরগা Defence of Ordinance Act গী সেক্সন ৩৮ গী মতুং ইন্না থা ১ থবক শুবা জেলদা (R.I.) ফাদোক পীখি। নেহারচন্দ্র শর্ম্মা তাং ৩১।১।৪১ ইংদা জেলগী থাদোকখি।

নম্বোলগী কেশ

মোংজম ওংবী তোম্বী দেবীনা লুচিংহুনা নম্বোল এরিয়াগী খুপীশিংনা অহিং য়াইরেক্তুনা ইম্ফালদা ফৌ-পুখৎহনবা হো নখি। মহুতসু মত্তনা মথোয়না নম্বোল পঞ্চায়েৎ থুগাইখি পঞ্চয়েৎ থুগায়বগীদমক পোলিসনা এরকারি তৌখি। মী কয়া-মুক স্টেটমেন্ট লৌখি। শ্রীমতি তোম্বী দেবীনা রিং লিদরবা

হায়রহনা তোম্বী দেবীবু ফাহনা জেল পীখি মনিপুর ষ্টেট দর-বারনা তোম্বী দেবীগী মথক্ত লুপা ২৫/ ফাইন তৌখি ফাইন চয়োল অম্বিগী মনুংদা পীরগা থা অম থবক শুবা জেল পীবা হায়না য়াই তাখি। ফাইন পীদোকপদগী তোম্বী দেবী ফাদোক তাখিরে।

নুপীলানগী অরোইবা কেশ

Darbar Criminal Case no. 2 of 1941
Under Section 355 I.P.C.
Dt. 5 2 41
Manipur State
Vs

1. Wahengbam Ongbi Tongkhombi Devi (Tongou)
2. Nongtnombam Ongbi Khongnag Devi
3. Oinam Ningol Ksheirimayum Ongbi Mukhi Devi
4. Moirangthem Ningol Amubi Devi
5. Ayekpam Ongbi Rajani Devi
6. Rajkumari Sanatombi Devi
7. Laishom Ningol Leibaklei Devi
8. Wangkhem Ongbi Kumar Devi
9. Sarungbam Ningol Leimaton Devi

অনিশুবা নুপীলানগী লিদর মাপন অসি তাং ১৩। ১২ ৩৯ ইংদা নুপী ময়ায়া রাইস মিল থুদেকখিবা মতমদা অমাঙ-অতা য়ায়া থোকহনবিখি হায়বা মিল ওনরশিংদগী কেশ অমগা লাকপদগী লৌথংলকপা কেশনি রজনি দেবী, সনাতোম্বী দেবী লৈবাকলৈ দেবী, কুমারী দেবী অমসুং লৈমতোন দেবী মশা অসি তাং ২। ৭ ৪০ ইংদা পোলিসনা ময়ুম- ময়ুমদগী ফাবরগা জামিন্দা থাহনা লৈরকপনি।



অয়েকপম ওংবী রজনী দেবী



রাজকুমারী সনাতোম্বী দেবী



াইসোম মিংঙোল লৈবাকলৈ দেবী



রাংখেম ওংবী কুমারী দেবী ।

তোংগৌ দেৰী, অমবী দেবী, খোংনাংদেবী অমসুং মুনি দেবী মরি অসিমা তাং ১৮।১।৪০ ইংদগী ফাহুনা জেলদা লৈরকপহুনা মখোয়গী বিচার তাং ১৯।৩।৪০ ইংদা লোয়হুনা থা ৯/৯ ফাদোক তাহনা লৈরকপদগী তাং ১৮-১২-৪০ইংদা

মতম শুরহুনা জেলদগী থারকখি। তাং ১৯।১২।৫০ ইংদা অমুক হনা লাবগা জামিনদা লৈরকপনি। তাং ৫-১-৫১ ইংদা দরবারনা কেশ রেজিস্টার তৌরে। তাং ১১দগী বিচার হৌনবা লেপখে। তাং ১১-১-৫১ ইং অমসুং ১৮-২-৫১ ইংদা মনিপুর স্টেট দরবারনা লুপী লিদর মাপন অসিগী মথক্তা বিচার পোকরে বিচারগী মতুং ইন্না মখোয় খুদিংমক I.P.C. সেকসন ৩৫৩গী মতুং ইন্না মরাল লৈরে হায়রগা থা ৬/৬ থবক শুবা জেলদা ফংলোক পীরে। তোংগো দেবীমচিংবী লুপী লিদর মচানা জেল। নহিংও মতমদা রজনী দেবীমচিংবা অবোনবগী মচা সিনা রাযরশ্মন্দ কৈথেলগী ইরাং পুম্নমক লুপন মৈথিনবগা লে যমনা নম্বোল, লম্লাই, রাংজিং, শগোল-মাংচিংবা মতমদা ... নম নম অংগী লুপী লিদরশিংগা ছুংনা লুপালনগী ... জেলগ নবগী থবক কয়া তৌখি

লাই, এম, এ, লেমবাংলকপা

মেজোরী সুফসৈ বেস ইং শোক ১৯৪১গী জানু-য়ারি তাং ... অসিগী মথক্তা নামথোকখ্রে। মতম অসুগী তুংদা ব্রিটিশক লানজাও থেংনরিবা জমনগী ... জমনদা লৈবা ভারত মচা ... Indian Region ... জমন অসি ... অসিগী দাইরেক্ত জমনগী ... ইন্দিপেন্ডেন্ট ... ব্রিটিশকী ... ইং শোক ১৯৪১গী ডিসেম্বর হৌগৎলকপদগী লান তৌনা হৌরক্লে। এশিয়াগী মোংগোল থংবা মায়কদা লৈবা ভারতচা ... রাসবিহারীনা বোসনা লুচিংহুনা ভারত স্বাধীনতা ... Indian Independence League ... অমসুং ... জমনা মতম শরগী

মমাংদা শেমজুনা লৈরম্মী। মসিগী লুচিংবা রাশবিহারী বোস বাবা অমর সিংহ, বাবা উসমান শাহ চিংবা কয়াদি মতম খরগী মমাংদগী অন্দর গ্রাউণ্ডা লৈতুনা মখোয়গী থবক তৌবা হৌগং-লম্মী। জাপান্না বৃটিশকী মথক্তা লান তৌরক্লবা মতম। অদুদদি মখোয়না ফোংনা চোংথোক্তুনা জাপানিজশিংগী খুংশম্লনা থবক তৌবা হৌরক্লে 'অস্তুম তেনা জাপান্না লান তৌরকপাহনা তাং ১৫।২ ৪২ দা শিংগাপুরদা লৈবা বৃটিশকী লান্মী ৭০,০০০ (লিশিং হুম্ফুতরা) জাপান্দা সরেন্দর তৌখ্রে। শিংগা-পুর, জাপান্না লৌশিনখ্রে

তাং ১৬। ।৪২ ইংদা শিংগা রগী Farrer Park হায়বা কৌবা মফম অদুদা জাপানিজগী লান্মীশিংগা সরেন্দর তৌরবা বৃটিশকী লান্মীশিং অদুগা পুন্না সভা অম কয়ম্মী। মতাং অসিদা পনব য়াবা রাফম অমনা বৃটিশকী লান্মী ৭০,০০০ অসিগী মরুংদা ইংলিসমেন খর য়াওরবস্তু মশা য়াম্নমদে, ভারত মচা হোক্তা ওইরম্মী। সভা অদুদা জাপানগী লান্মীগী লুচিংবা মেজোর ফুজিবারানা বা ঙাংখিরম্মী। মহাক্না ঙাংবদা মক ওইনা পনখিবদি জাপান্না বৃটিশকী মথক্তা লান তৌরিবসিগী মরমদি এশিয়া মহাদেসতগী বৃটিশকী রুল ত নথোকখিনন্নবগীদমক্তা ভারত মচা পুম্নমক্তুম্তু ভারত স্বাধীনতাগী লান তৌবা চুম্লে ভারত মচাশিংনা ভরত স্বাধীনতাগী লান তৌগে হায়বা খল্লবদি শেল অমদি খুংলাই জাপানগী পীগনি হায়খি। বৃটিশকী লান্মীশিংগী ম রুগী ইংলিসমেন Leptnant Colonal Mr Heent না রা ঙাংখি। সভা অদু লোয়শিল্লকপা মতমদা মেজোর ফুজিবারানা বৃটিশকী লান্মীশিংগী মরক্তগী ভারতমচা কেপটেন মোহন সিংদা I.N.A. শেম্নবা হায়খি। রুমিং অদুমক্তদা মোহন সিং মশামক্তা G.O.C. ওইহনা Indian

National Army শেমলে হায়না লাউথোকখি । বৃটিশকী সিপাই ওইরবা শিংগাপুরদা লৈরম্বা মতাঙ্গী অশেংবা ময়ুম্বা মনিপুরগী ইম্ফাল ইস্টকী মং চরবা ক্ষেত্রিগাইদগী -কি অহমদ চৌধুরী তাং ১৬ ২ ৪২ ইংদা I,N,A, শেম্বা নুমিৎ অসিমক্তদগী মশামক I,N,A, যাওখি I,N A, না জাপ নগী মতেংগা লৌয়নবা বৃটিশ ইণ্ডিয়াগী মথক্তা লান তৌনবগীদমক G,O,C মোহন সিংহ প্লান তৌব হৌখ্রে

ব্রিটিশ ইণ্ডিয়াগী মথক্তা লান্দানবগী থবক্তা অহানব ওইনা বন্মাদা চঙশিনবা তাই । মতুংদমক থৌরাং পুম্নমক লোইরবা কান্দা নোংমা ইখণ্ড-খণ্ডহৈনবা G,O C, মোহন সিংহ অসি জাপানা যাজিনখিবদগী I,N,A, গী থবক পুম্নমক লেপ্‌না লৈখি । অসুম তেঙ মতম থব লৈববতু । ঘমন অমদি জাপান সরকারগী মতেংনা নেতাজী সুভাস, জাপানগী টোকিওদা তাং ১৬ । ৫ ৪০ই দা যৌরকনা ইংলোক ১৯৪০গী জুলাই তাং ২দা সিংগাপুরদা থুংখি । Indian Indipendence League গী লুচিংবশিংগা জাপানগা কুপনা তানবগা আই, এন, এ গী থবক পুম্নমক নেতাজী সুভাসতা শিন্নখি । Indian Indipendence Leagu গী প্রসিদেন্টকী থবক্তু রাসবিহারী বোসনা চিজাইন তেবগা নেতাজীদা শিংখি । নেতাজী সুভাসনা জাপান অমদি Indian Indipendence League গী লুচিংবশিংগা তানরগা মরওইনা I.N A, গী মেইন্টিনেন্স অমস্তুং বন্দোবস্তুলিংনবীদমক "Provisional Govt. of Azad Hind" হায়বা গভর্নমেন্ট অমা শেমলে হায়না

জাপান, মলয়, থাইলেণ্ড, বর্মা অমসুং শিংগাপরগী অচৌবা অশা-কয়া যাওরবা নোংপোক এশিয়াদা লৈবা ভারত মচা কয়াম্না শিংগাপুরদা তাং ২১-১০-৪৩ ইং দা চাং লেম্না তিন্নবা সভা অমদা লাউথোকখ্রে। নাক্ম অসি লাওথোকপগী লোয়নবা নেতাজী সুভাসনা আজাদ হিন্দ গভর্ণমেণ্ট অসিগী প্রেসিদেণ্ট ওইনা সভা অতুদা ফোমে ল্ল থাক্লখ্রে প্রোভিজনেল গভর্ন-মণ্ট অসি নোংপোক এশিয়াদা লৈবা ভারতমচা ২২০,০০ না যারবনি কায়বসিসু লাওথোকখি আজাদ হিন্দ গভর্ন-মেণ্ট অসি মিলিটরী গভর্নমেণ্টকী মওনি। I N A. গী স্প্রিম কমাণ্ডর ওইরিবা নেতাজী সুভাসনা আজাদ হিন্দ গভর্নমেণ্টকী প্রসিদেণ্ট ওইরবনি। I N A গী অমা থাবাক্তা ওইনা গেরিমেন্তা লৈনা। প্রেসিদেণ্টকী মতুং ইন্না ...। নেতাজী সুভাসনা আজাদ হিন্দ গভর্নমেণ্টকী প্রেসিদেণ্ট ওইনা ... অমদি আমেরিকাগী মথক্তা লান তেঙ্গান ... ১০ ১৩ ১০। ৪৩ ইং দা হিক্রার তৌখে সরকার অসি ... লৈবা সরকারনা রিকোগনিসন পীখ্রবনা। লৈবাবশিং মখোয়দি ১) জাপান ২) জর্মন ৩) ইতালি ৪) ফিলিপাইন ৫) বর্মা ৬) থাইলেণ্ড ৭) মাঞ্চুকুও অসিনি। সরকার অসিগী ... নোংপোক এশিয়াদা লৈবা ভারতমচা শিংনা তেক্ত লৌ-শিংনা ওইখি।

I.N A. গী থুংলাই

I,N,A, না পায়রবা থুংলাইশিং অসি জাপানগী লয়বনি। মায়না ব্রিটিশতগী ফংলকপা থুংলাইশিং অদু অমা, মখোয় মদা লৈবনি। মপুং ওইবদি সিংগাপুরদা লৈরম্বা ব্রিটিশকী লান্মী-শিংনা সরেণ্ডর তৌবদা শিন্নখিবা থুংলাইশিং অদুনা মপুং ওই-রবনি। মতুদগী হেন্না দরকার ওইরগা Cr dit purchese

ওইনা লৌবনী। Provis'onal Gov rnment অসিনা জাপানদগী লোনসু পোই। নেতাজী সুভাসনা ব্রিটিশ ইন্দিয়াগী মথক্তা লনদানবা থৌরাং লোইখ্রে। থাংবা তৌদনা বর্মাদা চৎশল্লে! মতম অদুদা আই, এন, এ, গী মশিং অসি ২০,০০০ গী মথক্তা লৈরে। নেতাজীনা জাপান সরকারগী এপ্রুভেল লৌবগা I,N.A. গী মশিং খুনমক ৩০,০০০ শুহনখি। বর্মাদা লৈবা মেইতৈ মচাশিংগী মরক্তা লাইশ্রম গুন সিংহনা ওর্গেনাইজ তৌদুনা Manipur Ind'pendence League কৌবা ওর্গেনাইজেসন অমা শেম্লে। INA অমদি জাপানা Manipur Indipendence League কা লোয়ননা মনিপুরদা চঙশীল্লকখি। লাইশ্রম মুখ সিংহসু অদোবা পার্টি লেবক্রে। ভাংবম থানিল সিংহসু শরুক য়ারক্লে। মন্দলেদা লৈবা মহাসভাগী বাকিং কমিটিগী মেম্বর ওইরকখিবা শ্রী চন্দ্রমনি শর্মা অমসুং ব্রজলালা শর্মানচিংবা কয়াখোঁদাং য়ারক্লে। বর্মাদেশতা মতম কুইনা লৈরকুবনা মখোয়গী পোক্কুখম লমদম মনিপুরগী মনিঙ তমনবগীদমক মপুক্রায়গী তৌখম থোকপা তঙাইফদ্রবা থৌদাং লৈরদুনা পাঙথোক্লগানি হায়না লেপখ্রে।

নেতাজী সুভাসনা লুচিংমখাদা I.N.A. গী ওর্গেনাইজেসন ফজনা তৌবকপা উবদগী ইন্ডিয়ান ইন্দিপেন্ডেন্স লিগনা মীওই অযাম্না I.N.A দা চঙশীনখে। নেতাজী সুভাসনা ব্রিটিশ ইন্ডিয়াগী মথক্তা লান্দানমগা তৌখিবা প্লান অদুদি লান্মী ফৌজ অমনা মনিপুরগোমদা চঙশীনবা অদুগা অতোপ্পা ফৌজ অমনা আরাকান লোমদা চঙশিনবা অসিনি। মনিপুরদা লান চঙশিনবা মতম অদুদদি মনিপুর ইন্দিপেন্দেন্স লিগনা থবক য়াম্না কনথংখিরম্মী। মনিপুরদসু মায়েক অহুমদগী চঙশিল্লকখি।

উখ্রুল রোড, বর্মা রোড অমসুং টিদিম রোড অণম অসিনি। টিদিম রোডকী ফোস' অসিদা Colonal Malik না লুচিংলম্বী I.N.A. লিংখৎপা মুমিংতগী 2nd Lietenant কী রেংকতা চঙখিবা মহমদ নকি অহমদ চৌধুরী, প্রমোসন মথং মথং কারকপদুনা কেপটেনগী রেংক য়োবগা লোয়ননা টিদিম রোডকী মায়কৈরোমদা বলমেল মালিকী মতেং পাংদুনা লাক্লি।

জাপান্না শিংগাপুর লৌখিবৈগী মমাংদা ইংশোক ১৯৪২ গী মে তাং ১০ নোংমাইজিং মুমিত্তা মণিপুরগী খ্বায়রম্বন্দ বাজারদা জাপান্না অহানবা বোম থাদদুনা বাজার থুগায়খ্রবনী। মুমিং অদুদগী ইম্ফাল এরিয়াগী প্রজাশিংনা ইম্ফালদগী লাপ্না লাম-জেন্নখ্রবনি। মেগী তাং ১৭ নোংমাইজিং মুমিত্ত' অমুক ইম্ফালগী মফম কয়াদা বোম থাদবদগী মী কয়া শিখ্রবনি, অমাঙ-অতা কয়া থোকহনখ্রবনি। বৃটিশকী লান্মীশিংনা ইম্ফালগী অহাংবা য়ুমশিংদা চঙশীন্দুনা লৈখ্রবনী। আমেরিকাগী লান্মী কয়ামুকসু ইম্ফালদা লাক্লুনা লৈখিরম্মী।

কবোভেলিগা তায়নবা মণিপুরগী লমদা লৈবা লমজাঙম কুকি কৌবা মীশক অমনা মাগী দুপী হোয়াকিমগা লোয়ননা নেতাজী সুভাষনা ইবা চিঠি অমা পুদুনা মণিপুর তম্পাক্তা লাকখিরম্মী। মখোয়না অহানবদা শুগ্নুদা থুংখি। শুগ্নুদা ডাক্তর ওইদুনা লৈবা ডাক্তর গুলাপচাউগা উনবদগী ইম্ফালদা লাক্লগা কনা কনা উনগদগে হায়বদু মখোয়না খঙলম্মী। লমজাঙম্না চিঠি অদু থোৎচোম অঙৌ সিংহদা পীরম্মী। মথংদা পোৎশং-বম তোমাল সিংহ, লাইশ্রম কাহ্নাই সিংহ কোংবা বাজারদা লামজেন্দুনা লৈবা অনিগসু উনখিরম্মী। মণিপুরগী লুচিংবশিং অসিনা লমজাঙমবু হলহনখ্রে। মখোয়না তামরবা মতুংদা নোংজম বিজয় সিংহনা কাছার তান্না চৎতুনা ইরাবত সিংহগা খররক্ই।

মতম অদুদা ইরাবত সিংহনা সাইলেন্ট ওইনা লৈবা পাম্লম্মী। মদুদগী মীজয় সিংহনা ইম্ফালদা হল্লক্লগা থোকচোম অঙৌ সিংহ ক্ষেত্রমাল সিংহ কাক্চাই সিংহ অমস্থং তেনসুবম লখেলগা লোয়নবা লুচিংবা মখা অসি যমগনা I. N. A. দা যাওদুনা ভারত স্বাধীনতাগী লানকমদা মখোয়না ওমজবা থেংনাং তেরসী হায়না লেপ্পরম্মী। থুনমক খোঙ শংলব থেরাং তৌথিরম্মী। মতম অদুগী আসাম গভর্ণরনা ইরাবত সিংহবু আসামদা দিতেন তেংদুনা থমখিবা মথম্মা ইংশেক ১৯৪৩ গী মার্চ তাং ২০ দা শিলেট জেলগী থাদোক্লবস্থু মখিক। চঙবা যাহনখিরে, আসামদা অদুম্মা লৈহনখি। ১৯৪৬ গী আগষ্ট তাং ১৮ দস্থু টেকতনী মতম শা বগী ওদর অমং আসাম গভর্ণরনা থোকখি মখা নং Ord. r Nc C 141/42-V/210. Shillong 18 th. August, 1944 অসিনা। অমু. তেজনা ইরাবত সিংহ, কাছাড়দা শাথনা লৈখি।

থোকচোম অঙৌ সিংহ, খেত্রম গোপাল সিংহ, লাইশ্রম কাক্চাই সিংহ, লোইজম বিজয় সিংহ, তেনসুবম লখেল সিংহ মখা অসি I.N.A. দা যাওরনবগীদমক মগুম মযুমদগী ইংশেক ১৯৪৪ গী মার্চ তাং ০ দা খোঙশানখি। মখোয়না ওংনবদা শেংনা চংখি। মতুংদগা পুখাই তাম্না অমুক লেংখি। পুথাইদগী মোইবাং চংলন গীদমক ইম্ফালদা অমুক লাকখি। ইম্ফালদা লবি ঙগী মতমদা ক্ষেত্র সিংহদি মিলিটরি পোলিসনা থাদুনা গৌহাটিরোমদা পুখ্রে। লৈহৌরিবা লুচিংবা মখি অসিনা তাং ১৭। ৩। ৪৪ ইংদা মোইরাংগী I.N.A. কেম্প য়োংখে। কেম্পা হেড য়েংবগা কর্ণেল মালিক অমস্থং শকি অহমদ চৌধুরি উনদুনা মখোয় মখিমক I.N.A. দা যাওরে। কুমং অদুদগী কেম্পতা লৈখ্রে। মনিপুরদগী I.N.A. দা চঙবসী হায়রিবা কাঙবু আসনা অহানবা ওপদা।

ইংলোক ১৯৪৫ গী মেগী তাং ৭ তা জর্মনগী লান লোইখ্রে, জপনগী লান্দা মায়থ রে। মতুংগী মতুংদগীদি বৃটিশ অমদি আমেরিকাগী ফোর্স অসি মোংপোকলোমগী লান অসিত ভারবনিনা মোংপোকলোমদা মখোয়গী ফোর্শ হেনগংলম্মী। অতুম ওইনমক আই, এন, এ অমদি জাপানিজগী লান্মীশিংনা চত্তশিল্লকপা অতুনা। ইংলোক ১৯৪৫ গী জুন থাদি ইম্ফালদগী মাইল ৯/১০ লাপ্পা মফমদা য়েরকপা ভুমাখরম্মী। আই, এম, এ, অমসুং জাপানিজ ফোর্সনা মনিপুরদা অসুক য়াম্না থুনা তকশিনবা ভুমখিবসী লাইশ্রম গুম সিংহগী মনিপুর ইন্দিপেন্দেন্স লিগকী অচেবা ক্রেদিট অমনি হায়না লেবা য়াই। মায়কৈ অসোমদা আই, এন, এ, অমসুং জাপানিজ ফোর্সনা তাশিনবসু মোংপোক মায়কৈরোমদা বৃটিশ ফোর্শনা য়াম্না চত্তশিনখি। ইংলোক ১৯৪৫ গী আগষ্ট তাং ৬ তা জাপানগী হিরোশিমা কৈবা মফম অতুদা অমেরিকানা এটোমগী বোম থাদবদগী জাপানগী খুদম ইই কয়া মাংহনখি, মী কয়া হাংখি হুম কয়ামুক মাঙহনখি। মতুদগী জাপান, লান হন্দোকখি। আই, এম, এ, সু মোইরাং কেম্প থাদোক্তুনা বর্মাদা কেম্প হোংখ্রে। অদুবু বর্মাসু বৃটিশনা অমুক হয়া লোশিল্লখ্রে।

পৃথিবীগী অনিশুবা লাঙ্গাও অসি (ব্রিটিশকা জাপান অমসুং আই, এম, এ গা থেংনবা) মনিপুরদা বার ফিভ ওইখ্রবনি। মনিপুর স্টেট দরবারগী প্রেসিডেন্ট **T, A. Sharpe.** ইম্ফাল থাদোক্তুনা শিলংদা লৈরুমবগীদমক মখোঙনা ইম্ফাল তমে লোংরোদতা চংখিবদা ইম্ফালদগী মাইল ২৫ লাপ্পা হাউচোঙ থুলদা জাপানিজশিংনা হাংখি। মতম অতুদা টিদিম লাইনগীদি নম্বোল লোকপচীংদা জাপানিজ ১৪০দগী হেনবনা কেম্প ওইনা লৈখ্রবনি। মোংমা ব্রিটিশগী এয়ারফোর্সনা বোম থাদবদগী

জাপানিজশিং অহূ ১।২ দং ভিংহৌরগা অতৈদি লোইনা শিগ্রবমি। মসি ইংগোক ১৯৪৫গী জুলাইগী অরোইবা মতম অহূরাইদনি। মতুং খরদং লৈরগা আমেরিকানা জাপানগী হিরোশিমাদা এটোমগী বোম থাদখিবহুদগী বার-রি-ট্রিট তৌখি। মতম অহূদা আই এন এ শিংস্থ লান হন্দোকখ্রে। মোইরাংদা আই এন এ কেম্পতগী লান হন্দোকপা মতমগা চংখিবা মনিপুর মচা মোনা আই এন এ দা য়াওবশিং অহূগী মিং মথাদা উষ্ঠরি।

১) থোকচোম অঙৌ সিংহ, শীংজমৈ।

২) পোংশঙবম তোমাল সিংহ, হৈরাংগোইথোং।

৩) লাইশ্রম কাঙ্লাই সিংহ শেগালম্বী।

৪) লোংজম বিজয় সিংহ, কৈশামথোং।

৫) কিয়াম গোপাল সিংহ, মোইরাং।

৬) মাইরেনবম কোইরেং সিংহ, „

৭) হেমাম নীলমনি সিংহ. „

৮) লাইফ্রাকপম শনাবা সিংহ, „

৯) মোইরাংথেম যাত্রা সিংহ, বিষ্ণুপুর।

১০) মুতুম অমুবা সিংহ, শগোলবন্দ

১১) মুতুম ওংবী রন্ধনী দেবী, „

১২) শাকংবম ইবোহল সিংহ, শীংজমৈ

১৩) ইরোম তোম্বী সিংহ, চীংঙামথা

১৪) ওক্রম যুগেশ্বর সিংহ. থাগ-মপাল

১৫) জ্ঞানেশ্বর সিংহ, মন্ত্রোল

১৬) ওইনাম নিংডোল বৈনা দেবী, ওইনাম

১৭) লাইশ্রম ইরাবত সিংহ, কৈশামপাৎ মুতুম লৈকাই

ময়াম অসিনা বর্মা য়োব মতমদদি শিংগাপুর বর্মার-

চিংবা মকম কয়া ব্রিটিশনা অমুক হন্না লৌশিন্দুনা লৈরমদে। বর্মাদা লৈরিঙৈগী মতমদা শেগালসম্বীদা লৈবা শিনাম চাউবা সিংহ অমসুং মাগী ইমুং মনুংগী মী পুন্নমকসু আই এন এ দা য়াওরে হায়বসু ময়াম অসিনা খঙলম্মী।

I,N,A, না সরেন্দর তৌবা

ইংশোক ১৯৪৫ দা নেতাজী সুভাচন্দ্র বোসনা কোরমোসাগী Taipeh কায়বা মফমদা লৈবা Matsuyana এয়ারপোর্টতা প্লেন এক্সিডেন্ট থোক্লুনা শিখ্রবা মতুংদা জেনেরেল Bhonsle না আই, এন, এ, গী মকোক ওইহুনা লৈরম্মী। জেনেরেল Bhonsle গী হেড কার্টরদি বেংকোক্তা ওইরম্মী। বেংকোক্তা লৈবা জেনেরেলগী ওফিসকী মপোৎ-মচৈশিং অহু বৃটিশকী মিলি-টরি ওফিসারশিংনা পায়কখি। অবু আই, এন, এ, দি সরেন্দর তৌবা মতৌবনিনা লৌশিনবা য়ারমদে। মথে য়না নুমিৎ খরা খন্নরবা মতুংদা জেমরেল Bhonsle না আই. এন. এ, গী মহুৎ শিন্দুনা বৃটিশতা সরেন্দর তৌখি। অমসুং ওফিসকী মপোৎ-মচৈ, খুৎসু খুৎলাই পুম্নমক শিন্নখি। আই, এন ,এ, গী মীওইশিংসু বৃটিশনা ফাহুনা রেংগুন জেলদা থমখি। মতম অহুদা মনিপুরদগী চংখ্রিবা আই, এন, এ, গী মীওইশিংসু রেংগুন জেলদা থমখি।

বৃটিশনা প্রজাশিংবু ফাডুনা জেলদা থমখিবা

সিনাম কৃষ্ণমোহন সিংহ, অনিশুবা লাঙ্গাওগী মতমদা নম্বোল ফোইজাং চা নিঙদা লৈবা মৈরাম কাংলেঙ্গাও সিংহগী য়ুমদা লানজেন্দুনা লৈখি। জাপান অমদি আই, এন, এ, গী ফোর্সনা মনিপুরদা চঙশিল্লকপা মতম অহুদা ইংশোক ১৯৪৪গী মার্চ থাগী নুমিদাং অমদা মনিপুরগী মশক নাইবা মীওইশিংগী মিটিং অমা তৌরগা জাপানগী মতেং :পাংসি হায়না লেপ্লখি।

মুমিং খরনিগী মতুংদা কৃষ্ণমোহন সিংহবু বৃটিশ অমীনা ফাহুনা লাংথবাল জেলদা থমখি। কৃষ্ণমোহন সিংহ, লাংথবাল জেলদা থা ৬ লৈখি। সোসিয়েল ৱার্কর কয়া ফাহুনা জেলদা থমখি। লাইশ্রম যুগেশ্বর সিংহ, হরাইবম রণবীর সিংহ, কশাম কুঞ্জবিহারী সিংহমচিংবা মিটিং যাওকবা কয়ানা অন্দরগ্রাউণ্ডদা লৈনখি।

ওইনামদা লৈবা মৃতুম নিংথেমজাউ সিংহ, মৃতুম মেবা সিংহ অমস্তুং মৃতুম অমুতোম্বী সিংহ মচিন-মনাও অহুম অসি যাংগোই ভুরেলগী মপান্দা লামজেন্দনা লৈরম্মী। জাপানিজ-শিংনা লোকপচাংনা লৈরিঙৈগী মতমদা মখোয়গী অৱাং-অপা নম্দা মতেং পাংলম্মী জাপানগা লান্দা মাথথোক্নবা হন্দোকপ্রবা মতমদা হায়রিবা মীশক অহুম অসি চিংশকপা লান্মীশিংনা ফারগা মরিশুবা আসাম রাইফলসকী কম্পাউণ্ড মনুংদা বৃন্দা-বনচন্দ্রগী মন্দির মনাক্তা দপ্তর থনবা জেলা মুমিং ৪০ নি থম্লগা থাদোকখি।

অস্তুম তোম্বা সোসিয়েল ৱাকরশিং ফাহুনা লাংথবাল জেলদা অমাদ অতে জেলদা থমখি। ককচাং পঞ্চায়েৎকী মেম্বরনী ওইরম্বা ক্ষেত্রময়ুম বকুল সিংহসু ফাহুনা লাংথবাল জেলদা থমখি। শগোলবন্দ পুখাও মথক্কী মী কয়ামকসু ফাহুনা মরিশুবা আসাম রাইফলস কম্পাউণ্ডদা দপ্তর থনবা জেলদা থমখি। মখোয়শিং অহুদিঃ—

(১) রাজকুমার দাস্জী সিংহ, বপোঙ কপিন্তি।
(২) নিংথোঙ্গম তুনাম সিংহ, ব্রহ্মপুর মহাবম
(৩) শোয়াম লালা সিংহ, শগোলমাং।
(৪) সলাম মেরা সিংহ, ,,
(৫) কৈশাম গন্ধার সিংহ, ,,

(৬) লাইশ্রম মুহোন সিংহ, ,,
(৭) অথোকপম গুলাপ সিংহ, ,,
(৮) অথোকপম নোংঙোম সিংহ, ,,
(৯) থংজম নিংথেমজাও সিংহ, ,,
(১০) থাংজম তোম্বা সিংহ, ,,
(১১) য়াইখেংবম হেরামনি সিংহ, ,,
(১২) শরাংথেম গুলামজাও সিংহ, ,,
(১৩) শরাংথেম তোমচা সিংহ, ,,
(১৪) শরাংথেম খোম্বা সিংহ, ,,
(১৫) শগোলশেম আনন্দ সিংহ, সিনাম ;

হায়রিবা মীওইশিং অসিনা ইরিল তুরেলগী মন্ত্রীদগী উ য়াক্লগা ইরিল তুরেলদা পুখ্রকপা মতমদা মখে মগী উশিং কায়গা লোয়রমা কাবনি। মথোয়না পুরকপা উশিং অদুদু লোইনা মডংঙ্গ্রবনী। মতম অদুগী শেনফমদা মখোয় পাদিংনা লুপা ৫০০।৫০০ রোমগী উদি মাঙহনখি। হায়রিবা মতম অসি জাপানগী মীওইশিংনা পুখ্রাইগী চৌংগুদা লৈবা মতম। অদুম তোম্বা মীওই কয়া কয়া কাম্বা জেলদা থমগ্রবনি। উনা লিখিবা উমজদিবমা শরদং অসিংদং ইজবনী।

মনিপুর প্রজা মণ্ডল

পৃথিবীগী অনিশুবা লান্সাওগী মতম অসি মনিপুরদা চাননবা পোং কংলেনবগী য়াম্না রাবা মতমনি। মতম অদুদা লাইথুরাম খগেন্দ্রজিৎ সিংহ জ্যোতিষ রত্নাকরনা ওপেননাইদা তৌরগা মনিপুর রিলিপ কমিটি হায়বা কমিটি অম শেমখি। কমিটি অসিনা ইম্ফালগী অথাপ-অথাঙ্গা মহমদগী ফৌ লেকনগা ইম্ফাল এরিয়াগী কৈথেলশিংদা মমল হোনহনা য়োনখি। পুকচেল চাউবা কয়ানা দান তৌরকপদু য়াংখি। দান তৌরকপ

ফৌশিং অদুনা লায়রবা কয়াদা মমল য়াওননা দাম ওইবা কমিটিনা য়েনখি। অমসুম তৌনা ইংশোক ১৯৪৫গী ওক্টোবর থা ফাওবা হোংখি। আসাম গভর্ণরনা ইরাবত সিংহবু জেলদগী থাগোক্লকসু মনিপুরদা চঙহন্দনা আসামদা দিটেন তৌদুনা থমলকপদু ইংশোক ১৯৪৬ কী ফেব্রুয়ারী ২৮দা লোইখি। ইরাবত সিংহ ইংশোক ১৯৪৬ কী মার্চকী তাং ৫দা ইম্ফালদা থুংলরে। মথংগী নুমিৎ মার্চ তাং ৬কী অযুক পুং ৫ তাবদা ৱাংখৈ লৈকায়দা খগেন্দ্রজিৎ সিংহগী য়ুমদা য়ৌরকখি। খুদক্তা কারাম বিহুর সিংহগা লোয়ননা লিদর অহুম্বা রা তানরগা তাং ৭।৩।৪৬ ইংদা কারাম বিহুব সিংহগীদা পব্লিক ৱার্করশিংগী মিটিং অম তৌননবা থৌরাং তৌখি। লাইখুরাম ইবোবী সিংহসু মহুনা অচোবা শরুক যাখি। তাং ৭।৩।৪৬ ইংগী নুংথিল পুং ৩ তাবদা ৱাংখৈ যোংলান য়োদতা লৈগা কারাম বিহুর সিংহ গীদা ইরাবত সিংহনা সভাপতি ওইদুনা পব্লিক বাকরশিংগী মিটিং অম পাঙথোক্লে। মিটিং অসি অহিংবা লানজাওগী মতুংদা রাজনৈতিকী থায়দগী হাববা মিটিংনি। মিটিং অসিদা রাজনৈতিক, অর্থনৈতিকী মরমদা কুপনা নৈনখি। বারেপ কয়ামুক তাখি।

ইরাবত সিংহনা মুভ তৌদুনা পুর্ববাচ্চল য়ানিংদবগী ৱাবেপ তাখি। কি, লং, কেরোশিনচিংবা অ ত চাম-থক্লবা নুমিৎ খুদিংগী শাজিনগদবা পোৎশিং, মমল হোৎনা মরাং কায়না ফংবা য়াননবগী মরমদা বারপ কয়ামুক তাখি। থবকশিং অদু পায়খৎননবগীদমক মনিপুর প্রজা মণ্ডল কৌবা রাজনৈতিক দল অম শেমখি। ইরাবত সিংহনা প্রসিদেন্ট ওইবা লাইখুরাম ইবোবী সিংহনা জেনরেল সেক্রেটরী ওইবা ৱার্কিং কমিটি অম শেমখি ৱার্কিং কমিটিগী মেম্বরশিংগী মিং মখাদা উৎচরি।

১) হিজম ইরাবত সিংহ — প্রেসিদেন্ট
২) লাইশ্রম মেরা সিংহ — ভাইস- „
৩) লাইখুরাম ইবোবী সিংহ — জেনরেল সেক্রেটরী
৪) লাইখুরাম খগেন্দ্রজিৎ সিংহ — কমিটি মেম্বর
৫) কারাম বিহুর সিংহ — „ „
৬) তখেলময়ুম অমুশেলুং সিংহ — „ „
৭) চোংথাম মেরামচা সিংহ — „ „
৮) রাংশৈময়ুম গুলামজাং সিংহ — „ „
৯) রাজকুমার ভুবন সিংহ — „ „
১০) অয়েকপম অঙো সিংহ — „ „
১১) অনৌবম গৌরমনি শর্ম্মা — „ „
১২) কুমারি খাইদেম প্রামোদিনি দেবী „ „

মনিপুর প্রজা সম্মেলনীগী মিটীং

তাং ১৬ ৩ ৪৬ ইং খাংজ মুমিংতা রাংখৈ য়োংলান্দা কারাম বিহুর সিংহগীদা মনিপুর প্রজা সম্মেলনীগী কর্ম্মিশিংগী ওইবা মিটিং অমসু ইরাবত সিংহনা সভাপতি ওইহুনা ফমখ্রে। মতুদসু পূর্ব্বাচ্চল য়ানিংদবগী মরমদা অমসুং মুখিং খুদিংগী শাজিন্নরিবা পোৎশিং, মরাং কায়না অমসুং মমল হোঙবা ফংনবগী রায়েপ কয়ামুক পাস তৌখি।

তাং ৭। ১। ৪০ ইংদা লিংখৎখিবা মনিপুর প্রজা সম্মেলনী কৌবা ওর্গেনাইজেসন অসি লিংখৎখিবা মতুংদা তৌবা মিটীংদা মসিনা অহানবা মিটিংনি।

নিখিল মনিপুরী মহাসভা অমসুং

মনিপুর প্রজা মন্দল, পুন্না ফম্না সভা

তাং ৫। ৪। ৪৬ ইংগী মুংখিল পুং ৪ তাবদা রাংখৈ অয়াংপল্লিদা, রাংখৈময়ুম গুলামজাং সিংহগীদা নিখিল মনিপুরী

মহাসভা অমসুং মনিপুর প্রজা মণ্ডল, অর্গেনাইজেসন অনি অসিগী কর্মীশিংগী অপুনবা সভা অমা রাজকুমার ভুবনসনাবা সভাপতি [illegible] ওইদুনা যমখি। মিটিং অসিদা মনিপুরগী মতম অহুগী অরাং-অপা, অনিশুবা লানজাওগী মতমদগী লাম [illegible]রবা মতমদা মনিপুর প্রজাশিংনা থেংনরিবা অরানা পুম্নমক, স্বাধীনচিংবগী মবম য়াওদনা রাজনৈতিক, অর্থনৈতিক. সামাজিক মরমদা কুপ্না [illegible]নখি। মরু ওইনা পূর্বাচল (North Eastern Frontier Province) শেম্না যানিংদে, মনিপুর অসি স্টেট ওইনা লেঙনবা। [illegible]বা পাম্মা [illegible] বারেপ কয়ামুক [illegible]। বারেপ কপি মরী [illegible]বা অথোবিবিশিংদা থুনা [illegible]। ভারতকী গভর্নর জেনেরেল [illegible] ১।৫।৪৮ ইংরাজী [illegible]খি।

ভারত স্বাধীনতানা [illegible]

[illegible]

[illegible] মতম [illegible] [illegible] ভারতকী [illegible] [illegible] হায়বা [illegible] কপিরবা বৃটিশ পার্লিয়ামেন্ট। [illegible] [illegible] [illegible] Attlee না [illegible] [illegible] Attlee না [illegible] মিনিস্টির [illegible] ওইরগা [illegible] অসি [illegible]। অহানবদা মহাক্না ইংরাজী ১৯৪৬ বা জানুয়ারী থাদা [illegible] পার্লামেন্টরী মেরব গ্রুপ অমা [illegible] [illegible] ভারতকী পৃথিবীগী অনিশুবা [illegible] জাপানগা লোয়ননা খুং[illegible] পায়রদুনা, লান তৌ-

মিজনকবগী প্রান্তা মায়থীরবা সরেন্দর তোঁবগী কাহুমা তেলপা নৈরিবা শাংবাহ্নাক্ খাংহ্নিংবা জাই. এস. এ. মযাম তেলপা নৈরিব, কোর্ট মার্সিয়েলনা মখোয়গী মথক্তা বিচার তৌরবগী হৌবাং তৌহনা নৈংবদু মখোয়বা থডখি। মতম অহুম তাংবা নৈরিবা প্রজাশিংনা আই. এন, এ. শিংগী মফমদা থমলিবা এপ্রিসিয়েশন অমসুং সপোর্ট অসু মখোয়না ওবজার্ভ তৌবগা লুনা কুমখিবগী। মখোয়না বৃটেনগী প্রাইম মিনিষ্টরবা মরোল পুরমক ওপায়বা ইরবা মতুংদা ভারত স্বরাজ পীবগী থমবগী থেঙমজিন্নে হায়বসু য়াওরগী। রিপোর্ট অসু কংবগা মিঃ Attlee না তাং ১৯ ২।৪৬ ইংদা বৃটেনগী পার্লিয়ামেন্টতা, ভারতা মশাগী সরকার লুনা নৈহনগনি। ভারতকী লুচিংবশিংগা থমরুক-নবীনমক কেবিনেট মিসন অমা লুনা থাংগনি হায়রমা লাউ-থোকখ্রে। বৃটিশ কেবিনেট মেম্বর:—

1. Lord Pathick Lawrence
2. *Sir* Stafford Cripps
3. Mr. Albert V. Alexender

অহুম অসি মার্চ থাদা ভারতা লাকপা তোঙান তোঙানা কয়ামুক উমরগা শিন্নাদা কনফরেন্স অমা কৌখি। পুরমক লোইরবা মতুংদা তাং ১৬।৫।৪৬ ইংদা ভারতকী গর্ভনর জেনেরেল Lord Wavel গা মিনিষ্টর অহুম অমিগা শন্না জোইন্ট স্টেটমেন্ট অমা থোকখি। মখোয়গী থাখলদি ইন্টরিম গভর্ণমেন্ট শেমগা, কনষ্টিটিউসন মশানা শেমগদবা ইলেকসন তৌবা অসিনি। কেবিনেট মিসনগী রিপোর্ট কংবগা Mr. Attlee না থুবক লুনা পায়থংলে। Lord Wavel গী মহুত্তা ভারতকী গভর্ণর জেনেরেল Lord Mount Batten লাক্লে। তাং ২৪। ৩।৪৭ ইংদগী থবক পায়বা হৌরে অমসুং বৃটিশ সরকারগী ওর্দর

কংলবা মতুংদা তাং ৩।৬।৪৭ ইংদা ভারত সরকারগী বাকম ওফিসিয়েল ওইনা ব্রোদ কাস্ট তৌরে। গভর্নর জেনেরেলনা ইনভাইট তৌরকপা মতুং ইমা জবহরলাল নেহরুনা গভর্ণর জেনেরেলগী Executive ওইনা তাং ২।৭।৪৭ ইংদগী থুবক পায়রে। থবক পাম্বা হৈ ফিভৈগী মমাংদা হুমিং অহুদা গভর্ণর জেনেরেলনা রাশক লৌখি।

মনিপুর প্রজা মন্দল অমসুং প্রজা সম্মেলনী

মতম অহুগী মনিপুরগী রাজনৈতিক অসি ইরাবত সিংহনা থর হেন্না কন্না হোংনখি। মোনা শেমখিবা মনিপুর প্রজা মণ্ডলগী মিটিং তোম্বনা মকম হোংনা তৌহনা মশা-মরেং কন্না শন্দোকখি। মতম অহুগী রাজনৈতিক, অর্থনৈতিক অমসুং শামাজিক্কী মরমদা কন্না নৈনখি। মনিপুর প্রজা সম্মেলনিগীসু মরক মরক্তা মিটিং তৌহনা মশা-মরেং শন্দোরকখি।

মনিপুর প্রজা শংঘ

মনিপুর প্রজা সম্মেলনী অমসুং মনিপুর প্রজা মণ্ডল হায়বা রাজনৈতিক দল অনি অসি ইরাবত সিংহনা সভাপতি ওইনা দল চাকনি। অহুগা ৱার্কিং কমিটিগী মেম্বরশিংসু অয়াম্বনা কমন ওইবা (দল অনিমক্তা ওইবা), অনিমক অসি লোকেল পার্টি চাক্তা ওইবা মরম্না দল অনি অসি অমতা ওইনা পুন-শীনবগী রাখল অমা পোক্লরকখি। তাং ২১/৮/৪৬ ইংদা কাকে-খেলদা অনৌবম গৌরমনি শর্মাগী মাঙবক্তা দল অনি অনিগী ৱার্কিং কমিটিগী অপুনবা মিটিং অমা তৌহনা রাকম অসি মপুং ফানা থম্লখি। কমিটিগী মেম্বর পুম্নমক্না করিগুম্বা কন্দিসন অমতা য়াওদনা দল অনি অসিনা অমত্তা ওইনা পুনশিনবা হায়বদু য়াখি। সভা অহুনা দল অনি অসিনা অমতা ওইনা

পুন্সুনা মনিপুর প্রজা সংঘ হায়বা দল অমা শেমখি। থবক পুননবগী রার্কিং কমিটি অমা শেমখি। রার্কিং কমিটিগী মেম্বরশিংগী মিং মখাদা উৎচরি।

১) রাজকুমার ভূবনসনা সিংহ —সভাপতি
২) অমোবম গৌরমনি শর্ম্মা —সহকারি সভাপতি
৩) হিজম ইরাবত সিংহ —জেনরেল সেক্রেটরী
৪) ভখেলম্বম ইবোতোম্বী সিংহ—এসিস্টেন্ট ,,
৫) লাইশুরাম খগেন্দ্রজিৎ সিংহ—কমিটি মেম্বর
৬) কারম বিহূর সিংহ — ,, ,,
৭) ভখেলময়ুম অমুশেলুং সিংহ — ,, ,,
৮) অয়েকপম অংগো সিংহ — ,, ,,
৯) লাইশ্রম মেরা সিংহ — ,, ,,
১০) পোৎশংবম তোমাল সিংহ — ,, ,,
১১) মাইমোম মধুমঙ্গোল সিংহ — ,, ,,
১২] লাইশ্রম কাহ্নাই সিংহ — ,, ,,
১৩] চোংথাম মেরামচা সিংহ— ,, ,,
১৪ ভখেলময়ুম বকুলসিংহ — ,, ,,
১৫) লাইশ্রম রাম সিংহ — ,, ,,
১৬) পোৎশংবম তোম্বা সিংহ ,, ,,
১৭) খোংমৈকাপ্পম গোপাল সিংহ ,, ,,
১৮) তেন্সুবম লক্ষেল সিংহ ,, ,,
১৯) লাইশুরাম ইবোবী সিংহ ,, ,,
২০) মৌলানা রহিম্মুদিন ,, ,,
২১) জিনিমাধব শর্ম্মা ,, ,,
২২ লাইরিকয়েংবম বাবু সিংহ ,, ,,
২৩) তোংব্রম গৌরমনি সিংহ ,, ,,
২৪) পোৎশংবম কুলবিধু সিংহ ,, ,,

৭) রাজ্‌খম তোম্বা সিংহ ,,

মণিপুর প্রজা সংঘগী বার্কিং কমিটীগী মিটিং করা মরক্তা হোংবা হোংবা তোৱনা কমখি। মিটিংশিং অদুনা রাজনৈতিক অর্থনৈতিক অমসুং সামাজিকী মরমনা শুগায়না নৈনখি।

মনিপুর স্টেট কংগ্রেস

ভারত শ্বরাজ লুবা হংলগনি হায়বগী ঈরাং নোংম-মোংমগী করথংলম্মী। ভারতনা শ্বরাজ ফংলবদি ব্রিটিশনা ভারতকী শাসন অসি কংগ্রেশকী মখুত্তা শিন্নরমগনি হায়বসি ভারতা লৈবা মী পুম্নমক্না খেন্নব লৈতনা খন্নরম্মী। মতম অদুগী ভারত-মচাশিংগী অমত ওয়রবা লুচিংবা মহাত্মা গান্ধীগী পার্টি-দি কংগ্রেশনা ওইবা মরম্না কংগ্রেশনা সাসন পায়গনী হায়-না প্রজাশিংনা খল্লবনী। মতম অদুগা মনিপুরদা নিখিল মনি-পুরী মহাসভা মনিপুর প্রজা সংঘ অমসুং মনিপুর কৃষক সভা কৌবা রাজনৈতিক দল অহুম লৈরম্মী। কংগ্রেশ হায়বা কৌব দলদি মনিপুরদা লৈত্রি। মনিপুরদা লৈরিবা রাজনৈতিক দল অহুম অসি অমত ওইনা পুনশিল্লগা ভারত কংগ্রেশকা থুং-শন্না থবক তৌমিন্নবা য়াবা অচৌবা রাজনৈতিক দল অম শেম্বা চুহ্রে হায়বসি প্রজাশিংগী মরক্তা করা নৈনরকখি। দল অহুম অসি কো-ওর্ডিনেট তৌদুনা মনিপুরদা অচৌবা রাজনৈ-তিক দল অম শেম্নবগীদমক মীওই থরনা কো-ওর্দীনেটীং কমি-টি অম শেমহ্রে। মীওইশিং অদুগী মিং মখাদা উৎচরি।

১) য়ুম্নাম খোইমচা সিংহ কনভেনর
২) শগোলশেম ইবোমনি সিংহ মেম্বর
৩) নিঙাম কৃষ্ণমোহন সিংহ ,,
৪) লোইতাম য়াইমা সিংহ ,,
৫) রাজকুমার মাইপাকসনা সিংহ ,,
৬) শারুংবম ইবোহল সিংহ ,,

কো-ওর্দিনেটিং কমিটিনা ওর্গেনাইজ তৌদুনা তাং ৪-১০-৪৬ ইংগী মুংখিলদা এরিয়ান থিয়েটর হোলদা দল অহুম অসিগী অপুনবা মিটিং অমা কৌরে। দল খুদিংদগী শেমশংদৌরিবা ওর্গেনাইজেশন অদুগী ৱাকিং কমিটিগী মেম্বর ওইননবা মীহুৎ ৩'৩ থাবীরক্লুবসু ওর্গেনাইজর কাওবুনা চে থাখি মদুগী মতুং ইন্না নিখিল মনিপুরী মহাসভাদগী :=(১) ললিতামাধব শর্ম্মা। (২) এলাংবম তোম্পোক সিংহ (৩) লাইশ্রম যুগেশ্বর সিংহ, মনিপুর প্রজা সংঘদগী (১) ৱাজকুমার ভুবন সনা সিংহ (২) অরোবম গৌরমনি শর্ম্ম (৩) অয়েকপম অঙো সিংহ মনিপুর কৃষক সভাদগী (১) হিজম ইরাবত সিংহ (২) মাইস্নাম মধুমঙোল সিংহ (৩) কবুইগ ই নবুইন্দু থাগৎলক্লে। কো ওর্দিনেটিং কমিটিগী মায়কৈদগীসু ১ যুম্নম খোইমচা সিংহ (২) শগোলশেম ইন্দ্রমনি সিংহ, (৩) শিনাম কৃষ্ণমোহন সিংহ অহুম মী থিং পীখৎলক্লে। মুংখিলগী মঙক এইরক্লে। এরিয়ান হোলদা মায়পাক্ কয়াদগী পার্টি অহুম অসিগী ৱাল্মি নমা নক্লবে। ৱাজকুমার ভুবনসনা সভাপতি ওইদুনা মিটিং চৎলে। দল পুম্নমক্না কন্দিসন অমত য়াওদনা পুন্দনা মনিপুরগী অচৌবা ৱাজনৈতিক দল অম শেম্নগী হায়বা প্রস্তাব অমা তারে। মখোইদা দলগী মমিং থমগদবা মতমদা মনিপুর স্টেট কংগ্রেস হায়না কৌরগী হায়বা প্রপোজেল লাকপদা মদুসু য়েংনবা লৈতনা পাস তৌরে। মতুং অদুদা মনিপুরগী কংগ্রেস দল লিংবা তারবদি মনিপুর কৃষক সভাগী প্রেসিডেন্ট ওইবা থাগৎলক্লবা ইরাবত সিংহনি কমিউনিষ্ট পার্টি যাওরিবা মীশক্কি অদুনা করম্না কংগ্রেস দলদা য়াওগনৌয়িবনো হায়বা ৱাহং অমা লাকখি হায়রিবা মতম অসিদি মনিপুরদা কংগ্রেস কৌবা দল শেম্নগী হায়বা লেপ্পবত্তা মঙাইয়রি, ভারতকী করম্না দলদা

এফিলিয়েৎ তৌগদগে নত্রগা তোপনা লোকেল পার্টি ওইবা লৈগল্লা হায়বদু খুল্লক্রি অদুম ওইনমক মমিং কংগ্রেস হায়না কৌরবনিবা ভারত কংগ্রেসকী মশা ওইনা স্টেট কংগ্রেস ওইনা শেমবা দলগী হায়বগী রাখলবা কল্লা চথনরকখি। ডাইহাক্কি মতুংদা ইরাবত সিংহ, সভা থাদোক্কনা চংগ্রে। লুচিংবা অসিনা সভাদগী চংখিবদুদা মহাক্কা লোয়নবা থবক তৌমিন্নবা বখ্মী কয়াস্থ সভা থাদোক্কমী চংনখ্রে। কৃষক সভাগী মীদি অমত্তস্থ লৈহৌদ্রে। দল অদুম পুন্দুগা সভা অমা শেম্নবা তৌরম্বহ মমৈথংদদি সভা অনিতনা পল্লবা কংগ্রেস দল ওইরে। ৱার্কিং কমিটী শেম্বদা দল অনি অদুগী মীহুৎ মেম্বর ৬ তমক ডায়রে। মতম অদুদা কো ওর্দিনেটিং কমিটিগী মীহুৎ ৩ অদুস্থ পার্টি অমগুম্না শরুক লত্তরদুবা কংগ্রেস ৱার্কিং কমিটিগী মেম্বর ওইরে। হৌজিক কংগ্রেস ৱার্কিং কমিটিদা মেম্বর ৯ (মাপন) লৈরে। রাজকুমার ভুবনসনাবু সভাপতি অমসুং য়ুম্নাম খোইনচা সিংহবু জেনরেল সেক্রেটরী খনখ্রে।

মনিপুর স্টেট কংগ্রেসকী মথংগী ৱর্কিং কমিটিগী মিটিংদা পোৎশংবম তোমাল সিংহ, রাজকুমার রতনস্না সিংহ ফুরাইলাৎপম বেদগর্ভ শর্ম্মা; দ্বিজমনি শর্ম্মা, অচোম নিমাই সিংহ মঙা অসিবু ৱার্কিং কমিটিদা কো-ওপ তৌখ্রে, মেম্বর ১৪ শুখ্রে। অমসুং মথং মথং হেনগত্তনা জুলাই থাদদি ৩১ শুখ্রে।

মনিপুর প্রজা সংঘগী ফীভম

মনিপুর প্রজা সংঘগী ৱার্কিং কমিটীগী মেম্বর তংখায় অমরোমদি ইরাবত সিংহগা লোয়ননা লৈরে। মখোয়না প্রজা সংঘগী ওর্গেনাইজেসন অদুমক মখা চথগনি হায়না তাং ৬। ১০। ৪৬ ইংদা মিটিং অমা তৌরগা ইরাবত সিংহনা সভাপতি ওইরগা তখেল্লম্বম ইবোতোম্বী সিংহনা জেনরেল

সেক্রেটরী ওইরে। লাইখুরাম খগেন্দ্রজিৎ সিংহ, কারাম বিহুর সিংহ, তখেলমযুম অমুশেলুং সিংহ, লাইশ্রম মেরা সিংহ, মাইমোম মধুমঙ্গোল সিংহ, লাইশ্রম রাম সিংহ তখেলমযুম বকুল সিংল, চোংথাম মেবামচা সিংহ, তেমসুবম লম্ফেল সিংহ, পোৎশংবম তোম্বা সিংহ, হায়রিবা হান্নগী রাকিং কমিটিগী মেম্বরশিং অসিনা অহুম্মক রাকিং কমিটিগী মেম্বর ওইদুনা ওর্গেনাইজেসন মখা চথক্রে। কমিটী অসিগী ওক্টোবর ২১ দা ফম্বা মিটিং অমনা তাং ১২।১১।৪৬ ইংদা মুপীলান মী-শীং পালন তেবা হায়না লেপ্পখে। মতুগীদমক খিজিনবগী থবক হৌগৎখে।

মচেৎ তাহোরবা মনিপুর প্রজা সংঘগী রাকীং কমিটিনা তাং ১২।১১।৪৬ ইংদা কৈশামথোংদা দামুদরপালগী লম্পাক্তা মুপীলান নিংশীংবগী পালন তেনা পাঙথোকখ্রে পালন অদুদা মতম খবগী মমাংদগী ইরাবত সিংহ, খগেন্দ্রজিৎ সিংহনচিংবা কমিটি মেম্বরশিংনা কুপ্না খিজিল্লগা মুপালাম অদুদা শংগিম্না শোক্নবা অবাবা তাথবা, পোলিস অমদি সিপাহিশিংনা ফুবদগী শোকখবা অমসুং জেলগী অবাবা তাগ্রবশিংগী মিং পবে অমা সাইক্লোস্টাইল্দ নমদুনা যেংমদা যেথোকখি। মসিনা অমশুবা মুপীলাম নীংশীং পালন তৌবা অহানবনি। মতম অদুগী রাজ-নৈতিক্তা অচৌবা থৌদাং লৌবীরম্বা নেতাশিং অদুনা থম্বীরম্বা মিং পবেং অদুন তুংগী মহারোলশিংদা যাম্না কান্নবা ফংহনখি।

প্রজাগী সরকার শেম্বগী মায়কৈদা মনিপুরগী মহারাজগী থৌরাং

মনিপুরগী মহারাজ বোধচন্দ্র সিংহনা ভারতকী ওইনা চংনখ্রিবা রাজনৈতিকী থৌচৎ অদুগা খেন্নদানা অমসুং খুমাং চংশীন্না মনিপুরদা প্রজাগী সরকার লিংনবগী রাথুল লৈরগী

কেবিনেট মিসনগী স্টেটমেন্ট অদু হেক খোরকপা মতমদগী মানিপুরদা কনষ্টিটিউসন মেকিং কমিটি অমা শেম্নবগী থবক পায়বা হৌগংলম্মী। কনষ্টীটিউসন মেকিং কমিটি অসী মেম্বর ১৬ না শারে। মেম্বরশিং অদুদি:—

১। মনিপুর ষ্টেট দরবারগী প্রসিদেন্ট যাওনা মেম্বর ৩

২। মহারাজগী নোমিনি ২

৩। চিফ কোর্টকী মীহুৎ ১

৪। মনিপুরগী তম্পাক্কী তহশীল ৫ দগী মীহুৎ ৫

৫। চাংগী এরিয়া ৫ দগী লুচিংবা ৫

মসিগী মনুংদা তম্পাক্কী তহশীল ৫ দগী তহশীল খুদিংদগী প্রজাগী মীহুৎ অমমম খন্নবগীদমক মনিপুর স্টেট দরবারগী মেম্বর এস, সমরেন্দ্র সিংহনা চেযারমেন ওইবা ইলেক্সন কমিটি অমা শেংখ্রে। ইলেক্সন কমিটিগী থৌশিল মতুং ইন্না তম্পাক্কী চৌকিদার অমমমগী সার্কল খুদিংদগী প্রজাগী মীহুৎ অনি-অনি খল্লগা মখোযনা ভোৎ পীদুনা কনষ্টীটিউসন মেকিং কমিটিগী মেম্বর খনগদৌরিবনি। ভোটর অনি-অনি খন্নবগীদমক ইলেক্সন কমিটিনা তাং ২৪।১২।৪৬ ইংদা নোটীশ তৌখ্রে। প্রজানা খল্লকুবা প্রাতিনিধিশিংগী অপুনবা মিটিং অমা তাং ৮-১-৪৭ ইংদা পোলিসলেন্দ লম্পাক্তা তিন্নবগীদমক ইলেক্সন কমিটিগী চেয়ারমেন্না তাং ৩১।১২।৪৬ ইংদা নোটিশ তৌদুনা ময়াম তিনখ্রে।

মনিপুর তম্পাক্কী তহশিল ৫ অসিদা মনিপুর স্টেট কংগ্রেশনা কেন্দিদেট ৫ থাগৎখি। মখা অদুদি:—

১) ইম্ফাল ইস্ট ডাক্তর নৈরেম সিংহ

২) ৱেস্ট শিনাম কৃষ্ণমোহন

৩) বিষ্ণুপুর দ্বিজমনি শর্ম্মা

৪) থৌবাল লাইশ্রম যুগেশ্বর সিংহ

৫) ময়াংইম্ফাল য়ুম্নাম খোইমচা সিংহ

ইলেকশন অতুদা কংগ্রেশ নোমিনি ৪ তমক কারে। ময়াং-ইম্ফাল তহশিলদদি ইরোম মেরা সিংহ (মেরা যাত্রা) কারে। তাং ২৪।১।৪৭ ইংদা ইলেকশন কমিটিগী চেযারমেন্না মসিগী রিপোর্ট পীখংগ্রে। চীংগী লিদর মশা অসিদি মণিপুর সরকার না নোমিনেট তৌগ্রে। অদুম তৌনা মখাগী মীওই ১৬ অসিবু মনিপুরগী মহারাজনা কনষ্টীউটিসন মেকিং কমিটিগী মেম্বর ওই-না এপ্রুভ তৌগ্রে।

1. Mr. Pearson-Prasident, Manipur State Darbar — Chairman
2. S. Somorendro Singh-Darbar — Member
3. Md. Quazi Wa lialla ,, ,, ,,
4. L. Iburgohal Singh (nomine of Chief Court) ,,
5. Asargbam Minaketon Singh (nominee of his Highness ,,
6. Sinam Bijoy Singh ,, ,,
7. Dr. Leiren Singh ,,
8. S. Krishnamohon Singh ,,
9. Dwijamani Sharma ,,
10. L. Jugeshor Singh ,,
11. Irom Mera Singh ,,
12. A. Daiho ,,
13. Thakhopao Kipgen ,,
14. M.K. Shimare ,,
15. Tebakilong ,,
16. T.G. Tiankham ,,

কনষ্টীটিউসন মেকিং কমিটি অসি মহারাজনা তাং ১০/৩/ ৭ ইংদা ইনোগুরেৎ তৌগ্রে। অমসুং থবক পায়বা হৌগ্রে।

কনষ্টিটীউসন মেকিং কমিটিবু ইনোগুরেৎ তৌবা মতমগী অহৌদা মহারাজ বোধচন্দ্র সিংহনা মনিপুরগী প্রজা পুন্নমক্তা পাউজেল অম পীরম্মী। পাউজেল অদু হান্না ছাপা তৌরবা চেনা অম ভলনটিয়ার অমমমদা চে অমমম শিন্নরগা থঙ্গং থদিংদা ময়াম তিন্নরবা হান্ননা পাউজেল পীদুনা তিল্লবা মিটিংশিং অমদা মহারাজগী পাউজেল চে অদু মতম অমতদা মনিপুরগী প্রজা পুন্নমক্তা পাদুনা তাহনখি। মহারাজগী পাউজেল অদুগী মরুওইবদি প্রজাশিংনা থে বাংনা ভাইনববা শাসন অদু থুনা লাক্লগনি। হৌজিক কনসটিটিউসন মেকিং কমিটি অমা শেমলে। অহাইবগী শকক্তা মনিপুরী জাতিবু মুংশিশি, জাতিগী সংস্কৃতি অমসুং সভ্যতাবু নুংশিবা মিংয়েংনা য়েংশি, মতমনা মাঙরক্রবা, কুহনা থাঙলক্রবা সাসনগ থাজবা তমশি, ঐখোয়গী খোউপ্পাং খুদিংদা ঈশাগী সংস্কৃতি অমসুং সভ্যতাবু কাডগনুসা, ঈশাদা নতম চুশিলহনসি, মতমদা ঈশা পুমহৈ হৈয়রগনুসি। লায়রোন্দগী চংনরক্রবা জাতীয়তাবু কায়হন্নবগী মশক ওইবা করিগুম্বা আদর্শনা অদর্শ অদু মনা মীংথিনা অফবা ওইবা উরবসু মদুনা ঐখোয়বু শুনহওবা ওইসনু। ঈশাগী নত্তবা পোংনা কেদৌনুংদা ঈশাদা চুনরোয মুংভাইরবা, য়াইফববা, নৈতাবা প ল্লবা অমদি চাওখংপগী লম্বীদা য়েংলবা ঐখোয়গী ভবিষদ জীবনগীদমক এম্বা শ্রীগোবিন্দজীদা প্রার্থনা তৌরি।

পাউজেল অসি তাবদা মনিপুরগী অখণ্ড অহৈশিংনা মনিপুরী মহাসভাগী তাং ৩০। ১১। ৩৮ ইংগী চীংঙা সেশন্দা আইন সভা পীযু হায়না তাখিবা রাপ্রেপ অমসুং মহারাজ চুরাচান্দসিংদা ডিপ্রেগেসন অম চংলুহহ মীংশিংনখি। তাং ৭. ৫। ৩৯ ইংদা

হিজম ইরাবত সিংহ, লাইশ্রম যুগেশ্বর সিংহ অমসুং নোংমৈ-কাপ্পম নবকিশ্বর সিংহ অদুগা খাদি শেংবুনা গান্ধী কেপ উপ্তু না চংলুবনি। গান্ধী কেপ উপ্পী হায়বুনা মহারাজনা দিল্লীগেশন অদুগা য়ারী শানখিগ্রবনি। মহাসভাগী তাং ১৫-৪ ৪৬ ইংগী অ'ইন সভাগী অমসুং দেল্লীগেসনগী য়া'রপ্প,সু নীংশিংনরক্লি।

মনিপুর স্টেট দরবার উথায়রে

মনিপুরগী মহারাজ বোধচন্দ্র সিংহনা তাং১। ৭॥ ৪৭ ইংদগী মনিপুর স্টেট দরবার এবোলিস তৌখ্রে অমসুং মতম অদুদা লৈবা দরবার মেম্বর পুম্নমক অদুবু তাং ১৪ ৮। ৪৭ ইং কাওবা কাওন্সিল ওফ মিনিষ্টরস হায়বা দিজিগ্নেট তৌদু-না কিয়ার টেকর গভর্নমেন্ট অসিগী থবক পুহনখি। মসিবু ষ্টেট কাওন্সিল হায়না খঙবে

Ministers of State Council

1. Major F.F. Pearson I P.S. Chief Minister
2. S.Somorendro Singh Ministers
3. L M. Ibungohal Singh ,,
4. S. Nodiachand Singh ,,
5. Captain M K. Priyobrata Singh ,,
6. R K. Bhaskar Singh ,,
7. Waikhom Chaoba Singh ,,
8. Md. M V. Walljulla ,,

Interim Council

মনিপুরগী মহারাজ বোধচন্দ্র সিংহনা ষ্টেট কাউন্সিলগী মতম অসি তাং ১৪ ৮। ৪৭ ইংদা লোয়রবনিনা মখা থবক চত্থনবগীদমক Interim Council শেম্মনবগী থুবক পায়বা হৌগংখ্রে। মতম অদুগা মহারাজনা খল্লবদি শেমগদৌরিবা

Interim Council অহুদা মনিপুরগী চৌংগী, তমগী অমসুং মুশলিমগী মমি তাহনবা অহুগা মিনিস্টর মশীংনা ৭ তগী হেন্দবা অসিনি । মনিপুর অসি মনিঙ তম্নবা স্টেট অমা ওইনা লৈবা তারবসু ভারত সরকারগদি লোযননা চৎমিন্নবা তাবনিবা ভরতকীদি কংগ্রেসনা শাসন পায়রগদৌরি । মহুগী রিলেসন অসু অফবা রিলেসন থম্না যানবগীদমক কংগ্রেস পার্টিগী মোমিনি অনি Interim Council গী মিনিষ্টর ওইবা পামখি, মসিগী মতাংদা মহারাজনা ষ্টেট কাউন্সিল গী চিফ মিনিষ্টরগা তিরে টিভ অমা পীখি । চিফ মিনিষ্টর মিঃ Pearson না মনিপুর ষ্টেট কংগ্রেসকী প্রেসিদেন্টপু হায়রম অসিদা নং খন্ননবগীদমক নোংমা ইনভাইট তৌরকখি । কংগ্রেস প্রেসিদেন্ট আর, কে, ভুবনসনা সিংহনা ললিতামাধব শর্ম্মা অমসুং এল যুগেশ্বর সিংহগা লোয়ননা চিফ মিনিষ্টরগা নারী শানবে । Interim Council দা কংগ্রেস পার্টিগী মোমিনি অনি যাওবহু প্রেসিদেন্টনা য়ারে । সিনাম কৃষ্ণমোহন সিংহ অমসুং এলাংবম তোম্পোক সিংহ অনিগী মিং প্রপোজ তৌরম্লে ।

নুমিৎ খবগী মতুংদদি মতম অহুগী কংগ্রেসকী ৱার্কিং কমিটিগী মেম্বর খরনা Interim Council দা কংগ্রেসকী মোমিনি য়াংহনবা যাম্বিদে হায়না প্রেসিদেন্টকী দিশিজন অহুবু প্রোটেষ্ট তৌবা রাফম অমা লাকলে । মতম অহুদা কংগ্রেস প্রেসিদেন্ট, আর, কে, ভুবনসনা সিংহনা রাফম অসি খন্ননবগীদমক রার্কিং কমিটিগী স্পেসিয়েল মিটীং অমা তাং ২১- ৭ /৪৭ ইংগী নুংথিলদা কৌখ্রে । মতম অহুদা কংগ্রেসকী ওফিসতি শগোলবন্দা অতোম্বাপু শর্ম্মাগী মাঙোপ্তা ওইরি । কংগ্রেস রার্কীং কমিটিগী মেম্বর ৩১ লৈরে । শামুঙৌ সিংহ অমসুং ভাগবত শর্ম্মানা এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী ওইনা থবক পুরিবনি ।

তাং ২১।৭।৪৭ ইংদা কংগ্রেস ওফিসতা প্রেসিদেন্ট আর, কে, ভুবনসনামা সভাপতি ওইদুনা ৱার্কিং কমিটিগী স্পিসিয়েল মিটিং কমলে মেম্বর ৩১ লৈবগী মনুংদা এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি অনিগী মনুংদা অমা ওইরিবা ভাগবত শর্ম্মাদি প্রজেন্ট ওইরে। মেম্বর ৩০ তিল্লে। ৩০ গী মনুংদা প্রেসিদেন্টনা প্রিসাইদ তৌখ্রে। মেম্বর ২৯ না Interim Council দা কংগ্রেসকী নোমিনি থাজিনবা পাম্বা-পামদবগী ভোং পীনরে।

মতম অদুদা লৈবা মনিপুর ষ্টেট কংগ্রেসকী ৱার্কিং কমিটিগী মেম্বরশিংগী মিং মখাদা উৎচরি।

১। আর, কে, ভুবনসনা সিংহ প্রেসিদেন্ট
২। য়ুম্নাম খোইমচা সিংহ জেনেরেল সেক্রেটরি
৩। শামুঙৌ সিংহ এসিষ্টেন্ট ,,
৪। ভাগবত শর্ম্মা ,, ,,
৫ অনৌবম গৌরমনি শর্ম্মা কমিটি মেম্বর
৬। ললিতামাধব শর্ম্মা ,, ,,
৭। দিজমনি শর্ম্মা ,, ,,
৮। সিনাম কৃষ্ণমোহন সিংহ ,, ,,
৯। লাইশ্রম যুগেশ্বর সিংহ ,, ,,
১০। ফুরাইলাৎপম বেদগর্ভ শর্ম্মা ,, ,,
১১। রাংবৈময়ুম তপন সিংহ ,, ,,
১২। য়ুম্নাম মেঘ সিংহ ,, ,,
১৩। অচোম নিমাই সিংহ ,, ,,
১৪। এঁচ. রনবীর সিংহ ,, ,,
১৫। মনি শর্ম্মা ,, ,,
১৬। অয়েকপম অংগো সিংহ ,, ,,
১৭। এম, কোইরেং সিংহ ,, ,,

১৮। আর কে, রতনসনা সিংহ কমিটি মেম্বর
১৯ এলাংবম তোম্পোক সিংহ ,, ,,
২০। ডাক্তর লৈরেম সিংহ ,, ,,
২১। সলাম তোম্বী সিংহ ,, ,,
২২ পোংশংবম তোমাল সিংহ ,, ,,
২৩। থোকচোম অঙৌ সিংহ ,, ,,
২৪। খাইরাকপম গিরি সিংহ ,, ,,
২৫। শগোলশেম ইন্দ্রমনি সিংহ ,, ,,
২৬ ইরোম চন্দ্রহাস সিংহ ,, ,,
২৭ লাইশ্রম অচৌ সিংহ ,, ,,
২৮। নামৈরাকপম গোপাল সিংহ ,, ,,
২৯। থাইদেম রথ সিংহ ,, ,,
৩০ হাইশ্নাম নিক্ল্যাই সিংহ ,, ,,
৩১। কারাম মাইপাকপী সিংহ ,, ,,

বাকী' কমিটীনা ভোং পীরবা মতমদা মেজোরেটিনা প্রেসিদেণ্টকী মোসন, ইন্টরিম গভর্মেন্টতা কংগ্রেসকী মোমিনি থাজিনবা পাম্লবনিনা থাজিনবদু য়ারে হায়না রারেপ তারে।

MINISTERS OF INTERIM COUNCIL

মনিপুরগী মহারাজ বোধচন্দ্র সিংহনা তাং ১৩-৮-৪৭ ইংদা থোকপা ওর্দর অমদা মতম অহুদা লৈরিবা ষ্টেট কাউন্সিলগী মতম তাং ১৪-৮-৪৭ ইংদা লোইরগনি অমস্তুং মথাগী মী-ওইশিং অসিবু Interim Council গী Minister ওইনা হাপ্লে হায়খি। মিনিষ্টরশিংগী মিং অমস্তুং মখোয়না পুবা পোর্ট-ফোলিওশিং মখাদা উৎচরি ।

1. Captain M K. Priyobrata Singh B.A.
Cheif Minister (Home)

2, S, . Krishnamohon Singh, M.A B.L.
Finance, Commerce & Development.

3 R.K Bhubonsana Singh Revenue

4. Basiruddin Ahmed B A,
Medical, PWD & Jail

5. K. Gouro Singh, B,A Education
Press & Local Self Government

6. Mr. Tiankham B.A
Forest, Agiculture & Veterinery

7. Major R. Khathing, B.A B F, M.C
Hill Administration & Manipur Rifles

আগস্টকী তাং ১৪গী নুংথিলগী শান্না নিরম্বা মিনিস্টরশিংগা লোয়না ওইগদে হায়বা মিনিস্টরশিংগা ওফিসতা থাবী থাভাক বরা শানহনা কপ্পিরমখি। ভারতকী গভর্নর জেনরেলনা থওজক্কপা মতুংইন্না তাং ১৪-৮-৪৭ ইংগী অহিং নোংয়াই চপচানা তাবা মতমদা ব্রিটিশকী 'ইয়ুনিয়ন জেক' ফিরাল অদু Mr. Pearson না চিংথরে অদুগা মণিপুরগী ফিরাল "অঙৌবা মথায়দা পাখংবা সেকপা" M.K. Priyobrata Singh না চিংথলে। অসুম লৌনা Mr: Pearson না Minister পুম্নমক থাওনা চিন্নবা মতম অদুদা M,R. Priyobrata Singh চিফ মিনিষ্টরদা সাসনগী থবক পুম্নমক শিন্নরক্লগা লোইশিল্লকপা মতমদা মণিপুর থালোকখি। মিষ্টর পিয়ারসনদু প্রিয়োব্রত সিংহ চিফ মিনিস্টরনা থিনখি।

হায়রিবা মতম অসিদা ভারতকীসু রাজা গোপালচারিনা

গোভরনর জেনেরেলগী চার্জ লৌখোরে। অমম্নুং পণ্ডিত জবা-হরলাল নেহরুনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইদুনা ভারতকী ইন্টরিম গোভরনমেন্ট কী থবক পুখ্রে। ভারতকী অতৈ মফম পুম্নমক্তা-দু মতৌ অসিগুম্না মতম অমতদা ব্রিটিশনা সাসন শিন্নবগা চংখিবনি।

আগষ্ট ১৫দা নিঙতম্বগী পালন

তাং ১৫।৮।৪৭ ইংদা অমুক পুং ৭// তাবা মতমদা মনিপুরগী সনা কোম্বুংদা মহারাজনা মনিপুরগী ফিরাল চিংখৎতুনা হরাও-বা ফোঙদোকখ্রে। ষ্টেট সরকারগী কাওন্সিলগী ওফিসতসু মহা-রাজনা মহারানীগা লোয়নবা চংতুনা মনিপুরগী ফিরাল চিং-খৎতুনা মিনিষ্টরশিং অমদি অতৈ মীয়ামগা লোয়নবা হরাও তহাম্না পালন পাঙথোকখ্রে। মতুংদা মহারাজনা কংলাদসু মনিপুরগী ফিরাল চিংখৎতুনা ময়াম্না হরাওবা পালন তৌখি। কংলানা হাইনা হুয়া পাইজরম্বা মনিপুরগী ফিরালবু ব্রিটিশনা ইংলোক ১৮৯১গী এপ্রিল তাং ২৭তা চিংখিখিবনি। অহুবু চহী ৫৬ কা মতুংদা তাং ১৫ ৮।৪৭ ইংদা অমুক পাইহনবা ঙমলে হায়বগী প্রজা পুম্নমক্না হায়নি ঙাই লৈতনা হরাওনখি।

কংগ্রেশকী পালন

নুমি' অসি।। মনিপুর ষ্টেট কংগ্রেশনা মাঙজোননা মীংথী-বা খোরাং তৌরগা মনিপুর শীনবা থুংনা ভারত স্বাধীনতাগী পালন তৌখি। অমুক অঙনবগী ভলন্টিয়ারশিংনা কোয়না ঈশৈ শক্তুনা ভারতকী মচু অহুমগী ফিরাল পায়হনা চংখি। কংগ্রেশ না হায়জবা মতু ইনা যুম খুদিংদা, দুকান খুদিংদা, স্কুল খুদিং-দা, ওফিস অমদি সংস্থান খুদিংদা জোংঙাল্লকপদা মচু অহুমগী ফিরাল পাইহনখি। অমুক পুং ৮।' তাবা মতমদা পোলোগ্রাউন্দা মনিপুরগী ওইনা অচেবা পব্লিক মিটীং অম তৌখি। কংগ্রেশকী

প্রসিদেন্ট, ব্রিজবিহারী সিংহ, রাজকুমার ভুবনসনানা মচু অহমগী ফিরাল চিংখৎখি। মেতা কয়াদা ভারত স্বাধীনতাগী লানফমদা অরাবা তাপ্রবশিং, শিপ্রবশিং অহুনা ভৈরবা থবক কয়ামুক শিজখাখি। শুমিদাংগী মতমদশু মফম পুম্মক্তা থাংনৈনা পুম-তান তাম থান্নুনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকখি। ভলন্টিয়ার-শিংনা থাংনৈ পায়হুনা ঈশৈ শক্নুনা চৎখি।

ভলণ্টিয়ারশিংনা শকখিবা ঈশৈ

হওরো—ঈচিল - ঈনাওশা
পুম্নমক লানফমদা চৎলগী,
ঐখোয়না মীনাম ওইরবা,
মতম কয়া কুইরূরে,
মীনায় য়োংলহিং ককথত্তুনা
জাতিগী ফিরাল হাইগংলে।


ঈশৈ শক্নুনা ভলন্টিয়ারশিংনা কোয়না চৎপা মতমদা প্রজা কয়া কয়ানা খোক্নুনা ভলন্টিয়ারশিং অদুদা আশির্ব্বাদ পীখি। কয়া কয়া আশির্ব্বাদ পীরকপা কয়াম্মু য়াওখি। ভারত-কী ষ্টেট অতৈদদি ইন্টরিম গভর্ণমেন্ট শেম্লবা মতুংদা কন্সটি-টিয়ুসন মেকিং কমিটী শেমদুনা কন্সটিটিয়ুসন ড্রাফট তৌনখিব-খি। মতুগা য়েংনরুরবদি মণিপুরগীদি ইংশোক ১৯৪৭ কী মার্চ্চ থাদগী কন্সটিটিয়ুসন শেম্বা হৌগৎপ্রবনি। কনষ্টিটিউসন অদু শেম্বা লোইরদুনা মিঃ Pearson না তাং ২৬-৭-৪৭ ইংদা মহারজদা enactmentকীদমক, থাগৎলম্লবনি। মণিপুরনা য়াম্না মাংওজিন থাপ্রবনি। মতুগী মপানদা ভারতকী মথুংদা থ্রায়দগী হান্না ইলেক্সন তৌদুনা প্রজাগী সরকার শেম্বা ওমশ্রিবনি।

শিলেত্তগী লাকপা ক্রিকম কাইটরশিং :

ইং শোক :৯৪৭ তগী হৌরকুনা হিন্দু-মুস্লিম খাইত থোক্লবা মতম অতূদা পাকিস্তানগী হিন্দু কয়া লানজেন্নুনা ভারতা লাকখি। মনিপুরদসু মী কয়ামুক লাকখি। মনিপুরদা লাকখিবশিং অতূ শিলেত্তগীনী অদুগা মৈতৈ মচানা অয়াম্বনী। মখোয়গী মনুংদা শিলেত্তা লৈরিংঙৈদা ইং শোক ১৯৩২ দা জমিদারনা লৌবা খাজনাগী রেৎ খাংমল্লি অতুনা রেৎ হন্থহল্লু হায়বগী আইন অমানা অন্দোলন তৌবদা জেল থাখিবা মীওই কয়াগী মনুংদা মনিপুরদা লাকপশিংগী মরক্তসু ধর খাওরি।

মখোয়গী মিং মখদা উংচরি।

1. Sirishchandra Chondhury s/o Herakchand Choudhury
2. Sanasam Madam Mohon Singh s/o late Sanaba Singh.
3. Khoirom Thambaljao Singh s/o Ramanada Singh
4. Thongam Rasmani Singh s/o late Menjor Singh
5. Arambam Tamra Singh
6. Keisam Meghajit Singh
7. Thongam Menjor Singh
8. Chingtham Kanglen Singh
9. Sarokhaibam Churachand Singh s/o late Guno Singh
10. Dineshchandra Achriya Ayurvedic Shastri
11. Kshitish Chandra Deva



লাইরিক ফংফম:—

১) লাইখুরাম ইবোবী সিংহ,
ৱাংখৈ কৈথেল অশাংবী ইম্ফাল।

২) মণিপুর সাহিত্য পরিষদকী অফিস,
পাওনা বাজার, ইম্ফাল।

মতুংদা থোক্লকপনবা :—

A Political History of Manipur.
(1891-1947)

হান্না থোংখ্রবা লাইরিকশিং:—

১) লাইখুরাম বগেন্দ্রজিৎ সিংহ,
জ্যোতিষ রত্নাকর

২) অক্টোবর রিভোলুশন-১৯৪৫,
মণিপুর।